ꯑꯉꯥꯡꯒꯤ ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ
THE LITERATURE OF CHILDREN

ꯇꯦꯅꯥꯂꯤꯔꯥꯝ
TENALIRAM

ꯑꯁꯕ

ꯑꯁꯨꯇꯝ ꯁꯁꯣꯡꯀꯂꯦꯌ ꯇꯨꯁꯦꯌ




ꯇꯣꯌꯃꯒ ꯀꯦꯍꯃ ꯁꯣꯔꯇꯤ ꯇꯒ, ꯍꯔꯪꯃꯁꯃ

ꯑꯉꯥꯡꯒꯤ ꯈꯣꯔꯤꯔꯣꯜ
ꯇꯦꯅꯥꯂꯤꯔꯥꯝ

ANGANGGI KHORIROL
TENALIRAM

ꯑꯏꯕ

ꯑꯕꯂꯝ ꯈꯕꯣꯑꯥꯦꯌꯥ ꯂꯨꯁꯦꯑ



ꯍꯣꯡꯆꯣꯞ ꯍꯔꯥꯝ ꯈꯣꯏꯖꯦꯏ ꯂꯤ., ꯌꯨꯔꯦꯝꯕꯝ

তেনালীরাম (ৱারী মচা খরা)
হিন্দীদগী মীতৈলোন্দা হন্দোকপা

হন্দোকলোই	:	অবুজম ইবোপিশক লুৱাং
অফোংবা	:	নোংচুপ হাবম খোর্জৈ লুপ, য়ুবেম্বমগীদমক অয়িবগী লোইনবী ঙাল্লী লৈমনা ফোংজবা, নোহাখোলগী ১১০ শুবা লাইবিক।
অহানবা ফোংবা	:	২০১৩
লাইবিক মশিং	:	৫০০
মমল	:	১৫০
নম্ফম	:	মোনিকা প্রিন্টবস, কৈশামথোং
ফংফম	:	অয়িবগী য়ুম কংলা ম্যুজিয়ম, ইম্ফাল

ISBN- 978-93-82989 -03-5

কচ্চবা

চৎন লোনচৎ, সীনলম সীষ্ঠা কয়া
খংদবা উদবা কয়া কয়া
খুজেঙ পালোইনা তাকপী তখী মিৎ পাংহনবীরম্বা
অপঙবা নচা ঐগীদমক অৱা কোঙায় মায়োক্লম্রবা,
হৌজিক্লা মপুগী খুয়াখাদা চংজম্রবা
ঐগী অপোকপা অপোকপী,
বিরচন্দ্র সিংহ অমদি মুক্তারৈ দেবী অনিগী মফমদা
নচানা তেনালীরাম কৌবা লাইরিক অসিবু
পুক্লংগী লৈরাং ওইনা মহৎ শিন্দুনা
কৎচরি লৎনবীগনু ।

তোল্লবা নচা
অবুজম ইবোপিশক লুৱাং

অয়িবগী ৱারোল

ঐহাক্কী পামজবনি ইবা, অদুম্মদি ওইবগা ইবগী লৈচল শীংলাক শীংবুনগী চৎন-কাংলোনগী মবমদদি থোইনা হেন্না মীগা মীমান্নবা হৈথোই শিংথোইবা অমসু নংচদে৷ ঐহাক্না পাজকবা খবা অদুবু ইবোলদা হন্দোক্তুনা ফোংদোক্লিংবগী অকনবা ইথিল অমা হৌবকখি। মসিনা লমজিং ওইদুনা ইবোল ইমাবোল মীতৈলোন্দা হন্দোকচবনি । ঐনা হন্দোকচবিবা লাইরিক অসিগী মমিং 'তেনালী' কৌবা অসি খা ভাবতকী সভ্যতাদা য়ুমফম ওইবনি। ৱাবীশিং অসি তামিল লোলদা ইবা শোয়দনমক্কী ওইবমগনি অদুবু ঐনা থেংনজকবদনা হিন্দী লোলদা থেংনদুনা পাজবনি । লাইবিক অসি 'বিশ্ব বুক্স' কৌবা বুক স্তোব অমনা ফোংবনি । মসিদা অয়িবগী মমিং পল্লমদে । লাইবিক অসি মক ওইনা অঙাংশিংগীদমক অখন্ননা ফোংবনি । মসি ঐহাক্সু অসুক নুংঙাইবা ৱাবী মচাশিং অসিবু হন্দোক্লগা ঐখোয় অঙাংশিংদা পাহল্লোইদবগে হায়বগী ৱাখল তুংইন্না হৌজিক্কী মীতৈ ময়েক পাবা ঙমদ্রিবা অমসুং পাবা ঙল্লবশিংগী খঙ্গদুনা ময়েক অনিদা ফোংজবনি৷ লোল অমদগী লোল অমদা হন্দোকপা হায়বসি মওং -মহাও খবদি তঙাইফদনা খেন্নদনিংঙাই লৈতে। পাবীবিবা খোবিলোলবু যোকখৎপীবা পাম্বীবা অমদি ইকাই-খুম্নজবিবা খোবিবোল শুবীবা শুবীবীবশিংনা ঐবু নুংশিবীদুনা অফবা তুংগী থৌশিল লমজিংবীবক্কনি থাজৈ, অশোযবা কয়া'মা চুমথোকপীবক্কনি নিংজৈ, মদুদা ইকোক থোঙনা নোল্লুক্না ইঞ্জগনি ।

ঐগী লাইবিক অসি খুৎই অমা ওইনা লৈবিঙৈ মনুংদা পাবদা নুংঙাইনবগীদমক পাউতাক পীবিখিবা নোহাখোলগী প্রসিদেন্টকী ফমসু

পুবীরিবা ঐগীদি ইবগী মরমদা লমজিং লমতাকপীবা কুঞ্জো নিঙোম্বা অমসুং মীয়াম্না থোইনা হেননা ক্রিতিক লোংজোম্বা হায়বগসু শকখঙনবা ডা. শবতচন্দ্র লোংজোম্বা, দি.এম. কলেজ আর্টস, মনিপুর দিপার্টমেন্টনসু সিলম পীবিখিবা লোইননা লাইরিক অসিবু চঙ চঙ লাওবা লাইবিক অমা ওইহন্নবগী পান্দম মখাপোন্না থবায় য়াওনা নম্নবগী থৌদাং চাওনা য়াবীখিবা আই.এস. টি.ভি. নিউজকী কম্প্যুটব ওপরেটর, ঐগী নুংশিজববা ইনাও ইবুংঙো থোইদিংজম শ্যামসন সিংহগী মফমদা মপোকসিমগী শিঙন্নবোইদবা লম্মন তোক্সিঞ্জবে।

ইবোপিশক লুন্নাং

ৱাহৈ খরদং

মৈত্রবাক্কী খোবিবোলদা তেনালীবু শক্তাকখিবদি 'তেনালী' হায়না কৌবা লাইবিক অসিবু ইবিবা ইবোপিশক লুৱাংনি । মহাক্না পুখোক্লিঙৈগী মমাংদা মৈতৈ লৈবাক অসিদা তেনালীগী মবমদা ইবা মপুং ফাবা লাইবিক অমতা পুখোকখিদ্রি । ইবোপিশক ফি তুবগা হিংনবগী শীনফম ওইবা মীশক অমনি । মহাক লুচিংবা ইবাবতকী তুংইনবা অমা ওইনসু হৌবকই । ফি তুবগী শীনফমদা লৈনা লৈনা মহাক্না ইবগী লম্বীদা চঙশিল্লকপনা মৈত্রবাক্কী নুতিগী চেফোং পোক্লফম, হুইয়েন লানপাউ, য়াকাইবোল, থৌদাং, মান্নবা অমসুং সনালৈবাকনচিংবদা মতম মতমগী সমাজগী ৱাখলগী কলম কয়া ফোংদোকখি । মহাক্কী ৱাবেংশিংদা তোল্ল তাববা নৈহৎপিববশিংগী মীচং চঙদুনা ওৎ-পি নৈবিবিবা শেঞ্জাও পাইবশিংগা শীংনৈ । মদুদা মহাক অকি তুজুং কবিসু পোক্তে । হিন্দীগী থাগী চেফোং 'মনোহৰ কহানিয়া' পাকবদগী তেনালীগী ৱাবী অসি খেংনকৄবদগী ইনিংবগী ৱাখল পোকপনি হায়না অইবা অসিনা ফোঙদোকই । মসিগী মমাঙদা মহাক্না 'তেনালীগী ৱায়েল' হায়না কৌবা ফজববা লাইবিক অমা ফোঙদোক্নুনা তেনালী কনানো হায়বা মশক তাকখ্রে ।

তেনালী হায়বসে বিজয়নগবগী নিংথৌ কৃষ্ণদেববায় (১৫০৯ - ১৫৩০) গী অচানবা মনাই অমা ওইবমই । মহাক অসি খা ভাবতকী বিববল হায়না খঙনৈ । মহাক্কী অঙকপা ফংলবা পাইবক্কী লৌশিংনা খা ভাবতকী মীপুম খুদিংমকপু ঙকহনখিবা লৌশিং লৈবা মীশক অমনি । মালেম অসিদা পোকখিবা পাইবক্কী লৌশিং লৈবা মীওই কয়াগী মবক্তা মহাকসু মফম চাউনা কন্দুনা লৈব্রবা মীশক অমনি । বিববলগী পাইবক্কী লৌশিংনা ভাবতপু য়েক্লবগী মখুত্তগী কনখিবগী ৱাবী কয়া ঙসিসু ময়েক্না

ইদুনা লৈবি। ফাগিগী নিংথৌ চার্লি চেপ্লিন্না পুন্সিগী খুদোংথীবা কয়া লাকপা মতমদা ফাগি তৌদুনা কৈদৌঙেদসু পুন্সিগী থাজবা থাদোক্লোইদবনি হায়না পাউজেল পীবন্মী। চার্লি চেপ্লিন্না মহাক্কী ফিল্মশিংদা নুপী অমগা তত্তনা লোয়নৈ, অৱাবা কয়াগা মায়োক্নে। খাঙবদা ৱাববা অৱাবশিংগী মবক্তা শিবসিবা হায়না খল্লকপা মিকুপ্তা, মহাক্না মহাক্কী লেয়নবীদা হায়, "কবিগী শিবা? হিংখিগদবনি অচৌবা আশাগা লোয়ননা।"

য়ুরোপকী লৌশিংগী পুকৈ ওইববা এইশোগ্না মমল য়াম্নবা পাউতাক ৱাবী কয়া মীপুম খুদিংদা লীবিবন্মী। মহাক্কী ৱাবীশিং পুন্সিদা তৌগদবা তৌবোইদবা থৌদাং কয়াবু ময়েক শেংনা তাক্লন্মী। ঙসিদি মীওইবা জাতিগী লন অমা ওইবে। নোহাখোলগী ১১০ শুবা লাইবিক ওইনা পুথোক্লিবা ইবোপিশক নুৱাংগী - খোর্জেই অসিনা তাইবংগী য়াইফবা পুবকপা ওইবসনু। অইবা অসিনা মতম শাংনা খোবিবোলগী থৌসিল তৌবা তাইবং মপুনা পীনবীসনু।

তাং ১৬।৪।২০১৩
লৈপাকপোকপা

কুঞ্জো নিংথৌজা
প্রসিদেন্ট
নোংচুপ হাবম খোর্জেই লুপ, য়ুরেম্বম

ব্রাহৌদোক

অৱাং ভাবত্তা বীরবলগী ফাগীগি ৱাবী মীয়াম্না পাম্না তানবগুম্না খা ভাবত্তসু তেনালীবামগী ৱাবী মমিং চৎলি। তেনালীবাম বিজয় নগব (হৌজিক্কী কর্নটক্কা) গী মথৌনা মবিংজেল লৈবা নিংথৌ কৃষ্ণদেববায়গী দববাবদা ফাগী তৌদুনা মীয়াম্না শকখঙবা অমা ওইনা অমসুং নিংথৌগী পুক্নিং নুংঙাইহনবা খক নত্তনা লৌশিংগী মতেং চাউনা পাংদুনা (১৫০৯-১৫২৯) চহি কুন হিংলম্মী।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় ভাবত্তা লৈঙাক্লম্বা অখন্নবা নিংথৌবেলশিংগী মবক্তা মহাকসু অমনি। মহাক লাইবিক য়াম্না হৈ, অমসুং অচুম্বা ৱায়েল পামজবা মতিক মঙাল লৈবা নিংথৌনি। লোইননা লান অঙকপা ফংনা হৈ। মহাক্কী লৈপাক্তা ধর্ম খুদিংমক্কী মী লৈ অমসুং মখোয় খুদিংমক্কা অফবা মবী লৈনৈ। মহাক ইশৈ য়াম্না পামজৈ। ইশৈ নোংমাই অমদি লাইয়েকপা কলাকাব পুম্নমক্কী চংজফম পী। কৃষ্ণদেব বায় মশামক্তা সংস্কৃৎ অমসুং তেলুগু লোলদা লাইবিক কয়ামকম ইবম্মী। লাইবিক হৈবা, অয়িবা অমসুং ৱায়েল্বশিংগী মফমদা মহাক্তা চাওনা থৌনা হাপ্পী। তেনালীবাম্নসু মহাক মশাগী হৈনজবা লৈতবা পোৎ অমবু ৱাখলনা শাগৎলগা খুদক্তা লৈহনবা ঙম্বগী লৌশিং অমসুং লাইবিক হৈবগী মবম্না মহাক্কী দববাবদা অচৌবা ফম্ফম ফংবা ঙমখি।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় য়াম্না শাউগল্লি। কয়াবক হন্না মহাক্তা শাউবদগী তেনালীবাম শিবগী চৈবাক পী, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী লৌশিংগী মপান্না চৈবাক খুদিংমক নাম্ছোক্তুনা হিংলকখি। তেনালীবাম গুংতুর জিলাগী গলীপাডু কৌবা খুঙ্গং অমদা পোকখি। অপোকপা মপা ইশ্বপ্রসাদ বমৈয়া তেনালীবাম্না পোকপা নুমিৎ হুম্নি শুবদা নোঙ্গাখি। তেনালীবামগী মাম্মানা

মহারাজ মচন অমসুং মমাক তেনালীদা পুদুনা লাকখি, মফম অসিদা মহাক য়োকখি। মবম অসিনা মহাক্কী মিং তেনালীবাম থোনখি। মহাক্কী অশেংবা মিং রামলিঙ্গ কৌবনি তৌইগুম্বসুং মমানা 'রাম' হায়না কৌই। চহি মঙা শুরকপদা তেনালী মীং চন্দুনা স্কুল কাহনখি। রাখল লৌশিং য়াম্না কৈ, তৌবতবু মতম লৈব খিবীক্তা করেম কথাইনদুনা অমা নত্রগা অমা থীদুনা ফাগি তৌবগী হৈনবী লৈ। মহাক্কী শুকপগী মতৌ অসিদা ওজাসু হায়কম তৌফম খঙলমদে। নোংমা মহাক্না ওজাগী ফম্ফমগী মখাদা লফোই অপংপা অমা থমজিল্লি। খঙদবদগী মদুগী মথক্তা ফমজিল্লুবদা ফি পুমতৈ তৈরে। তঙাইফদনা ওজা ইকজবা তাখি। ওজানা শাউদুনা তেনালীবাম মথক মখা ওন্না মখোংদা পুল্লগা উথক্তা য়াল্লি। মহাক্কী ওজানা মহাক্কী মাম্মদা নোংমা হায়খি, "মসিগী অঙাংসি হয়েং চাওউবল্লগা মহে হৈবা মী অমা ওইবক্কনি, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মহৈদি পাইবক্কী লৌশিং অমদি করেম কথাইনবগী ইরোলনুংদা লুপ্তুনা লৈগনি।"

রাম লিঙ্গ হৌজিক চহি তবামঙা শুবক্রে। মহাক্কী মাম্মসু নোক্লাম্রে। মহাক মশামক থবক শুনিংদে। মহাক্কী মমানা অফং অফংবা থবক শু নোমদুনা চবা অনি নোংমগী হেনহল্লমদে। কবি করিগুম্বা মতমদা মমা মচা অনিমক পুন্না হেনমিল্লবা য়াওই।

রামলিঙ্গনা কদায়দগীনো খঙদে, কোংশিন-কোংশিন্দুনা ওহ্মোক ওহ্মোকপা রাহে রাতা ঙাং শকুনা মশা নুংঙাইজবথক নত্তনা মীগী পুক্লিং নুংঙাইহল্লম্মী। ময়াম্না মাঙোন্দা শাউনিংবসু লৈ, মরমদি মহাক্না নোক্ল নোক্লা মীগী খোইদৌ শিকই। ওইনিংবতা ওইজরসনু রাম লিঙ্গনা শেম শাবা রাহৈগী ফাগী খুজংদসু তৌই অদুগা নিংথৌ কৃষ্ণদেবরায়গী দরবারদসু হৈনবী অসিদা মশাগী পুন্সি লোমখি।

য়াওফম তাকপা

হিরম	লমায়

অমুনবা খজুর

কুম অমা তেনালীদা কুমগী নোং মতম চানা চুবীবক্তবদগী কুম কাংবা পাম্থা হাযবদু থোক্কুনা অকিবগী মশক অমদা পাৎ, তুবেল খ্রক খ্রক কৎদুনা লৈক্রক লাওনা লাওনা চেকখায়বমই। তেনালীগী মীপুম খুদিংমক্না নোংমগী থক্ল চানবা ঈশিং খুজোক অমা ফংনবা হোৎনবদা অব্রাবা কয়াগী মতিক মায়োক্লবা তাবমই। লৈপাক মীয়াম ব্রাবগী পনখৈ থেংলমই। হৌজিক লৈপাক অসি কংবা য়াবা কংলে, মসিদগী মতম খজিক্তং চোঙবা থোক্লবদি হিংবগী পাম্বৈ মাংখ্রগনি। অসুম্না মীয়াম্না হায়নিংঙাই লৈতনা ব্রাববা অমসুং ব্রাবগী পনখৈ লোম্লবা তাঞ্জা য়ৌশিনলক্লবা পুংজা অসিদা তেনালীদা লাইনিংবা লম্বোইবা অমা লাকখি। মহাক্না কোনুংদা খোঙ হেক থাঙজিল্লকপগা ইবোইননা কদায়দগীনো ইখঙ খঙহৌদনা হৌজিক্তা পুম্নাং হাংনা লৈবম্বা অতিয়া মকোয় অসিদা মুশুক মুবা নোংদুম মপৈ-মপৈ পাইশিল্লকুনা অখাক অবাওগা লোয়ননা নোং ফুদিৎ-ফুখৈ হৈথবকই। মসিদা ওইবোইদবা ব্রাদা থব্রায় লুপচবা মীওই লাইনিংবশিংনা কবি হায়নৈ, 'মসি পুম্নমক ঐখোয় কোনুংদা লেঙশিম্বীবক্লিবা লম্বোইবা লাইনিংবা অসিগী থৌজালগী মহয়নি' ফবে, কবি অমুক তৌনবকই, মানা-মানা গুমজবা হৈ-লৈ, চেং থোইদিং, শঙ্গোম অসিনচিংবা লম্বোইবগী মনাক্তা পুনবক্লুনা লাইনিং-লাইশোল তিনশোল তৌদুনা কৎনরবৈ। মীয়াম হুপ্না চংদুনা লম্বোইবা লাই ওনহনবগী থৌদৌ কয়দা অসি উরগা তেনালীরাম লম্বোইবগী মনাক্তা চংলকই, অমসুং হংই, "তাকপিগনিদো পুকচেল চাওরবা ইবুংঙো, হৈজিং ফারবা, অমুনবা, মখোক লোয়ববা খজুর অসিগী মবাইবক ?"

লম্বোইবনা মহাক্না হংলিবা ৰাহং অসিগী নুংগী চেল্লিবা পাখোং খণ্ডলদুনা নোকই। লম্বোইবগী মনাক্তা ওমসিন্দুনা তিল্লিবা মীয়াম্না তেনালীনা হংলিবা ৰাহংগী ৰাহম্থোক লাম্বা ওমদবদগী তেনালীরামদা অমুক য়েং লম্বোইবদা অমুক ইওক ওক্না য়েংদুনা লৈবী। চৈবক অসিদা ময়াম মবক্তগী মী অমনা হায়বকই, "বামভাই, অদোম্না ওাংলিবা ৰা তাবদা ঐখোয় তশেংনা ৰাদবা ওমদে ।"

তেনালীবাম্না ইখি খিগংনা নোক্লগা হায়বকই, "শোয়রে শোয়বে, ৰাদু শোয়বে, হেবা সুমদৌবনি ইচিন-ইনাওশিং পুম্বা । ক্বাক অমখক পাইবক্লগা খজুর পাম্বীদা তোংলবগী ৰানিসে, খজুব পাম্বী অসিদা হৈজিং ফাববা অমুনবা মখোক লোয়ববা কেনগদবগী ওইদুনা লৈববা খজুব অমা পানবোইয়ে, তাঞ্জা অসিমক্তদা ক্বাক্না খজুব পাল্লিবা মশা অসিদা তোংলবগী ৰানি, অদুদা ওসাইগী খজুবদু কেল্লকপগী ৰানিদা। মসিদা উহৌবিবা মহাক অদুনা হায়গনি হায়ৰানিদা, মসিগী খজুর অসি মাগী ক্বাক অসিনা তোংবদগী কেল্লকপনি শোয়দনমক্কী হায়গনি হায়বগী ৰাফম্নিদা। খুদয় অমদা লম্বোইবা মানা কোনুং হেক লেংশিম্বীবকপগা চুদবা য়াদদনা চুবক্লগদবা নোংগা মপা-মপা চানরুদুনা নোং চুরকপা অসিদা মীয়াম্না লম্বোইবগী থৌজাল ফংলবনি পাউথোংবীবদুদা ঐনা মাঙোন্দা হংজবগী ৰানিদা, অমুনবা খজুবগী মরাইবক ?"

তেনালীরাম্না ওাংথোবক্লিবা ৰাঙাং তারগা তিল্লিবা মীয়াম্না মথোঙ-মরম ইখঙ-খঙদনা, মফম মরাং খঙদনা হৌ থাদুনা নোকই । লম্বোইবনা তেনালীরামদা য়েংলগা হায়রকই, "নহাক লৌশিং য়াম্না লৈবা মীশক্নি । নথৌনা লৈনা ইচং থৌনা নথৌ পাওথোকউ, নোংমদি শোয়দনমক্কী অদুগুম্বা মফম অমা য়ৌবা ওমগনি, মফম অদুদা নুংঙাইনবগী অৰাংপা লৈতবা, শেলগী অৰাংপা লৈতবা ।"

চঙশি শিবা

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না লৌশিং চাওবা অমসুং মতিক ময়ায় চেন্না মীওইশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা থমই হায়বসি তেনালীরাম্না তাবা ফংই। মহাক্কী রাখলদা নিংথৌগী মনাক্তা চৎলগা কবিগী লাইবক চাং য়েংলোইদবগে নিংলকই। য়াম্না লুবিবা রাফম অমনা মহাক কনানো শক্তাক চে অমা য়াওদনদি কবম্না নিংথৌগী মনাক্তা তরাইনা হেক্তা চৎলগা চাংয়েং য়েংবা ফংগদবসু নত্তে। মসিগীদমক মহাকপু নিংথৌগী মনাক্তা য়ৌনা পুশিন্নীবা ঙমগদবা য়াম্না মক ওইবা মীশক অমা ফংনবগী তাঞ্জা অদু থৌবাংনা ঙাইজবি। মীওইবনা ঙাইববু কল্লবদি মতম্নসু পীনবী। তেনালীরামগী অবাপ্পদা লৈবা নক্লবা মরী-মতা অমগী মচানুপী অমা মঙ্গম্মাদা লুহোংখি। লুহোংবা চহি অমগী মতুংদা মচা নিপা অমা তাইবং ফাওরকপগী নুংঙাইবা ফোংদোকপদা শকক য়াবা য়াওবা ওইনা তেনালীরামসু লাকখি। মতম অসিদা নিংথৌ কৃষ্ণদেবরায়গী রাজগুরু তেনালীগা নক্লনা লৈবা মঙ্গলগিবি কৌবা মফমদা লেঙবীবক্তুনা লৈবী। রামলিঙ্গনা মফম অসিদা লাক্লগা রাজগুরুগী পুক্লিং পেন্নবা পুকচেল শেংনা থৌগল তৌজবগা লোয়ননা মহাক্কী পুক্লিংগী অকবা থৌবাংনা ঙাইজরিবা রাবী পুম্নমক লীদুনা তাহজে। রাজগুরু মী শুন্না থোইদোক হেন্দোক্লা হৈ। মহাক্লা রামলিঙ্গবু থাগৎ থাগত্তুনা শিজিন্নে। মহাক্লা ঙাংবা রা থাজনবগীদমক লম-লম্মুক শাংগদবা রাশক য়াম্না তোয়না শকই। রামলিঙ্গ (তেনালীরাম) না রাজগুরুগী ওইদবা রাহৈশিং অদুবু তশেংনা থাজবা থমদুনা রাজগুরু মথ্থায় হুবাওনা লৈনবগীদমক অহিং নুংথিলনি হায়বা থমদনা থৌগল তৌজে। রাজগুরুনা ঙাংলিবা রাহৈশিং অসি মপান থোঙদদি ওন্থোক্লা ফজন্নবা থাজহন্নবগী রা

ঙাক্তনি, অদুম্নদি ওইরগা মহাক্কী নুংদদি কন্না চাক্লি । মহাক্লা কন্না খল্লি মদুদি অসুক য়াম্না নৌশিংসু লৈবা, অদুগীসু মথক্তা লাইবিক ফজনা হৈবা মসিগী মী অসিনা কবিগুম্বা দববাবদা লাকপা থোক্লবদি মহাক মশাগী মমল খংহন হন্থবক্কনি। মসি পুম্নমক খঙবা লৈরবসু মহাক্লা চৎলমদায়দা থাজবা পীবদুনা হায়, "কবিগুম্বা মতাং চাবা তাঞ্জা ফংলবদি ঐনা ইনিংথৌদা নহাকপু শক খঙহন্নবগীদমক শোয়দনা কৌহল্লগনি ।"

তেনালীরাম বাজগুরুনা হায়বম্বা ব্রা থাজবা থমদুনা বাজগুরুনা কৌবকপা য়াম্না কন্না খোয়বাংনা ঙাইজবি । তৌইগুম্বসুং কৌবা লাকপা মবৈত্রে, সুকলাক লাক্লে। মহাক্কী মকপ মপাংশিংনা ব্রাগি ব্রা ওইনা কবেম্নদুনা হংই, "কমদৌবে বামলিঙ্গ ভাই, হৌজিক ফাওবা চৎনবা নম্বো থাবো য়োমদ্রিদনা ?" কনামনা মখা তানা হংলকই, "ঐখোয়না তাবর্দাদি নহাকপু বিজয় নগবদা লাক্লবা থোইদোকপা দুৎ থাবকই হায়নৈদা ।" তেনালীনা পাউখুম পীবকই, "লাক্কনিদা মতমদো।" অদুম্নদি ওইবগা ব্রাহে অসি চুম্নগী হায়জবখক্তনি, পুক্লিংনদি বাজগুরুদা থাজবা মাঙখ্রে ।

তেনালীরাম্না মতম কুইনা বাজগুরুনা মহাকপু শোয়দনমক্কী বিজয়নগবদা কৌবকখিগনি খন্দুনা ঙাইজবনি । কাইনথংদা খল্লম্বা ব্রাখল পুম্নমক অবেম্বা ওইরে । পোলোই ওইনা মহাক্কী পুক্লিংদা কৌবকপা ঙাইবা তৌদনা বিজয়নগব চৎলগে চপ য়ুংনা লেপ্লে । মসিগীদমক মহাক্লা মহাক্কী য়ুম অমসুং য়ুমগী মপোৎ-মচৈ পুম্নমক অমতা থাক্তনা য়োম্বোক্লন্নগা মমা, নুপী অমসুং মচা পুরগা বিজয়নগবগীদমক খোঙশানলক্লে । চৎলিবা খোঙচৎ অসিদা করিগুম্বা মফম অমদা পোখাবা নত্রগা পম্বা থোক্লবদি মহাক্লা খরা পোংলপ তৌনা রাজগুরুগী মিং পন্দুনা হেক হেক হায়, "ঐ মহাক্কী শিষ্যনি ।"

মমাদা য়েংদুনা মহাক্লা হায়, "য়েংউ, তৌরিসি উবেদনা? ঐনা মফম খুদিংমক্তা বাজগুরুগী মিং পম্বদা তৌনবকখিবশিংদো । মীওইবগী মিং হায়বসিসু য়াম্নমক মরু ওই, অদুনা ঐসু ঐগী মিং ওম্বোকপা তারে ইনিংথৌ

কৃষ্ণদেব বায়গী মফমদা ইকাইখুম্ববা ফংনবগী এক ঐসু ঐগী মিংদা মহাক্কী মিংগী কৃষ্ণ নপশিনলগা গুসিদগী ঐগী মিং বামলিঙ্গ কৌবগী মহুত্তা রামকৃষ্ণ কৌবগনি ।”

“য়েংঙোই ইবুংঙো, ঐগীদমক্তদি মিং অনিমক চপ ইমান-মান্নে । ঐদি হৌজিকসু নহাকসে বাম অদুম্ব কৌগনি হান্নসু অদুম কৌদুনা লাকপনি।” মমানা হায়। কোডব্রীব কৌবা মফম অমদা তেনালীবামগা মফম অদুগী দিস্ত্রিক প্রমুখগা থেংনখি। মহাক অসি বিজয় নগবগী প্রধান মন্ত্রীগা নক্লবা মবী থোক্লে। মহাক্তা অসুম্না তাকই, ঐখোযগী ইনিংথৌ মতিক ময়ায় চাওবনি, লাইবিক লাইসু য়াম্না হৈ লোয়ননা য়াম্নসু পীনবে, অদুমক্তদি ওইবগা কবি কবিংগা মতমদা বং শাউদুনা মীগী গুক কোক তোঙান তোঙান তাহল্লি।

“মীওইবা মপোক্তা পোক্লগা তাইবং মীওইবনা মহাক মশাদা মখল কয়ামকমগী খুদোংথীবা নংলবদা মদুগী মমল মলতিক্লবা গুমদ্রিবা ফাওবদি মহাক্কী পুন্সি মায় পাকপা গুমদ্রি হায়না লৌগনি। ঐনা ঐগী ইঙক কঞ্জবা গুমগনি ।”

তেনালীবাম্না ফোংদোক্লিবা বাফম অসি মশানা মশাবু থাজবা থমদুনা ফোংদোকচবকপনি । প্রমুখনা মাঙোন্দা মসিমসু তাকপী, প্রধান মন্ত্রিসু মতিক ময়ায় চেনবা মীশক্লি, মীঙোন্দা খুদোল পীগন্বা মীওই অমনি। অসুক য়াম্না থৌজাল লৈববসু মহাক মশাগী মতেং মশানা পাংবা গুম্নবগী পাম্বে থীবা গুমজদ্রবা অদুগুম্বা মীওইশিংগীদমক্তদি মফম অদুদা চন্নফম লৈতে ।

সাংলবা থা মবিগী খোঙচৎ চৎলবা মতুংদা তেনালীবাম মহাক্কী মমা মচাগা পুন্না বিজয় নগব থুংলখি। মফম অদুগী শৃৎ নাম্না ইরংলংনা ফজবগী মতৌ উবগা মিংনা থক্লা ইঙক গুকপা পোকই। অচৌবা অপাকপা লম্বেল, মদুদসু মীনা চিক্ল, চাইন গুমদনা ক্রীক ক্রীক ইন্ননা চৎলি। মসিগী মথক্তা অমুকসু শগোল, শামু, মিৎ থক্লা ফজববা অচৌ অচৌবা দুকানশিং অমসুং অতিয়া পক্লা বাংলবা ফুরা দলালশিং পুন্নমক মখোয়গীদমক্তদি

পুন্সিদা ইনৌ নৌনা থেংনবা উবা গোংশক ঙাক্তনি ।

মফম অসিদা মথোয় মতম খবা পন্দুনা লৈনবগীদমক মফম অসিদা লৈবা য়ুম্বু অমদা হায়জরগা মহাক্কী মমা, নুপী অঙাং শিন্নরম্লগা মহাক রাজগুরুগী মনাক্তা চংপা থোক্লকই । মফম অসিদা মী হায়নিংঙাই লৈতনা ক্রিক ক্রিক ইন্ননা চিনলম্মী । নিংথৌ কোনুংগী অচৌ অচৌবা শক্লাইববা ফম্মাই তুনাইবদগী হৌবগা ফিশু ফিজাম, চাকথোংবা ফাওবনা তিনলমই। কনানা রাজগুরুদা মশা শক্তাকচনবা লাকই, কনা অমনা মশানা মশাবু থাগৎচবা । মনাই মশন মবোন-মরোন । চিল্লবা মীবক অসিদা তেনালীবাম হুৎচিন্দুনা চংম্লগা রাজগুরুগী মনাই অমদা তেনালীরাম কৌবা মী অমা লাকই হায়দুনা রাজগুরুদা তম্বীয়ু, থাখি ।

মনাই হূম্ল্লরুগা তল্লবে, “বাজগুরুনা হায়বকই, মহাক্তি মিং অদু কৌবা মী অমতা খঙবা লৈতে ।”

তেনালীবাম চাওনা শাগৎচবরুবা বাখলগী মঙলান পুমচায় চায়খি, লৈজবা লৌশিং ঙাইহাক্কী ওইনা মাঙখি । মহাক্লা শাউবংননা মনাইশিং থক থক ইম্থোক্লম্লগা রাজগুরুগী মনাক য়ৌনবা গম-গম খোঙ থাংজিনলকই, “রাজগুরু অদোম্মা ঐবু শক খঙবীদ্রে ? ঐ রামলিঙ্গনি, মহাক অদুনা মঙ্গলগিবিদা অদোমগী থৌগল তৌজখিবা নিংশিংবীদ্রে ।”

ফবে, রাজগুরুনা কবিবু খন্দুনা মহাকপু শক খঙনিংলুখিগনি । মহাক্লা শংগৎলদুনা হায়বকই, “কদায়দগী মীনো মসিবু ঐ মশক খঙদে মপান্দা তাম্থোকখো ।”

মনাইশিংনা তেনালীবাম ইন ইন্দুনা মপান্দা তাম্থোবক্লে । তৌবিবা মতৌদু উরগা তিল্লিবা মীয়াম্মা খোল হৌনা কন্না ফাক-ফাক নোক্লে । মহাক্ল মতৌ অসুম্মা করিগুম্বা মতম অমদসু অসুক শাথীনা ইকাইবা নংখিদ্রি । শহর মচাশিংগী লৈপাক মচা তাদবা চণ্ডখৎতবগী লমচং মহাক্কীদমক্তদি মসিনা ইহান হান্না থেংনবনি ।

মহাক্কী পুক্লিংদা রাজগুরুনা তৌবীমলগী মহুত্তা ইকাইবা পীবা

অসিগী লম্মন মতিক চাবা চপ-চানা শিংগনি হায়না চপ য়ুংনা লেপ্লে । মসি ওয়্নবগী পান্নে অমনা অহাল্লমক্তদা ইনিংথৌগী থম্মোয় শুঙ্কাংপা ওয়্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়বসিমসু মহাক্না অচেৎপা ফিবেপ লৌবমই।

মথংগী নুমিত্তা মহাক বাজদববাব কাবকই। দববারদা ব্রাহ্মৌ অমগী মবমদা পাম্না কপ্পা মবৈ য়েংনদুনা লৈবম্লা উবকই। তাইবং মালেম অসি কবিনো ? পুন্সি হায়বসিনা কবি ? মসিগুম্বগী মরমগী অচৌবা অকবা ইবিমদা মবৈ য়েংননি । পণ্ডিৎ অমনা মহাক্না নিংলিবা ব্রাখল ময়ামদা ফোংদোক্লদুনা হায়, "তাইবং মালেম অসি লৌনম্বা অমনি, ঐখোয়না উবি-তাবিবা অমসুং মদু শিজিন্নদুনা খণ্ডবা ওন্লিবা, মহাও তংদুনা নত্রগা মনম মশক খণ্ডলিবা, মদু তশেংনমক্কী ঐখোয়না খঞ্জবখক্তনি, থাজশেংনমক্কীদি পুম্নমক অসি কবিসু অমতা নত্তে, তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না খল্লিবা. মসিদি তশেং তশেংলবনি ।"

"কবি তশেং তশেংবা অচুম্বা হায়বদু অদুম্না তৌনব্রা?" তেনালীবাম্না কবেম কথাইনবগী মওংদা হায়বকই ।

"ব্রাফম অসি ঐখোয়গী শাস্ত্রদসু পল্লি," পণ্ডিৎ নাপল তৌনা হায়বকই, তিল্লিবা মীয়াম পুম্নমক ব্রা মচেৎ অমতা ওাংনদে তুমিন তুমিন ফল্লি । শাস্ত্রনা পল্লিবা ব্রাফম অসিবু কবম্না কনানা লাল্লি হায়না ককপগী মতিক লৈ ? অদুম্নদি ওইবগা তেনালীরামদি শাস্ত্রদগীসু অমুক হেন্দোক্না মহাক মশাগী লৌশিংদা হেন্না লুম্না থাজবা থমই । মহাক্না তিল্লিবা মীয়াম মাংদা হায়বকই, "অমুক্তসু পণ্ডিতজীনা মসিদগী হেন্না অচুম্বা লৈত্রে হায়না খম্বীবিবা ব্রাখল ফোংদোকপীবে । অদুগী ব্রাদু য়ৌবক্লবদি ঐখোয়না অমুক পণ্ডিৎজীগী ব্রাফম অদু ওইবা য়াব্রা হায়বদু ব্রাখল থিংজিন্বা তারক্লি ? ঐনা ওসি ময়ামগী মাংদা থমজনিংলিবা ব্রাফমদি ঐখোয়না হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়গী থৌজাল হৈবা পীনহৈবা ইনিংথৌগী থৌজাল মখাদা থৌজালবীদুনা পুন্সি অসি হিংজনবগী থোইদোকপা মবাং কায়না ফংজবি অমসুং পুম্নমকসু ফংমিন্নরি, পুম্নমক অসিবু ঐখোয়না খণ্ডশিন-উশিন্নদবা

তারক্লিব্রা ? ঐনা পণ্ডিৎজীগী মফমদা ইকোক অসি নোঞ্জরি, অদোম লেঙশিন্নবি, ফমফমলাংদা ঙানথোইবীরি অমসুং ৱাখল খন্নীদুনা মীয়ামদা য়োইহন্নীরি । অদোম্মসু চবীরিদনা ?”

তেনালীবামগী ৱা তাবগা তিল্লিবা মী ময়াম পুম্নমক অমতা ওইনা হৌনা নোকই । পণ্ডিৎজিগী মায়থোং মওং অমদা শৎ ণনখি ।

নিংথৌনা তেনালীবাম য়েংলগা হায়ফম খঙদনা হবাওখি, হবাওমনখিদুনা সনাগী শেনয়েক হাপ্পা শেনপাক অমা খুদোল তৌবগা লোয়ননা খুদক্তা মহাকপু বাজবিদুষক (নিংথৌগী পুক্রিং হবাওহন্নবা ফাগিগী মী) অমা ওইনা থবক হাপখি । ময়াম্না খুবাক প্রোক প্রোক খুদুনা ইনিংথৌনা ময়ামগী মাংদা লাওথোকখিবা নুংঙাইবা পাউজেল অদুবু তবাম্না ওকখি । ময়ামদুগী মনুংদা বাজগুকসু য়াওবি ।



লম্মন খুন্বা

তেনালীবাম্না বাজগুরুগী তৌবীমল মশক খণ্ডদবগী লমচৎ মাগী ব্রাখলদগী লাপথোকখ্রো কৌবা য়াবা লৈখিদে । মহাক্কী পুক্রিংদা তুমিন্না নোংমা নত্রগা নোংমদি সুকশোয় শোয়দনমক্কী মহাক্লদি হেলহল্লবোই কোকথোক্লগে পুক্রিংদা চপ য়ুংনা লেপ্পমই । মসিগীদমক মহাক্লা অচেংবা খুদোংচাগদবা তাঞ্জা লুমদুনা ঙাইবি ।

বাজগুরু নুমিৎ খুদিংগী অয়ুক ঙস্তা পুং মবি তাবা মতমদা হৌগৎলগা খোঙনা মাইল অহুম লাপ্পা লৈবা তুঙ্গভদ্রা তুবেলদা ইকজবা চৎলি হায়বসি মহাক্লা খঙবা ঙন্নকই ।

মসিগী তাঞ্জা লৌদুনা তেনালীবাম নোংমা অয়ুক ঙস্তা হৌগৎলগা বাজগুরুনা য়ৌবক্লিঙৈ মাংজৌননা চৎলগা মফম অমদা লোত্তুনা লৈবমই । হৌজিক বাজগুরু তুবেল খোংনুংদা কুমথবগা ইকজবি । ইকজবমদাইদা লৌথোক্লগা থন্নম্বা মহাক্কী ফিবোল পুম্নমক তেনালীবাম্না লোৎশিন্দুনা থম্মী । বাজগুরু ইকজবা লোইবদুনা কাখৎলকপদা মহাক্কী ফিবোল অমতা লৈবা উদ্রে । মহাক্কী ফি থন্নম্বা মফম অদুদা ফিগী মহুৎ তেনালীবাম লেপ্তুনা লৈবম্বা উবকই, মাঙোন্দা হংই,

"বামলিঙ্গ ঐগী ফি কদায় চৎখ্রে ?"

"ওঃ ! অদুদি অদোম ঐগী মিং কাওবীদ্রি ?" তেনালীবাম্না হায়বকই ।

"ঐগী ফিশিংদুবু হায়বানি... ?"

"ফি হায়বা ? কবম্বা ফি ? ঐদি করিমত্তা খঙজ-লাকচদেদা ।"

"নঙনা হায়নিংবা অমা হেক্তা হায়জরো, নঙনা হায়বদু ঐ য়াবগে । ঐগী

ফি অদুখক্তদি ঐঙোন্দা পীরো ।"

"ঐনা অমা হেক্তা হায়বদা য়াবে ?"

"হোয় হোয় ঐ য়াবে ।"

"অদু ওইরবদি ঐসি অদোমগী লেংজুমদা তোংহল্লগা কোনুংগী শুমাং ফাওবা য়ৌনা পুবা তাবা। হায়য়ু, য়াবে ?"

"হোয় য়াবে," অতোপ্পা লম্বেল অমা উবা ফংদবদগী বাজগুক খোল ইশি শিনা খুন্নকই ।

তেনালীবাম্না য়া লৈখায় তানববদা ফি পীবে । ফি শেৎচিল্লবা মতুং হায়দোকখিবা য়া ঙাক্তবা য়াদবা, চেন্দুনা হিংগদবা লৈতবনা তেনালীবাম মহাক্কী লেংজুমদা মখোং অনি ফাক্লগা তোংহল্লগা কোনুং মায়কৈ পাংলক্লে । অসুম্না লাকপনা কৌনুং য়ৌশিল্লকপদা তৌবিবা অঙকপা মতৌদু উবগা অউবা মী খুদিংমক্না খুবাক খুব খুবদুনা নোক নোক্কুনা মতুং ইন্নবকই। তেনালীবাম্নসু বাগুকগী লেংজুমদা মখোং ফাক্না ফম্নগা মখুৎ অনিনা বাজগুকগী মকোক পায়বগা অয়েংবা মীশিংদা মমিৎও মনাও, মখুৎও-মশাও ফাগি তৌশিল্লি । মীয়াম্ হৌদুনা লাংদুনা লাকপগী মখোল তাবদগী নিংথৌ মহাক্কী কাদগী মপান থোবক্লগা মাঙ্গোন্দা লেপ্তুনা য়েংলুবদা বাজগুকনা তেনালীবামবু মবেংবান্দা তোংহল্লগা লাকপদু খংউ উবকই । বাজগুক ইকাইবনা মক লুকথনা চৎলি অমুকসু য়াবনসু মশা হুম্নাংনা পুমলুপ লুপ্লে । তেনালীবামদি ওম্হোক্না নুংঙাইনা বাগুকদা তোংলগা থিক থিক নোক্লি ।

বাজগুকনা ইকাইবগী মতৌ লোয়ননা অন্নাবগী ফিভম উবগা নিংথৌ মৈ হৌখে শাউনিংলকই । মহাক্না মহাক্কী ঙাকশেন মী অনিদা হায়বকই, "উবন্না লাক্লিবসে, মী অমনা মী অমা মথক্তা ফমহল্লগা লাক্লিবসে, মথক্তা ফম্লিবা মী অসে চিংথবগা থিৎলু অদুগা মহাকপু থাংদুনা পুবক্লিবা মী অসিবুনা ঐগী ইনাক্তা পুবক্কদবনি ।" সোমদা নিংথৌনা মহাক্কী ঙাকশেন মী অনি কৌশিনখিবগী মওং অদু খঙলদুনা তেনালীবামনা পম্বা তৌদনা

বাজগুরুগী লেংজুমদগী শৎ নাঙ্গ্বরগা বাজগুরুগী খোঙ কোন্দুনা খুরুমই ।

"বাজগুরুজী, ঐনা অদোমগী মফমদা তৌবিবা মর্তৌসবু কবি মতৌনো ? খঙদে ঐগী কোকসি পেং চোইবা হায়বদু ওইবমান্নে ? অদোমগুম্বা মতিক মঙাল লৈবা মীশক অমগী মফমদা অসুক শাথীনা ফত্তবা লমচৎ ঐবু অমুক্তংদি ঙাকপীয়ু বাজগুরুজী । অদোমদি হায়নিংঙাই লৈতনা পুকচেল চাওবা মীশক্নি । ঐনা অদোমগী মফমদা লংজব্বা ইবাল কোক্লবা পাম্নে অমখক্তং নৈ, ঐনা মদু পাংথোকচনিংই, হৌজিক্তি ঐঙোন্দা নুংঙাইনা তোংবীবো, ঐ অদোমগী থৌগল তৌজবগে।" ব্রাহে অসি মপুং ফানা হায়বা লৌইবম লোইফাত্তনা খুকউ খুদক দক কুল্লগা রাজগুরু নমদুনা তোংহল্লি। খোঙকাপ অমা অনি থাঙম থাংফাত্তি, নিংথৌগী মনাই ঙাকশেন মী অনি খুথক্তা মনাক্তা য়ৌশিনলকই, ব্রাহং পাউহং তৌদনা তোংলিবা মী অদু চিংথবগা ফজনা থিংলে অদুগা অমুক মী থাংদুনা পুবিবা মীশক অদু নিংথৌগী মনাক্তা পুবকই ।

বাজগুরু ব্রাবা য়াবা তপ তানা ব্রাকববা মতুং অমুক চৈসু ফজনা নিংথিজনা হাবে । মহাক তৌবিবা মতৌ অসি কবি নৈ করিমত্তা খঙবা ঙমজদে । নিংথৌগী মনাক্তা মনাই ঙাকশেনমী অনিনা তেনালীবাম নিংথৌগী মনাক্তা ইবেন্না পুদুনা চংলকই । তেনালীবামগী মশক উবদা নিংথৌ ইঙক ঙক্লা য়েংই, "মসিগী মী অসি সিদা কবিগী পুবক্নি ? ঐনা হায়বদি মসিগী মী অসি থিংলু-শানথৌ হায়বনি । অতোপ্পা মী অদুনা কদায়দা লৈহৌবে, মসিগী মীসি লেংবান্দা তোংহল্লগা পুবকপদো ?"

"ইনিংথৌ ইবুঙো, অদোমগী য়াথং তুংইন্না লেংবান্দা ফল্লিবা মীদু শানথজবনি অদুগা তোংলিবা মীদুবু পুদুনা চৎলিবা মী অদু ইনিংথৌগী নাক্তা পুবক্কদবনি হায়বিখি । ননাই ঐখোয়না ইনিংথৌগী য়াথং ঙাকচবনি ।" মনাই অনিনা কোক নোন্না হায়জে ।

"করি হায়বা ? মসিগী মী অসিনা লৈহৌবিবা মী অদুবু পুবকই হায়বা ? নখোয়দা শানথৌ হায়বা মী অসিবুনা ঐগী নাক্তা পুবক্লবা ?" নিংথৌনা

ঙক্লা হংই ।

"মানি অহোয় ইনিংথৌ ।" মনাই অনিনা খুমই ।

"ওহ : মসিগী মী অসি য়াম্না মরৈ মবা হে । মসিনা ঐগী য়াথং মহাক্না হায়্নরা য়াখলনা লাম্বা শোয়দনমক্কী ফংবা ওইবিগনি ।" নিংথৌ কৃষ্ণদেববায় শাউনিংমনখিবদগী মমায় মমিৎ ইচপমুক ঙাংসং ঙাংশিল্লকই, শাউনা ঙংদুনা হায়রকই, "মসিগী মী অসি মীহাৎফমদা পুথ্রো চৎলু হাপ্তোক্কুবো । হাৎলে খঙনবা ঈ তৈবা থাংশাং অদু ঙাক শেন লুচিংবদা উৎকদবনি । শক অসিনসু বাজগুরুগী মথক্তা তোংবা ওন্নদনা ইকাইবসু খঙদে, মসিদসু নত্রি চৈ-শু তপ তানা চাহল্লে । থিন্দনা পুখ্রো চৎলু মসি ।" তৌনবিব্রা থবক থোকফম অসিদা দববাবী অনিমসু লেপ্পুনা লৈরম্মী । মখোয়না বাজগুরুগী মফমদা থোক্লিবা থৌদোক অসিগীদমক মপান থোংদদি য়াম্না নুংঙাইতবা শাশিন্নদুনা শুকখৈ । তশেংনমক্কীদি তুংদা মীগী ফত্তবা য়া ঙাংবা রাজগুরু কনামত্তনা অশেংবা অমা ওইনা য়ামীন্নবগী শকক য়ানিংদে ।



হিসাব চপ মান্নবা

নিংথৌগী ঙাকশেন অনিনা তেনালীবাম মখোয় অনিগী ময়াইদা চপ্তুনা পুবি অমসুং মখোয়গী মতুংদা দববারী অনিমসু তুংইন্নবি । মখোয়না তেনালীবামগী মচিন্দগী বাজগুরুগী মফমদা থাজবা থম্বা য়াদবগী বাবী ফজনা তাবা ফংলে । তেনাবাম্না থম্মোয় শেংনা নোঙ্গুক্লা কবিনো পান্নে অমা তৌবীদুনা' মখোয়না থবায়দদি কনবীয়ু তক্লবর্ম্মী । মখোয়না তেনালীবাম্না হায়জবিবা বাফম অদু খজিক য়ানিংবগী মতৌ উৎলকপা ফংবগা নিংথৌনা মাঙোন্দা খুদোল তন্নকখিবা সনাগী শেনফম অদুদগী শেয়েক তবা তবা ঙাকশেন অনিগী খুত্তা পীরগা বাশকই, ঐ শহ্ব অসি থাদোক্নুনা চৎচত্রগে।

মতৌ অসুম্না মখোয়গী মখুত্তগী হেক নাম্লোকপা ফংবগা য়াম্না থুনমক ময়ুমদা হল্লকই অমসুং লোৎখি । সোমদনা ঙাকশেন অনিনা মখোয়গী থাংশাংনা হমেং লাবা অমা কল্লগা ঈ তৈবা থাংশাং পুবক্নুনা মখোয়গী লুচিংবগী মাংদা উহনখি । লুচিংবনা অমুক নিংথৌগী মফমদা মখোয়না ইনিংথৌগী য়াথং পাংথোক্নে হায়দুনা পাউ তন্নুরে ।

মথংগী নুমিত্তা তেনালীবাম্না মমা অমসুং মাগী নুপীদা ইনশিন্দুনা নিংথৌগী মনাক্তা থাখি । মমা অমসুং মাগী নুপীনা নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লগা কপ্লগা লাওবগা খোংবগা তেংথা নাউওইনদুনা কপ্পী ।

"করি তৌবে, নখোয় কবিগী কপ্পি ?" নিংথৌনা হংই ।

"ইনিংথৌ, কবিসু লৈতবা মরাল অমগীদমক ননাই ঐগী ইচানিপা তেনালীরাম শিবগী চৈরাক পীবিব্রে । মহাক্লা তাইবং অসি থাদোক্নুনা চৎত্রবা কৌবনিনা ঐগীদমক্তদি অহল ওইরক্লবা মতম অসিদা ঐগী ইতেং

মুনবীথ্রে । করি অমুক লৈবী ঐগী ।" তেংথাদুনা ব্বাকৎচৈ তেনালীবামগী মমানা ।

"ঐগী ইপুবোইবা, ঐগী পিল্লিবা অঙাংগী মপা হৌজিক্তি লৈত্রে। হৌজিকপু মীবমদম অসিদা ইমা-ইচাগী মতেং কনা লাত্তুনা পাংবীববগনি ?" হিক হিক কপ্লি তেনালীগী নুপীসু ।

ইনিংথৌ তাবা হৈবা গুন্নক্তে মখোয়গী ব্বাকৎ, মীনুংশি পোক্লক্লে মখোয়গী মফমদা, য়াথং তৌবকই, "মখোয়দা থা খুদিংগী সনাগী শেন ১০ পীখো, মদুনা মখোয়গী ইম্নুং মনুংগী পুক পুজনবগীদমক ।" মমা অমসুং মাগী নুপীনা কোনুংদগী হল্লক্লগা পাউ পুন্নমক অমতা চিংখদনা তেনালীবামগী মফমদা ব্বাবী তন্লে ।

তেনালীবান্না নোক্লগা হায়, ঐনা ঐগী থব্বায় কঞ্জনবগীদমক সনাগী শেনয়েক ২০ ইনিংথৌগী ঙাকশেন অনিদা পীখি, মদু হৌজিক্তি থা অনিদা শোয়দনমক্কী হঞ্জিনলগনি । ঐ হৌজিক কবিসু মাংনিংঙাই লৈত্রে চপ মান্নবে কোক্লবে ।

~ ❀ ~

ব্রহ্ম রাক্ষস

তেনালীবাম শিবগী চৈবাক ফংখিবগী পাউ মায়কৈ শীন্বা থুংনা শন্দোকখি । তেনালীবাম হিংদুনা লৈবী, অমসুং ময়ুমদা লোত্তুনা লৈ হায়বসিমসু কনা অমতনসু খঙবা ঙম্লদে। শহর অকোইবগী মীশিংনা অমগা অমগা ওনশিন্না অমসুং মী অমা অনি অহুম তিল্লবসু অতৈগী ব্বা ঙাংনদে, চিবোন চিবোন ঙাংনৈ, কবিসু লৈতবা মবাল অমগীদমক অসুক চাওথ্রবা চৈবাক হকমল্লি ?

তোকঙা ঙাংনগনবা মীনা অসুম্বাইনা ঙাংনৈ, পেন্দ্রবা বামোনগী থব্বায়না হিংচাবা ওল্লগা মফম মবাং খঙদনা ককঙাওনদুনা চত্তুনা লৈবে। লংজখিবা মবাল কোকথোক চামথোক্লবা কবিনো পাম্বৈ অমদি থীবা ফৈ। শন্দোবক্লিবা তোকঙাগী ব্বাফম অসি বানী অনিগী নাকোং য়ৌবকখি । মখোয় থাঙ্গৈশেংনমক্কী য়াম্না কিজবা পোকই । বানী অনিনা নিংথৌগী মফমদা মহাক্না তৌজখিবা মবাল কোকচনবগীদমক কবি কবম্বা পাম্বৈ লৈবগে খবা মখৈ থীবদি ফৈ হায়দুনা নিংশিংজৈ । তাবিবা পাউ অসিমক্তনা হায়ফম তৌফম খঙদনা পুক্লিং লৈতাফম লৈত্রবা ইনিংথৌনা মখোয়গী বাজগুক অমসুং লৈপাক অদুদগী খনগৎলবা বামন ১৬০ (চাম্মা হুম্ফু) দা তেনালীবামগী থব্বায়না লাইবমলেনদা হনখিদুনা তংদু লৈতা লৈজকনবগীদমক তাইবং শেন্বা মপু মাগী মফমদা লাইথৌ খুকমজনবগী য়াথং তৌখি। কল্লক মীহৌ চাওবা বাজগুক লোয়ননা বামনশিংদি অসিগুম্বা তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈবিবনি। তাঞ্জা ফংলবদা ওইদ পাদগী লাং থাকপা হায়বসি মখোয়গী অচৌবা নিংজবা অমনি । মখোয়না কবিবু হেন্না পামগনি লেমলৌ নত্তুনা ? তৌগদৌবিবা লাইথৌ অসি কোনুংগী মপান্দা হৌবা অচৌবা

খোঙনাং পাম্বী অমগী মখোঙদা থৌনিবগী থৌবম পাংথোকপদা মফম চাবে হায়না লেপ্লে । হায়বিবা মফম অসি শিবগী চৈবাক ফংলবশিংগী মীহাৎপুংনি । হায়নবিবা পাউ অসি তেনালীবামগী নাকোং য়ৌবম্মী । মহাক্না লাইথৌ পাংথোক্কদবা নুমিৎ অসিগী নুমিৎ তাদ্রিঙৈগী মাংওইননা লোন্না চৎলগা উথক্তা কাখৎলগা লোত্তুনা লৈ । মহাক্কী মশা মমায় মমিৎ পুম্নমক সুনু য়াইঙং, হমোক-হানাই চাওবাং চাওবাং তৈশিল্লি, বামোন্না ওনবা হিংচাবা শাদুনা লৈবে । হৌজিক নুমিৎ ময়ুম চংখিদুনা মমশিল্লক্লে । মফম অসিদা বামোন ময়াম পুন্না হৌদুনা লাক্লগা থুংলবে । লাইগী লাইথৌ থৌনি থৌবম পাংথোক্লবগী মৈ লাৎননবা শিংতেক শিংনাংনচিংবা মৈ লাৎপদা চংগদবা মচাক পুম্নমক হাপ্লগা মৈ হৌগৎলে । মৈ হৌবিবা অদুগী অকোইবদা বামোন ময়াম খোঙগ্রাই তানা ফমই অমুক মখোয় মখোয়গী মচিনদা চিনফা পুবা লাইব্রা লাইশোল মানা মানা থোকপা তিনশোল ব্রং ব্রং থীনবি । মখোয় ময়ামগী মচিন্দগী পাইথোবকপা লাইশোল তিনশোলগী খোঞ্জেলনা মফম অদু ওম্বোকপা মখল অমদা পুমনিল নিল্লি । পাংথোক্লিবা থৌবম অসি কবিসু নত্তবা তৌশিন্নবা তাৎ অমা ওইবনা মখোয়না পাল্লিবসি অতৈ কবিসু নত্তে, য়াম্না থুনা লোইশিল্লগা ময়ুম ময়ুম হনবা পাম্বনি । শোল্লবা কৌবনিনা মান্ননবা হায়দুনা তেনালীবামগী থব্রায় কৌবকই,

"হাই-হাই তাবিব্রা তেনালীরামগী থব্রায়না ওনবা হিংচাবা ...।"

"হাউ" খুম্নক্লে । থাজদনা খুম্নকপা তাবদগী বামোন ময়ামদু মমিৎ মনা চপ য়ুংই, ইথক থক্কত্তুনা নাকোং থাঙ্গৎতুনা তানবা হোৎনৈ । কিবজবনসু লোইবে, হায়নিংঙাই লৈতে, মশা অদু খজিক ফাওবা হেক লেংজবা কিজৈ। বামোন ময়াম মবক্তগী খবা কা হেন্না কিগনবা বামোন অমনা মশা থক থক নিক্লা শোম্বাংননা হায়বকই, "লোইবেদনা তৌরিবা মতৌ অসিদি, থব্রায়নবু তশেংনা খুম্নক্লেনে, ঐখোয়দি সুম্মাইনা তৌবক্কনি কনানা খঙগনি ।"

ইখঙ খঙহৌদনা অঙকপা অকিবা খোঞ্জেল অমগা লোয়ননা

চাওরাং চাওবাং লাংবা অকিবগী মশক ফংলবা শক্তম অমা শারগা তেনালীরাম উথক্তগী জব জরববব শিথরকই। ফিভম অসি উব-গী বামোন ময়াম ফুক ফুক হৌগৎনদুনা ঐতগী থবায় হিংলগা লো.্বে খন্নদুনা মহৈ মহৈ ক্রোংচাক য়ুংখৈ চেন্নখি। চেল্লিবা ময়াম অসিগী খ্বায় পুম্নমক্কী বাজগুরুনা মাং ইথা থাই।

তশেংনা হায়বা তাববদি মখোয়না পাল্লিবসি অতৈ অমা কবিসু নত্তে হায়বদি ইবাৎ থৌনিগী পোৎলম-শীনলম, শীন লাংলগা শেল হাইহৎপা অদুখক্তবু ওইবে। মখোয়না কবিগুম্বদসু থাঙ্গেহেক শেংনমক্কী তেনালীবামগী থবাযনা হিংচবা ওল্লমগনি হায়বসিমদি সুকথা থাজখিদে।

বামোন ময়াম চেল্লক্লুনা তন্নবা পাউ তাবগা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় খাঙবা ব্রাবমান্নে কন্না নোক্লকই, 'নখোয়নদি নতিক নপা চাই চাদে, ঙমগনি ঙল্লোই ইখঙ হেক খঙদনা ব্রাজাওনা ঙাংলিবা অদুগা তম্নলাই অদুবুদি কিবি হায়বা, ঐনা নখোয়বু মাগী হিংচাবদু তাম্বোকম্রো হায়ব্রানি অদুগা কিদুনা চেল্লঅবা।" বামোন ময়াম কবি তৌনি মক লুকথদুনা তুমিন তুমিন উচুক্কুম্না চপ য়ুংনা লেপ্পুনা লৈনৈ।

"মসিদা য়াম্না নুংঙাইবিবা ব্রা অমনা ঐদি বামন্না ওল্লি হায়বিবা হিংচাবদু উদ্রি। নখোয় খক্তনা উবা ফংজবনি" নিংথৌনা হায়, "ওইনিংবা অমা ওইজরসনু, হৌজিক মসিগী হিংচাবা অসে লৈহন্দবা, তাম্বোকপা ঙম্বা মী অদুদা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা পীগনি।"

তেনালীবাম্না বাজগুক অমসুং বামোন ময়াম্না তৌশিন্নখিবা তাৎ ময়াম অদু হকথেংননা মিৎনা শঙ-শঙ উহৌদুনা অমাঙবা ফাওবা খঙদোকহৌবে।

~*~

নিংথৌগী দরবারদা

নিংথৌনা লাউথোকপ্লবা নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা মকোই-মবাং উবোক্তুম্না পুমঙৌ ঙৌববা হনুবা লম্বোইবা অমা নিংথৌগী দববারদা চংলকই । মহাক্না হায়বকই, "ইনিংথৌ, ননাই ঐনা বামোন্না ওল্লি হায়নবিবা হিংচাবা অসিদগী অদোম্বু কম্বা ঙমজগনিদো । অদুম্নদি ওইবগা ঐখোয় অনিগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম অমদি ঙাক্না চৎপীগনি থমজনিংই, হায়বদি ননাই ঐহাক্না অদুগুম্বা বামোনগী থবায়না ওনবা হিংচাবা তম্নলাই অদুবু মাংহনবা ঙমজবদগী ইনিংথৌগী থবায় পেম্বীববা, অদু ওইববদি ননাই ঐঙোন্দা ঐগী চিন অসিনা ইনিংথৌগী খুয়াখাদগী য়াম্না পাম্না নিজবা পোৎ পীনবীবা ।"

করিগুম্বা নহাক্না ঐহাক্কী ইফমদগী পাল্লিবা পোৎশক অদুনা মবম ওইবগা ঐহাক ইশাগী লেমজবা অমসুং ইকাই খুম্নবদা শোক্কদবা লৈববা অমা অদুগা মীচম মীয়ামগী মাঙনবগী মশক কবি থোইদোকপা অকায়বা লৈত্রবা অদু ওইববদি ।" নিংথৌনা পাউখুম পী ।

"ননাই ঐ অদুগুম্বা মখলগী ইনিংথৌদা শোক্কদবা অমসুং মীচম মীয়ামগী মাঙগদবা পোৎশক্তি নিজরোই।" লম্বোইবনা হায়বকই ।

"ফবে, বামোন্না ওনবা হিংচাবা অসিদগী খক্তা থাদোকহনবীয়ু লোয়ননা বামোন হাৎলুবগী ফত্তবা ইবাল অমুক্তা কোকহনবীয়ু, মবাইবক থীববা বামোন মচাদো ঐগী অশাউবনা হেনমনখিদুনা থবায় লৌবীখ্রে, মহাক্কী মবাল কবিসু লৈজদবনি।"

"ইনিংথৌ হৌজিক্তি হৌখ্রে, অদোম মদুগীদমক থোইনা থবায় ৱাবীবোইদো । ননাই ঐনা পাংথোকচগদৌবিবা পাম্বে অসিগী মতুংদা বামন

হাত্তে হায়না নিংদুনা ৱাখল পুময়াং য়াংলগনি ।" লম্বোইবনা হায়বকই ।
"কবি কমদৌবা হায়বনো ?" নিংথৌনা পুক্লিং খোইবাংননা হংই, "করি অদোম ফাগিপুবা মীশক অদুবু অমুক হল্লকহনবা ঙমগনি ?"
"ইনিংথৌনবু মদু পুক্লিংদা অচেৎপা থম্মীববদি, মদুমক ননাইনা ওইথোকহনবা ঙমজগনি ।" লম্বোইবনা পাউখুম পীবকই ।

"মদুবু ঙন্নবদি ঐগী ইফমদগী কবি অমুক পাম্মী",

নিংথৌনা হায়বকই। মহাক্না হায়বিবা ৱাফম অসি ঙমখিববুদি য়াই, মদু ওইববসু মসি ওইথোকপা য়াবা থবক অমা নত্তবনা থাজবদি ঙন্নমদে ।

বাজগুরুসু নিংথৌগী মনাক্তা ফমদুনা লৈবী, মহাক্না হায়বকই, "ওল্লোকপা হায়বদুনি, তাবদা ৱাই ইনিংথৌ ! কবিগুম্বা মতমদা মী অশিবা অমুক হিংগৎহনবা ঙম্বা লৈব্রা ? ফবে, অদুগা অমুক মদুগী মীদুবু হিংগৎলক্লগা কবিবু কান্নগনি ? মহাক মশাগী হৈনবী মীমাং পোমাং খঙদনা কবেম কথাইনবা অদুম হৌবক্কনি অদুগা অমুক অদোম্না মহাকপু শিবগী চৈবাক পীগনি ।"

"ওইনিংবা অমা হেক্তা ওইজবসনু, ঐখোয় মহাক্কী অঙকপা মঙম অদো য়েংনিংই, মসিগীসু মথক্তা ঐখোয় পুক্লিংদা লৈবীবা পোৎলুম অসিমসু য়াংগনি। হনুবা লম্বোইবা অদোম্না অদোমগী তৌবা ঙম্বা মঙম অদু কয়দৌঙে পাংথোকপীগে খনবীবি ?" নিংথৌনা হংই ।
"হৌজিকমক, মফম অসিমক্তদা" লম্বোইবনা থৌনা ফনা হায়বকই ।
"লুবীবদি বামন্না ওনবা হিংচাবা অদুদি মফম অসিদদি লৈসু লৈতনা, আ খোঙনাংবোত মথক্তা লৈবনি ।"

"ইনিংথৌ পুক্লিং তপথবীগনিদো, ঐদি মসিগী লম্বোইবা অসিনা ঙাংলিবা ৱায়াম অসি মচিনথোক মখাথোক পংঙাং ঙাংজশাবীনি খঞ্জে, মহাক্না ঙাংজবা শাবিবশিংসি ওইবা য়াবা অমতা নত্তে।" বাজগুরুনা নিংথৌদা হায়বকই ।

"ইকাই খুম্নগাইগী মশক ওইরবা রাজগুরু, ঐনা হৌজিক পঞ্জরিবা হাফম পুম্নমক অমতা মীনম্বা য়াওদনা তরং তরং, তশেং তশেং, ময়েক লানা উবা ফংহনবা ঙমগনি কান্নদেসে। হৌজিক ঐনা হাত্তোকপীগ্রবা বামোন মচাদু অদোমগী মাং অসিমক্তদা থোক হেক হিংগৎহল্লবদি, কান্নদেসে, হৌজিক অমুক মাগী উখোং অদুদা বামোনগী থৱায়না ওনবা হিংচাবা অদুগী থৱায় মীরেলগী লেমহৌখাক লৈহৌখিগদ্রা ?" লম্বোইবনা হংই।

"অদুবু ঙম্লবদি লৈররোই" রাজগুরুনা পাউখুম পী।

"অদু য়ৌরবদি য়েংবীবোসে, ঐগী অঙকপা মঙম," লম্বোইবনা মশাদা শেংলি চাবিবা লৈঙাং মচুগী ফি অমসুং অহাপ্পা কোই শং লৌথোকই। মহাক মশাগী হান্নগী ফিজোলদা তেনালীবাম নিংথৌ অমসুং রাজগুরুগী মাংদা চপ লেপ্পী। মখোয় অনিমক হায়ফম তৌফম খঙদবা মথৈ পুমঙক গুকই। মখোয় অনিগী মিৎমক্লা শঙ শঙ উজববসু শেংনা থাজবদি ঙমদ্রি। তেনালীরাম্না থোকপ্রিবা ৱারী পুম্নমক শেংনা লীদুনা তাহল্লম্মী। মহাক্লা নিংথৌগী মফমদা মাংজৌননা য়ানখিবা ৱাফম অমুক হন্না নিংশিংজে।

"ইনিংথৌ, অদোম্না ননাই ঐগী ইফমদা ননাইগী অপাম্বা অদু পীবগনি তাকপীখিবা লৈ, হৌজিক্তি ইনিংথৌনা ননাই ঐহাকপু হাত্তোক্লুবো য়াথং পীবীখিবা ননাই ঙাকশেন অনিবু ঙাকপীগনি।"

নিংথৌনা নোক্লদুনা হায়রকই, "ফবে। অমদি লৈবী, নঙোন্দা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা হাপ্পা শেনপাক অমগা পীবগনি, হোয়, অদুগা নহাক্কী ইমা অমসুং নহাক্কী নুপীদা থা খুদিংগী সনা শেন তরা তরা পীবগনি লাওথোকখিবনি। মদুমদি তোক্লসি, নত্রবদি ঐগী লনগৈ অসি মনম চেল্লরোই।" ৱাহৈ অসি হায়বগা কৃষ্ণদেব রায় মখোল হৌনা কন্না ফাক ফাক নোক্লকই।

৯-৯-৯

নম্বোম্বা ফিগুবা

মীয়াম্মা য়াম্মা কন্না ঙাংনবা পাউ অমা তেনালীরামগী নাকোং য়ৌরকখি। মীফম্ভা অমনা লম্বে'ইবগী ফিজোল শেংলগা মহাক্কা লাইদা কংপা হৈমন-লৈমন্দা থতুবা (শগোই হিদাক মহৈ) য়ানশিল্লগা মীঙোন্দা হেক হেক পীজে। মসিগী থবক অসি মহাক্কা য়ানদবা মীশিংনা মতৌ য়েংনিংবদগী ইন্সিনবা অদুগা মহাকনসু মীগী লন-থুম মীহৌকবদগী তৌবা থবক অমা ওইনা তৌই। মহাক্কী অসিগুম্বা য়াম্সিল্লবা লাইগী হৈরুক চারুবদগী মী শিখিবা ফাওবগী পাউ ফংই লোয়ননা কনাগুম্বা খবা অমনা ঙাওদুনা চংপসু য়াওবে। মী অমদি মহাক্কী লাইগী হৈকক ফংলুবদগী থতুবাগী ময়ায়না ঙাও ফৈদুনা শহবগী লম্বেল লমজাওদা ঙাওনা ফৈনা কোইচং চত্তুনা লৈবে। য়াম্মা লুবীবা অমনা অসুম্মা মীঙোন্দা থতুরা পীজবিবা মীশক অসিবু ফোংনা চপ চাবা খুদম চাংদমগা কোন্ননা পীবা ঙস্বা মীশক অমতা থোক্লক্তবসিনি। মবম অসিনা মহাক অসিনা ইফোং ফোংনা কবিসু নাচুংবা লৈতনা মহাক্কা নিংলিবা থবক্তা মনিং তৌনা মথং মথং পাংথোকপা লেপ্লমদে। তেনালীবামগী ঋাখলদা মসি অমুক্তং ফারগা মতিক চাবা চৈবাক পীগে খন্দুনা ঙাইবি। মবাইবক থীবা হায়বা তাবনি, তেনালীবামগুম্বগী মাংদা চেন্দুনা লোত্তুনা লৈবা ঙস্বা মী তাঙনা থোক্কনি। হায়বিবা মীফম্ভা অসি শহরগী লম্বেলদা মফম মবাং খঙদনা কোচং চত্তুনা লৈরম্বা তেনালীবাম্মা তাঙ্গা চাকবদগী থেংনবকখি। মহাক্কা মী অসিগী মনাক্তা চংশিল্লগা মখল মথেল কয়ামকমগী ঋা তুবং তুবং ঙাংদুনা পংথহন্দুনা ঙাওনা ফৈনা চংলিবা মী অদুগী মনাক্তা থেম্বোই-কবিবোই তৌবগা

পুরক্কে। ‘মী অসি মহাক্না ধতূবা পীজবদগী ঙাওখিবনি।’ অঙাওবগী মনাক যৌরগা তেনালীরাম্না অঙাওবদুগী মকোক্তা লম্বোইবা অদুগী মখুৎনা নাম্বুহল্লি । অঙাওবনা তপ্না মমিং হঙ্গৎনা লম্বোইবদা য়েংলকই, খঙহৌ লাকহৌদে অফিং অফায় ফুক হৌগৎলক্তুনা লম্বোইবগী লুশম পায়বগা লম্বেল লময়াইদা ধম ধম অমুকতোইবা কম্থি থোক্না শুজিল্লি । কা হেন্না কন্না কন্না শুশিনবদগী লম্বোইবা মফম অদুমক্তদা থব্বায় মাঙলে । থৌদোক অসিগী পাউ নিংথৌনা তাবা ফংলে । নিংথৌনা অঙাওবা অদুবুদি থাদোকপীত্রে অদুগা শাউনিংমনখিবদগী তেনালীবামবুনা শামু মখোঙনা নেৎথেকহন্নবগী চৈবাক পীরে । মসিগী মবমদি অঙাওবা নিপা অদুগী মতেং লৌবগা মবাল লৈজদ্রবা লম্বোইবগী মথ্বায় মাংহনবগী মবাল শিদুনা । শামু মখোঙনা নেৎথেকহন্নবগীদমক লাম্মী অনিনা তেনালীবাম নুমিদাংবাইবমগী মতমদা মফম অমদা পুবে । মখোয় অনিনা লৈপাক তৌথোক্লগা তেনালীবাম ঙকশম য়ৌনা ফুমজিল্লি। অমুক মখোয় অনি শামু লৌবা চৎখি । লাম্মী অনিনা খল্লিবনা, হৌজিকপু মাগুম্বনা কদায়দা চৎকনি সিনি । ঙাইহাক লৈবগা মমশুক মমশুক তৌবক্লবা মতম অসিদা ফি শুবা মী মনম শাথীনা পোম্বা নিপা অমা তেনালীবাম ফুমদুনা লৈবীবা অদোমদা কোল্লি কোল্লি লাকই । মসিগী নিপা অসিনা তেনালীবাম্না লৈবন্নিবা ফিভম অদু উবগা ফাগিওই কবিওইনা হংলকই,

“কবি তৌবি ইতাও, কবি কুম্মোনি হায়গে ? নঙক্না য়ৌনা লৈপাক মনুংদা ফুমজিনলদনকা তৌ শাবিবো ?”

তেনালীবাম্না হায়বকই, “ হেবা ইতাও, ঐসে নঙনা ননম পোল্লিদো মদুদি কচ্চানি শাথীনা পোনখ্রপোৎনি, করি অমুক হায়গনি কংনানপুল অমা পোবগা চপ হেক মান্নবনি । ঐনা হৌখিবা চহি ১০ গী মথক্তগী ঐগী পোৎলুম অসি পুদুনা বানা খাঙলক্লিবা, ঐবু উবগা নোক্লিংবা পোক্তবা মী তাঙনা থোক্কনি । মসিদি থোইনা হেন্না নুংঙাইতবা তৌদে, ঐনা খোয়দৌ থিংলিবদি ঐখোয় নুপীনা নোক্লবকপসিদনিসে । কোন্নথংদা ঐগী লাইবক

ফবা হায়বা তায়ে, ইখঙ হেক খঙহৌদনা পুকচেল চাওবা মাইবা অমা কোক হেক খেংনবনি। মহাক্না ঐগী অব্রা পোৎলুম অসি খঙবী উবীবদগী তাকপীরম্বনি, "নিপা মসিগী মফম অসে ওহোক্লা শেংঙ্গবা মফম্নি, মসিদা নঙ নোংমা চুপ্পা নঙক য়ৌনা লৈনুংদা ফুমজিল্লো, নমিৎ চেজেৎ উইশিল্লগা বা মচেৎ অমতা ঙাংদনা লৈবা ঙম্লবদি নঙগী অব্রাবসে শোয়দনমক্কী কোকপীগনি। ঐ মাইবগী মব্রা ইন্দুনা ঙসাই অয়ুক অমম অঙান শিন্নরকপা অদুব্রাইদগী হৌনা ফুমজিন্দুনা লৈবকপনি। হৌজিক্কি ঐঙোন্দা পোল্লম্বা নমদো লোইনা কোকপ্রে, লৈত্রে, শিৎ নানলে। নঙনা থাজদ্রগা ঐঙোন্দা ফুমজিল্লিবা লৈপাকসি খোত্তোক্লগা য়েংবা য়াগনি?"

ফি সুবা নিপা য়েংনিংবনা খ্রো খ্রো খোৎলি। কবিগীসু য়েংনিংলোইদবগে. নম পোম্বগী নুংঙাইতবগী চৈনাদি মহাক মশামক্তা পান্দুনা খঙলবনি। অসুক নুংঙাইতবা মপুগী খুদোল অদুবু ফবা ঙম্লে হায়রবদবো? মহাক্না শোল্লি শোল্লি লৈপাক খোত্তোক্লে। হৌজিক তেনালীবাম কোম মনুংদগী মথক্তা কাখৎলকই অমুক নমপোনবা ফখিবদগী মশা ফবা মান্নবা মশা মউ খিংখিং খিংদোকই। মহাক্না তৌবিবা মতৌ অসি উবগা ফিশুবা নিপা পুক্লিং মথুম মবাং হৌই। মুন্না অমুক য়েংই, "তশেংনমক্কী মসিগী নিপাসিগী মশাদা নম পোল্লম্বগী মমি মচেৎ অমতা তাবা উবা ফংদ্রে।" ফি শুবনা তেনালীবাম য়েংলগা হায়বকই, "ইতাও চহি কুমজা য়াম্লেদা নঙ্গন অসিদা অচৌবা নম্ব্রো অমা পোদুনা অব্রাবগী মৈচাক খাংলকপা, ঐদি খঙলুদেদো, ঐদি পংব্রবা মী হায়বদুনি, মসি লায়েংবা ইলাই লাই হায়বসি ঙসিখক্তমক খঙই। ইতাও নঙনা মসিমখক্তং নুংশিবীয়ু, ঐনা পুজবক্লিবা ফি ময়োম অসে, অশুবা ফিবোল ঙাক্তনি মসি ঐখোয় নুপীদা খবা পীবীবমউ, অদুগা মাঙোন্দা মসিমখক্তংগা খবা তম্বীবমউ মহাক হয়েং অয়ুক ঙম্ভা ঐগী অয়ুক্কী চান-থক্লবা থিল্লকউ, ঐ অদোমগী তৌবীমল পুল্সি চুপ্পা কাউজবোই। অদুগা হোয়, ঐখোয় নুপীদা মসিগী ব্রাফমসিমদি কাওদুনকা তম্বী-লাকপীরুগনু, হয়েংদি নহাক্কী

নপুরোইবা মনম পোনবা ফবগনি । ঐ হয়েং মা ইগুক গুকহনগে য়েংউদনা ।"

"য়াম্না ফগনি, ঐনা ফনবা পুম্নমক শীনগনি" হায়বগা তেনালীবাম্না ফিশুবা নিপা মগুক য়ৌনা ফুমজিনলে অমুক মহাক্কী অশুবা ফিবোল ময়োম নাকন্দা য়েপশিল্লগা হায়বকই, "অদুদি ঐ চৎলগেকো, অদুগা কাউবোইদবা অমনা মিৎ-না চেজেৎ উইশিনগদবনিকো, ঝা-লান অমতা গুংবা য়াদে, খা ক্রক ক্রক চিক্কুনা খাংগদবনি । মদু গুমদ্রবদি নগুনা তৌজবিবা পুম্নমক কান্নবা ফংবদি লায়বদনা হৌজিক পোল্লিবা ননম অদুদগী শকক অনি হেন্না ঝংনা পোঞ্জনি ।"

"য়াম্না নুংঙাইজবে, ঐগীদমক থোইনা হেন্না চিংনবীকবগনু, ঐগী নমপোনবা অসিদা ফবগা লোইবে, মসিদন্নু ফবু ফগনি হায়ববদি কবিনো তৌ হায়বদু খাংজবগে।" ফি শুবনা থম্মোয় শেংনা হায়বকই ।

তেনালীবাম চৎখিবা মান্নবা চৎশিন্নবগা মকম অমদা থৈজিল্লগা লোত্তুনা লৈ । গাইহাক্কী মতুংদা নিংথৌগী লাম্মীশিংনা শামু অমা পুদুনা লাক্লগা ফিশুবগী মকোক শামুগী মখোগুনা চবেৎ চবেৎ নেৎখায়হল্লি। লাম্মীশিংনা অমম্বা ওইবনা মী অসি কনানো মশক খঙবা ঙম্নমদে ।

তেনালীবাম শামু মখোগুনা নেৎখায়দুনা শিবে হায়বগী পাউ নিংথৌগী নাকোংনা তাবা ফংলে। হায়বিবা মতম অসিমক্তদি নিংথৌ গুসাইগী অশাউবা ঈংথববা মতম্নি । শাউবা হন্থবক্লবদা তেনালীবাম শিবগী চৈবাক পিখিবগী নিগুমদনা থৱায় নুংঙাইতবা ফাওবকই । হৌজিক্তি মহাক্না লৌনম্বা লম্বোইবা শাশিন্নবা মী অদুগী অশেংবা পুম্নমকসু খঙবা ঙম্নক্লে । মহাক ঝাখল য়াম্না নুংঙাইতনা খন্দুনা লৈবী, 'কনবীনবা কনা লৈজদ্রবা তেনালীবাম অবেম্বদা থৱায় মাংখ্রে । মহাক্লদি খন্থবা তৌদনা অশাউবা মৈবীনা লাকশিনখিদুনা মবাল লৈববনি খন্না শিবগী চৈবাক পীখি । মহাক্লা গুন্নিবা মবৌশিং অমসুং মগুম ঐগী পুলিশ ওফিসাব অমনা ফাওবা ফাবা গুমদবনি।' হৌজিক নিংথৌ মথন্তা পুক্লিংদা নিগুমদবা

পোক্লক্তুনা লৈবী, তাঙ্গা অসিদা তেনালীবাম্না লাওবদুনা চংলকই, ননাই তেনালীবাম' য়ৌজবক্নে, "ইনিংথৌনা য়াইফনে ।"

নিংথৌ ইঙক ঙক্না তেনালীবামদা মুন্না য়েংলি ।

বাবী পুম্নমক নিংথৌগী মফমদা লীজবে । হন্দক্কীসিমদি নিংথৌনা মাবু ঙাকপীবে ।



নিংথৌগী শেন্দোন

তেনালীবামগী নুপী অমুকখক য়াম্না কন্না নাখি । মসিদা মহাক্না নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়গী মফমদগী সনাগী শেন চাম্মাখক পুদুনা লায়েংবদা শিজিন্নখি। শেনফম অসি মাগী নুপী নাবা ফবগা শিংগে হায়দুনা পুবনি । নুপী নাবা ফববা মতুং ফন কুইববগী মতুংদসু তেনালীবাম্না শেনফম শিংদোক্কনি হায়বগী ৱাখল ইতৌ তৌবগী মমি উদবদগী নিংথৌনা শেন থৌই, অদুমকপু তেনালীবাম্না খোইনা হেন্না লুম্না লৌবমদে। নিংথৌনা খল্লি, মাগী তেনালীবাম হায়বসি মথোঙ মবম খঙদবা মীনি । মসিদি কান্নপোত্তে, ময়ুমদা চংলগা হেক্তা থৌবগে ।' ময়ুম য়ৌবগদি তেনালীবাম ফমুংদা উতুপ তাবসি মঙায় শাংদ্রোক শাংনা তাবগা নাদুনা লৈবল্লে, অদুগা মহাক্কী মমা অমসুং মাগী নুপীনা তেংথাবদুনা কপ্তুনা লৈবা উবকই ।

"কবি অমুক তৌবে মসিগী মীসিবো ?" নিংথৌনা হংই ।

"ইনিংথৌ মা হৌজিক হিংলবোই, মহাক য়ামনা ৱাবে, শোল্লি মথন্তা ঙাইহাক লৈতনা মুকম মকম পল্লি হেক হেক, ঐসি ইনিংথৌগী তোল্লিবা শেন্দোন অসি শিংদোকপা ঙমদ্রিমখৈদি ঐগী থবায় নুংঙাইনা মপুগী খুয়া তানবা ঙম্লোইদৌবি ।" তেনালীবামগী নুপীনা ৱাফম অসি তমজরকই ইনিংথৌগী খুয়াখাদা ।

নিংথৌনা হায়বকই, "এ : অদুগী ৱা ওইবেকো, অদুগীদমক ওইববদি ঐগী নঙোন্দা তোল্লিবা শেনফম অমুক হন্না লৌনিংদ্রে, য়েংঙোই, তেনালীবাম ঐগী নঙোন্দা লৈবা শেনফম অদো অশেংবনি কোকপীবে ।"

নিংথৌগী বা তাবগা তেনালীবাম ইখও খওহৌদনা ফমুং মথক্তগী লৈপাক্তা শৃৎ নাম্বুবকই অমসুং ফুক হৌগৎলগা ইনিংথৌগী ওক্তা চেজেৎ কোন্সিনলম্মী।

"হে-হে কবিনো তৌরিসনা ? ঐনা খল্লুবিবদি নও শিগদৌববনি?" নিংথৌনা ইওক ওক্রা হংই ।

"তশেংনমক্কীনি ইনিংথৌ, অদোমগী শেন্দোনগী পোৎলুম্না নন্দুনা হৌগৎপা ওমদদুনা শিবমদৌবল্লবনি । মসিদি অদোমগী থৌজালগী মপানগী মহযনি । অদোমগী থৌজালগী মতেংনা ননাই ঐহাক্না থৌজাল হৈবা ইনিংথৌগী থৌগল মতম শাংনা ফংজনবগী তাঞ্জা অমা পীনবীবে ইনিংথৌ ।" তেনালীবাম্না হায়বকই।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় নোকপা নত্তনা করি অমুক তৌগনি "

৯০৭

শাথীবা শগোল

বিজয় নগবগা য়ুমলোন্নবা মুসলমান লৈবাকশিংগী মফমদা মথৌনা য়াম্না লৈবা শিবা কিদবা লোয়ননা মপাঙ্গলসু ফজনা কনবা লাম্মী মবাং কায়না লৈ হায়বসি কৃষ্ণদেব বায়না তাবা ফংই । মহাক্না বিজয়নগব চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক পান্দম অমগী মখা পোন্না শগোল তোংবা লাম্মী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগী থৌবাং তৌবা পান্নমই । মবমদি য়েক্লবশিংন্য লান্দাবকপা মতমদা য়াম্না হৈ-শিংনা মায়োক্লদুনা মখোয়বু মায়থীবা পীবা ঙম্নবগীদমক্তা । থৌবাং অসিগীদমক মহাক্না আববীগী শগোল চাবা মশিং য়াম্না লৈশিনগে খন্দুনা মন্ত্রিশিংগা ফম্মিন্নদুনা কুপ্না বাতান্নে। মন্ত্রিশিংনসু নিংথৌনা লৌখৎলিবা থৌবাং শৌগৎলদুনা হায়বিবা লৈরুগদৌবিবা শগোলশিং অসি মীচম মীয়ামগী মফমদা শিন্নদুনা য়োক থাকপগী থবক তৌহনবা অদুগা লানগী মতম লাক্লবা, লাক্লগনা মখোয়দগী অমুক লৌখৎপা, মসিগী ব্রাফম অমসু থাঙ্গৎলমই। নিংথৌনা মন্ত্রিশিংগী থৌশিন-থৌবাং য়ানিংবা পোক্লদুনা শগোল লিশিং অমা লৈশিল্লমই। শগোল লোইনবা মীচম মীয়ামদা য়েম্থোকপা মতমদা শগোলগী মচিঞ্জাক লোয়ননা হিদাক লাংথকসু পীবা অমসুং থা অহুম খুদিংগী শগোল মশা মউ ফনা লৈরিব্রা হায়বনচিংবা য়েংশিন্নবগীদমক শগোল পুখৎলক্কদবনি হায়বম্মী ।

তেনালীবাম্নসু ময়াম্নসু য়োক্লববনিনা ঐসু শগোল অমদি থাকপা য়াইনা খল্লগা হায়জদুনা শগোলগী মচিঞ্জাক অমসুং হিদাক লাংথক্লচিংবা লৌজবে । মহাক্না শগোল অসি পিশক পিকপা কা মচা অমদা থোং লোপ্সিনলগা থমই । শগোল থম্লিবা পিশক পিকপা কা মচা অসিগী ফক্লাংদা

লৈপাক্তগী ফুৎ মবিলোম মথক্তা কাখৎনা মখুল মচা অমখক হৎলি । মসিগী মখুল মচা অসিদা তেনালীবাম্না নুমিৎ খুদিংগী মচিঙাক খুবাম অমমমদং মখুত্তা হাপ্লগা পীজে । মপুক অদুক চাওবা, ইচম চম্বা শগোলসু নত্তবা আববী চাবা শগোল অদুদা খুবাম অমনদি কবি কান্নগনি, কবি তৌনি মবাইবক থীববা শগোল তেনালীবামগী মখুৎ শেংদোকপা নত্তনদি, মবৈনা তেনালীগী মখুৎ শৎ শৎ লেক্লগা লেপ্লি ।

মতৌ অসুম্না তেনালীবাম্না শগোল থা অহুম ফজনা থাক্লে । থা অহুম ফাবক্লবদা শগোল থাকপা মী খুদিংমক্তা মাগী মাগী শগোল য়েংহন্নবা নিংথৌগী মনাক্তা পুখৎনবকই ।

নিংথৌনা তেনালীবামদা হংই,"কবি তৌববা নঙদি, শগোল কদায়দা লৈ ?"

"ইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাইগী শগোলদু অসুক্কী মতিক শাথীপ্রবাজাৎনি, ননাই ঐনা ইতোমতা পুবকপা ঙমজদ্রে । চাম্বীদুনা ননাই শগোল পান্নবশিং ঐগা লোয়ননা অমুক্তা থাবীয়ু, মখোয়দি মখোয়গী শিন্‌ফম অমা ওইবা কৌবনা য়াম্না ইকোম কোম্না পুবা ঙমগনি ।" তেনালীবাম্না হায়বকই,

শগোল পান্নবা নিপা য়েংবদা অকিবা শক্তম অমনি । নাতোন শুমাংদা হৌবিবা কৌই ঙাংলৈননা মুই, নাকয়েৎকী মকোই ইবোই বাঙ্গোবগী মচিসিমঙায় মথকলোমদা থেক্কৎলি, মওং অমগী মীনি । মসিগী নিপাসিগা লোয়ননা লাকমীন্নবে । তেনালীবাম্না হায়বকই, "শগোল হঞ্জবা ইবুংঙো, অদোম ইশামক লেংশিম্বীবে হায়বগা ঐগী শগোল অসি মিৎয়েং অমুক্তা তাবীগনি, কয়ামুক য়াম্না শাথী হায়বদো । ঐ মসিগী শগোল অসি ফানা পুন্না ঙমদদুনা কা মচা অসিদা থোঙ লোঙ্গিন্দুনা থমজববনি ।"

"সি : আ : মীকীথি কদায়দগী, নখোয়গুম্বা মীনবু শগোল কবম হায়না লাকপা হৈগনি হায়গে ? মসিগুম্বসিদিকো ঐখোয়গী ইথৌনি ।" হায়বগা শগোল পান্নবা নিপা প্রপ প্রপ হেক্তা চংশিনখি, অমুক মখুল

অহোবদুদা লুকথরগা য়েংগে হায়দুনা লুকথবকপা মতম অদুদা মবুক থবৎ তৎলবা শগোলনা মচিঞ্জাক হুন্নক্লে খন্নদুনা শগোল পান্নবগী খদাংগী কোই অশাংবদু ময়ানা তাপ লাকই, থাদোকউ য়াদে, নাম্বোকপা ওন্বগী পাঙ্গল লৈতে, চৈনা খাংবা ওমদবদগী ঐয়ো-ঐয়ো শিরে শিবে ও খোঙনা লাউই শগোল পান্নবা, মসিগী পাউ নিংথৌগী নাকোং য়ৌদবা য়াদদনা খুদক্তা য়ৌখি। নিংথৌ থিন্দনা মনাই মশনগা লোয়ননা য়ৌবক্লে। মতম অসিমক্তি কাতিনা কোই ককথত্তুনা নাম্বোক্লম্লে। ময়াম চৎদুনা কা মনুংদা লৈরম্লিবা শগোলগী ফিভম উবগা মখোয় পুন্নমক ইঙক ওক্লখি। লোইবে, য়েংহৈদ্রে, হায়নিংঙাই লৈত্রে, শগোল মিংখক্তা মঙাইবে, শক পোলাং ওইনা লৈবম্লে।

মৈ হৌখৈ শাউনিংদুনা নিংথৌনা হংই, "নঙ মতম অসুক কুইববসি মচিঞ্জাক পীজদে, নঙ শগোল হাৎকে তৌবিব্রা ?"

"ইনিংথৌ, ইনিংথৌ ইবুঙো, সনা পুক্রিং ফিংবীবোই, মবুক লাম্বদুনবু ফিভম অসি য়ৌবক্লিবসিনি, মসিনা ননাই শগোল পান্নবা মহাশয় অসিগী থব্বায়দগীসু হেন্না লুনা চান্না য়োকচবা খাকচবা নুংশিজন্নবা খদাংগী কোই থাদোকউ হায়বা ময়াবা লৈত্রিসিনি। মহাক শগোলগী মচিন্দগী শত্তোক্লবা হোৎনবদা ইনিংথৌ ইশামকসু মফম অসি য়ৌনা লেংশিনবীবক্লিবসি মঙায়। কবিগুম্বা অতৈ অতৈ শগোলগুম্না মপুক থন্না পীজবন্নবদি খঙদে কবি কবম্বা মসিদগী হেন্না শাথীবা খুদোংথীবা নংলমগনি ?"

কবি উপায় লৈ তৌফম খঙদবদগী নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় নোকই অমসুং তেনালীবামগী মবাল ঙাকপীখি।

~*~

মনাগী মমল

অমুক খক জগোই ইশৈ নোংমাই হৈবা অফ:ওবা কলাকাবশিংনা মখোয় মশাগী তমদুনা হৈজবা মহে মীয়ামদা উৎলুনবগীদমক বিজয়নগবদা লাকই । নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না মহাক্কী বানীশিংবু জগোই ইশৈগী কুম্মৈ য়েংহন্নবগীদমক্তা কোনুং মনুংদা থৌবাং তৌবম্মী । মহাক্কা কুম্মৈ অসি শান্নবিঙৈ মনুং অসিদা তেনালীবাম তাহনবা য়াদে হাযনসু মনাই মশনশিংদা পাউতাক পীবম্মী, তেনালীদা তাহন্নিংখিদ্রবা পাউ অসি খঙদে কদায়দগী লৌদুনা তাবক্লিবনো তেনালীবাম্মা তাবা ফংলদুনা কোনুং য়ৌবক্লে ।

ইহান হানবমক্তদা অহানবগী থোঙজাও পানবিবা থোঙাকপনা মহাকপু থিংদুনা চংহনদ্রে । থোঙাকপনা হায়বকই, "ইনিংথৌগী য়াথংনি, অদোম শান্নবিবা কুম্মৈ মফম অসিদা চংহনবা য়াবোই লোয়ননা পাউ তাহনবসু য়াবোই, ঐগী কবি পাঙ্গল লৈ, মসি ঐঙোন্দা অবাকগী মশক্লি, ঐ অদোমবু মনুংদা চংহনবা গুন্বগী ইতিক লৈজদে ।"

"হোয়নে ফবেনে, ঐসু খঙলেনে ইনিংথৌনা ঐবু তাহনগনু, চংহল্লক্কনু হায়বসু, নত্তে ঐসে নঙনা মনুংদা চংহল্লবদিকো ?" ঙাইখো ঐগী বাসি অমুক্তা মুন্না তাখো, ঐ অসি মনুংদা চংহল্লু, ঐনা মনুং চংলগা ফংলকপদো খঙলব্রা, মাদুগী শকক তঙ্খায় অমা হায়বকো, মাদু নঙোন্দা পীথোক্কে ।" বাহৈ অসি হায়দুনা থেমদুনা থোঙাকপা কলকহল্লি । হান্নথংদদি থোঙ ঙাকপা খবা কিবপ চিংনবপ তৌবমই । অমুক মহাক্কা বাখল তৌই, 'সুম সুম ফম্না ফম্না কবিমক্তসু তৌকবা লৈতনা মনা ফংগদৌবিবনি, মসিদবু করি অকায়বা লৈবগে ?' তেনালীবামদা মহাক্কা হায়বকই, "ফবে, ঐ

অদোম্বু মনুংদা চংহঞ্জরগে অদুগা কাওরোইদবা অমনা নহাক্না অমবু ওইববসু অমবু ওইববসু ফংলকপা পোৎ অদুগী তঞ্চায় অমা ঐঙোন্দা শোয়দনা পীবা য়াবেকো ?"

ব্রাফম অসি য়ানবা পুবক্তুনা থোঙাকপনা তেনালীবাম মনুংদা থাজিনখ্রে। মনুং চংলগা অমুক অনিশুবা থোঙজিন য়ৌবক্লে। মফম অসিদসু থোঙাকপনা থিংদুনা মনুং চংবা য়াদ্রে। তেনালীবাম্না হায়বকই,"ঐনা মপানগী অহানবা থোঙাকপদসু ঐনা মনুংদগী ফংলকপা পোৎ অদুগী তঞ্চায় অমা নঙোন্দা পীগনি হায়দুনা ব্রাশক্লম্লগা মানা ঐবু মনুং থাজল্লকপনি। নঙ ঐবু থিংগনুনে, কান্নবা মাংহনগনু অপঙ, মনুং চংহল্লু, লেমহৌবিবা তঞ্চায় অদো নঙোনদা পীথোক্কেনে।"

তানালীগী চিন্না চোপ্পা খোইদা থুবে মসিগী থোঙাকপসিনসু, কলকপা ফাওবক্লে। কনানবুদি কলকলোয়দৌবিবনো মবমদি মাদি ঙাইহাক লৈতনা দববাবদা মনা চাউনা চাউনা ফংই হায়বসিমদি মখোয়না মিৎনা থোঙনা নকোংনা হকথেংননা তাবা উবা থৌদোক ঙাক্তনি। মবম অসিনা কলক্তুনা য়াবদুনা হায়বকই, "ফবে, য়াবনি চংলো, অদুগা শকখিবা ব্রাশক্তি কাউনদবা।"

হৌজিক উচিৎ-নাচিংনা তেনালীবাম জগোই ইশৈ নোংমায় কুন্ধে শান্নফম য়ৌবক্লে। মফম অসিদা কৃষ্ণনা অঙাং ওইবিঙেগী মাখন হুবানবা অমসুং গোপীশিংগা লোয়নদুনা জলকেলি শান্নবগী মওং মতৌ তমদুনা ইশৈবু শকপও, জগোইবু শাবনে, চোংবগা ফনবগা অমুক্তোইবা নুংঙাইগ্রবা কুন্ধোনি। য়েংলিবা ভাবোক পুম্নমকসু মযা ইকা কা মমিৎ কুপ্পদনা নুংঙাইনা কুন্ধে য়েংনরি। তেনালীবাম্না মবক অসিদা তপ্পা তপ্পা তুমিন্না চংলক্লগা মনাক্তা তাবল্লা চৈতুপ অমা তাপ খুনগক্তুনা পায়বগা কৃষ্ণ শাবগী লবায়দা কনথৈ, মাঙোন্দা খক্তা নত্তে কুন্ধে শান্নবা য়াওবিবা কলাকার খুদিংমকসু শাম্ভবনি। কনানা খাপ্পীগনি খঙহৌদনা নাবোলদগী হাইজল্লক্তুনা তৌবা থবক্লি। ঐয়োমা শিবে শিবে কোইলাও লাওদুনা উক ক লৈদুনা চৈন্নে।

তেনালীরাম্মা কোইতান কোইতান তান্নদুনা য়েনা-য়েনা মচিন্দা হায়রি, "মাগী কৃষ্ণ হায়রদুদি গোপিশিং ময়ামগী মখুৎ ময়াম চংদুনা ফুরগা খোৎপগা শিকপগা তৌরগী চৈনাদি খাঙবা ঙমদদুনা নঙন্দৌনা করিসু লাও খোঙদে। অদু নঙ কৃষ্ণ শাবি নত্রো, লাওগনু তানিংদে।"

হায়সু হায়রনি রাতুপুরু অসুক কন্না শান্নুরগদবু করিগীদি নারোইদরগে। চৈনা খাঙবা রাবদুনা লাওবি কন্না মবাইবক থীবদো। ইখঙ হেক খঙহৌদনা তৌরক্লিবা থৌদৌ অসি উরগা নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় মৈ হৌখে শাউবকই, মহাক্না ঙাকশেনগী অচৌবা মী অমা কৌশিল্লগা হায়, "মসিগী মী অসি ঐখোয়দগী মনা-মথুমগী মনম খরা মরাং কায়না ফংবদগী মহাক য়াম্না হেঞ্জিনলক্লে ঙসিদি মা খরা পীদবা য়াদ্রে। ঙসি মসি শগোল শাজৈ ১২ পীরা তাবে।"

ঙাকশেন অচৌবদুনা তেনালীরাম ফাবগা চৈবাক চানবা তুং ইল্লকউ হায়বকই।

তেনালীরাম্মা হায়বকই, "থানা বাবু অচৌবা ইবুংঙো, ঐ অসি অদোমগী তুং ইঞ্জনবগী থোইদোকপা তঙাইফদবা অদুমক্তি লৈবল্লবোইদ্রা লৌজবে। ইনিংথৌনা ঐঙোন্দা চানবীদুনা পীনবীবিবা মনা অসিদি ঐনা হান্ননা মী খরদা য়েন্থোকচবল্লে।"

"করি ? করি লৈপাক অসিদা অদুক য়াম্না অপঙবা মীসু লৈবীব্রা মসিগুম্বা মনা পাম্বা ?" ইঙক ঙক্লা নিংথৌনা হংই।

"লৈবী, লৈবীবো, য়াম্না লৈবী ইনিংথৌ, মসিগুম্বা মখলগী মীওই মফম অসিমক্তদা লৈবীজাৎনি ইনিংথৌ, রা মখা তাবদুনা হায়বকই, "য়াম্না কা লাপ্না লৈবপোৎ নত্তে, ইনিংথৌগী থোঙাকপা অনিনি। মখোয় অনিদা তক্লদুনা য়ানবা অমগী মখাদা ঐ মফম অসি য়ৌনা চংলকপা ঙমজবিবনি। ঙাংনদুনা য়ানবিবা রাফম্না, ঐনা করিনো অমা ফংলকপা পোৎশক অদো তঙ্খায় তঙ্খায় মখোয় অনীদা পীবা।"

নিংথৌনা থোঙাকপা অনি কৌহল্লরে। মখোয় অনিমক্তা রাহং-

পাউহং তৌবদা তেনালীবাম্না হায়বিবা ম্বাফম চুন্নম্বদগী শগোল শাজৈ ১২গী মনা য়েন্নবীবে । নিংথৌনা নোক্লদুনা তেনালীবামদা সনাগী শেনপাক অমা পীবগা হায়বকই "নহাক্কী কুম্মৌনা কুম্মৌ শান্নবিবা কলাকারশিংদগী হেন্না নুংঙাই । মখোয়নদি কৃষ্ণনা মাখন হুরানবগী ম্বাবীগী কুম্মৌ শান্নবনি, মদু অদুক য়াম্না অণ্ডকপা ম্বাবী নত্তে, শগোল শাজৈ ১২ গী মনা খুদোল পীবা অসিগুম্না ।"

ময়াম হৌদুনা নোকই ।

~

শঙ্গোম থক্তবা হৌদোং

কুম অমা শহব মনুংদা উচি লৈবগী চাং খংব্রাং ব্রাংলকখি । উচি মশিং য়াম্না হেন্না লৈবা মবম্না খুদোংথিনিংঙাই মশক ওইবকপা য়াবগী ফিভম লাকপদগী মসিদগী কন্নবগীদমক হৌদোং লিশিং অমা লোইনবগী থৌবাং লৌখৎতুনা মফম অতোপ অতোপ্পদগী খোমগৎলগা শহবগী মীশিংদা অমমম য়েঙ্খোক্লম্মী । হৌদোং লোইংগদবা মী খুদিংমক্তা হৌদোংদা শঙ্গোম পীথক্লবগীদমক শঙ্গোম শুম্বা য়াবা শম্বী অমমমসু পী । মসিগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অসি মাংহন্নিংদবদগী তেনালীবামসু নিংথৌগী মাংদা লাক্লগা লেপ্লবে। নিংথৌনা মাঙোল্দসু ময়াম্না ফংলিবা অদুগা মান্ননা হৌদোং অমসুং শম্বী পীবম্মী । মহাক্লা ইহান হানবা নুমিৎ অদুমক্তদা ব্রোং ব্রোং শৌবা মৈথক্তগী থাংথবকপদা ঙাইবিবা শঙ্গোম তেঙ্গোৎ পীক থম্বা অমা হৈবগা হৌদোংগী মমাংদা থমই । হৌদোং মপুক য়াম্না লাম্বা মতম অমা ওইনসু তৌই অমবোমদা অমুক হায়নবা লৈ, হৌদোংনা শঙ্গোম পাম্বা । হৌদোং শঙ্গোম উবদগী থক্কদবগী মচিন চুপ লুপশিল্লি, হৌদোংনবু অশাবনি অঈংবনি কবম্না খঙগনি, মচিন পোক্তুনা খঙপ্রেক খংদুনা ঙ্যাও-ঙ্যাও খোংদুনা ফন চোংখৎলগা হৌ থাদুনা চেনখি । মদুগী নুমিৎ অদুদগী হৌনা অঈংবা শঙ্গোম মমাংদা থক্লবা থন্নবদসু অমুক হন্না য়েংউ য়াবা মবৈখিদ্রে । হৌদোং পীথক্লবা শঙ্গোমখৈ তেনালীবামগী ইমুং মনুংনা অদুম কৎশিল্লমই ।

থা অহুমগী মতুংদা হৌদোংগী মশা মউ ফিভম য়েংশিন্নবা মাগী মপু মপুনা পুখৎলক্লবা পাউজেল থাবম্মী । হৌদোং শঙ্গোম মবাং কায়না পীথকপা মবম্না অয়াম্বা হৌদোকশিংদি মশা মউ লোইনমক ফৈ অমসুং নোই পেল্লি । তেনালীবাম্না লোইবা হৌদোংদি তিংখংগা অম্মা ওইবে ।

পুনরক্লিবা হৌদোং ময়ামগা য়েংনবদা মাগী হৌদোং তোঙান তাদুনা লৈরো নিংথৌনা য়াম্না শাউনা হংলকই, "নঙ মসি শঙ্গোম পীথক্তে ?"

"ইনিংথৌ, ননাই মসিগী হৌদোং অসি মওং অমনি শঙ্গোম থকউ সুকয়া য়াবা কৌবা লৈতে।" কবিসু মবাল লৈতবা শাশিন্নদুনা তেনালীনা তপ্না নোল্লুক্লা হায়বকই।

"কবি হায়বা ? হৌদোংনবু শঙ্গোম থক্তে ? নঙ খঙলব্রা, ঐ নহাক্কী নবা হেক্তা থাজবগনি ?"

"তশেংনমক্কী অচুম্বদুতা হাযজবনি, মীনম শোবি নৎচদে ইনিংথৌ। মসিগী হৌদোংসি শঙ্গোম থকউ হায়বসিমক্তদি য়াদ্রবনি।"

"ফৈ, কবিগুম্বা নহাক্লা হায়বিবদু অচুম্বা ওইবন্নবদি, ঐ নঙোন্দা সনাগী শেন চান্মা পীগনি অদুগা কবিগুম্বা হৌদোংনা শঙ্গোম থকপা থোক্লবদি,নঙ মসিমদি খঙউ উনা শাজৈ চান্মা।" নিংথৌনা হায়।

হায়নবিবা রাফম তেনালীবান্না য়াবে (শঙ্গোম তেঙ্গোৎ অচৌবা অমা পীক থন্না হাপ্লগা পুবকহল্লে, নিংথৌনা হৌদোং নুংশিনা পন্নগা হায়,

"হৌদোংজাওবী নম-নম শঙ্গোম থকউ" হায়দুনা মচিন মকয়া নক্লা শঙ্গোম তেঙ্গোৎ থাংর্জিল্লি। খঙহৌ লাকহৌদে হৌদোং নিংথৌগী খুত্তগী ফন চোংথবগা খোঙদুনা চেনখি।

"সনাগী শেন চান্মা ঐগী খুত্তা তাবেদনা।" তেনালীবান্না হায়বকই।

"হোয় অদুবুদি লৌজবো ফবেনে, অদুমকপু ঐ মসিগী হৌদোংসি অমুক্তংদি ফজনা য়েংনিংই।" নিংথৌনা হায়বকই।

হৌদোং ফাবগা নিংথৌনা মুন্না য়েংবদা মচিন্দা মৈনা শাথীনা পোকখিবগী মফম থেংনবকই।

নিংথৌনা হায়বকই, "মসিগী মী মকসিদি ? নঙনা শঙ্গোম থকউ য়াদনবা শঙ্গোম অশাবা পীথক্লগা কিহনবা ওইবিনি। ইকাইবসু খঙদে মচৎ অসে ?"

"ইনিংথৌ, মসি পুম্নমক য়েংশিনবীবা হায়বসিদি ইনিংথৌগী তৌফম থোকপনিদো, ইশাগী লৈপাক্কী অঙাংশিংবু নুংশি চান্না তুংগী য়াখলদা হৌদোংশিংদগী হেন্দোক্লা হান্না শঙ্গোম ফংহঞ্জনিংবদো।"

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় নোক্লিংবা খাংবা য়াই। মহাক্না তেনালীরামদা সনাগী শেন চাম্মা পীবগা হায়বকই, "নঙ মসি হান্নদগী হৈনদুনা খঙদুনা লাকপা ওইবিগনি, কবিসু খঙবা ভদ্রজদ্রবা অপঙবা শা-ঙাদা ফাওবা অসিগুম্বা থবক মতুং মনাওদি তৌবনুকো।"



নিংথৌ অমসুং রানী য়ানহন্বা

নোংমা তেনালীবামগী মফমদা বানী তিকমলাদেবীনা ঐ হৌজিক য়াম্না রানা পুক্লিং নুংঙাইতনা হিংলি মবম অসিনা মহাক্না অমুক্তং উননিংই হায়দুনা পাউ চেন্নকপা তাবা ফংলম্মী। পাউ অসি ফংবদগী মহাক পম্বা তৌদনা থীন্দনা বানীগী মনাক্তা পাউ লৌবা লাকই । মহাক্না বানীনা তম্বদগী খঙবা ঙন্নে মদুদি নোংমা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না বানীদা মহাক্না লেংবা নাটক 'জংবাবতী কল্যানম' পাদুনা তাহল্লি। নিংথৌনা থরাব য়াওনা বানী তাহন্নিংদুনা পাবিঙে চৈবক অসিদা বানীনা হকাম রা চল্লুববজাৎনি। মসিদা নিংথৌ ভঙ শাউদুনা ফুক হৌগৎলগা চৎখি । মদুগী নুমিৎ অদুদগী নুমিৎ মশিং ফনা য়ামশিল্লক্লে ইনাক্তা সুকলাক লাক্তবা, বানীনা তমই, "মসিগী ঐদি ঐগী ইবাল কবিমত্তা লৈতে নীংই । ঐনা মহাক্কী মফমদা ঙাকপীয়ুসু হায়জখি অদুবু কবিমত্তা তাবীদে । তেনালীবাম নঙ মসিগী ভাব তানদনা চয়েৎনবিবসি তাইশিন্নবা ঙমগদ্রা ।"

"হোয়দা, অদোম কবি থোইনা পুক্লিং নুনাংবা তৌবীকবগনু, মহাবানী, ঐনা ফনবা শিঞ্জগে ।" অসুম্না তেনালীবাম্না বানীগী পুক্লিং ফাথবী। তেনালীবাম মফম অসি থাদোক্লম্লগা দববাব চুমথ্রিং চৎখিদুনা য়ৌবে । দববাবদা দববাবীশিং মন্ত্রি অমসুং নিংথৌগা পুন্না ফম্মীন্নদুনা চাথোক্কী মবমদা কন্না খন্না নৈনবম্মী ।

"ঐখোয় লৈপাক অসিদা হৌজিক থোক্লিবা চাথোক অসিদগী হেনগৎহন্নবগী য়াম্নমক তঙাইফদবা লৈবী", নিংথৌনা রা মখা তাবদুনা হায়বকই, 'ঐখোয়না মসিগীদমক হোৎনদবদি নত্তে মসিদা কান্নবা ফংদবমক্তি নত্ত্রে খবা কান্নবা ফংলে তশেংনমক্কী নিংলিবা পান্দম মপুং

ফানা মায় পাকপা হায়নদুমক্তি য়াদ্রি।"

"ইনিংথৌ", তেনালীরাম্মা চেং নক অমা উৎলগা হায়বকই, "মসিগী চেং অসিগী মৌ হুল্লবদি কুম খুদিংদা থোক্লিবা চাথোক্কগী কুমশিংনা শরুক অহুম হেন্না চাথোক লৈগনি ।"

"য়াম্না ফবা ৱানিনা মদুদি, অদুম্নদি ওইরবগা মদুগী মৈদু শুন্নবগীদমক্তা থোইদোকপা থখন্নবা লমগী থৌবাং লৈহাউ চান্নবা চান্নদবা তঙাইফদবা লৈবমগদবা মাল্লি ।" নিংথৌনা হংই ।

"থোইদোকপা লৈগদৌবা নত্তে ইনিংথৌ । হোয় তৌবগীদি মসিদা যাম্নমক তঙাই ফদবা অমদি লৈতবা নত্তে, হায়দিকো ফৌ অসিবু হুনগদৌবিদ মীশক অদো অদুগা লৌ অসিবু উগদৌবিবা মীশক অসি তঙাইফদনা মহাক্না হেক পোক্লকপদগী হাকাম অমুক্তা চনলক্লিবা মী অমদি ওইবা তায়ে ।"

"নঙগা মান্ননা অপঙবা মী অমুক্তা উদ্রি ।" নিংথৌনা ৱা মখা অমুক শমথবকই, "কবি তাইবংপান অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমনা হাকাম সুকচন চন্দবা মীশক মখল অমা তোঙান্না লৈবীগদ্রা ?

"ঐদি কাডথোক্লুবো ঐ অসি তশেংনমক্কী অপঙবনি।"তেনালীবাম্না হায়বকই,

"য়াম্না নুংঙাইবে ইনিংথৌনা মাদুগী ৱাফম খঙবীববনিনা । ঐ হৌজিকমক মহাবানী তিকমলা দেবীগী মনাক্তা চৎলগা ঐ ইশাগী অপঙবগী মতৌ অসিগী ৱাবী তম্লুখিগে ।"

"নত্তে, নত্তে, ঐ ইশামক চৎলগা মাঙোন্দা তম্লুগে," নিংথৌনা হায়বকই । দববাবগী য়ুমজাও মনুং অদু নোকপগী খোঞ্জেলনা নিল্লী । দববাব লোইশিল্লবা মতুংদা নিংথৌনা বানীগী শঙ্গাইদা চৎলি । মখোয় অনি তাইশিন্নে । নিংথৌনা তেনালীবামদা সনাগী শেনপাক অমা পীবে, বানীনসু ।

~❀~

লাইয়েকপা তেনালীরাম

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না মহাক্কী অনৌবা সনা শঙ্গায় অমা শাহল্লক্ষ্মী। শঙ্গায় অসিগী ফক্লাংদা লাইয়েকপা হৈবা অফাওবা মী কৌবগা য়েংবদা মীগী পুক্লিং শুক্কৎপা ঙমগদবা লাই মখল শুনা মফম চাবা য়েং য়েংদুনা য়েকহল্লক্ষ্মী। মহাক্কী হন্দক্তা নৌনা শাবা লোইববা সনা শঙ্গাই অসিবু মহাক্কী দববাবীশিং য়েংহন্নিংদুনা মখোয়গা পুন্না লাকমিন্নখি। মখোয় পুম্ন মক্লা ফক্লাংদা য়েক্কুনা লৈবন্লিবা লাই ময়ামশিং অদুবু য়েংলগা মহাক মহাক্কী পুক্লিংদা ফাওবকপা ব্রাখলগী মমি শিংথানবদুনা থাগৎনবা হৌবকখি অদুম্ন দি ওইবগা তেনালীবাম থোইদোকপা হবাওবা নুংঙাইবা ফোংদোকপা য়াওদনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈ। মহাক্কা ইখঙ খঙহৌদনা অয়েকপা লাই অমা উবকই, মসিগী লাই অসি মমায় নাকচেপ নাস্মখক্তমক য়েকপনি। মহাক্কা হংলকই লাই অদুদা খুদোম্বী থিল্লগা, "ইনিংথৌ ইবুংঙো ঙাকপীগনি, মসিদা য়েক্লিবা মী অসিগী মমায় তঙ্খায় অমদি কদায়ব্রায়দা থমখ্রে।"

"নঙ অসিসু ওঙ্খোক্লা পঙখ্রবা মী হায়বদুনি।" নিংথৌনা নোক্লগা হায়বকই, "য়েকপদা য়াদবা মমায়গী শকক ব্রাখলনা শাগৎলগা উগদবনি।"

তেনালীবাম কবিমতা খুমদে, তুমিন্না লৈ।

থা অমগী মতুংদা তেনালীবান্না নিংথৌগী নাক্তা লাক্লগা হঙৎচৈ, "ইনিংথৌ, ননাই খুয়াখাদা নোল্লুকচবি। ননাই ঐহাক অসি থা অমা চুপ্না কন্না তমজদুনা লাই য়েকপা ফজনা হৈজবে। ঐ অসিনা ননাই ঐঙোন্দগী হেন্না য়াম্না অফ অফবা লাইয়েকপশিং ঐগী তুংদা লোইনমক

ইহুবন্নে।"

নিংথৌনা হায়বকই, "অদুগী রা ওইববদি য়াম্না ফবা রানি কয়দৌবগো। ওলাংথাদা লৈনবা ঐগী য়ুম অমা ফরাং হাংলি, নঙ ম.. ফরাংদা নহাক্কী হৈজবীদু উত্তুনা ফজনা য়েক্লো ।"

তেনালীবাম্না থবায় য়াওনা খুৎ চঙনা মহাক্কী হৈনজবী লাই খুৎয়েক কন্না য়েক্লি । থা অমগী মতুংদা মহাক্কা নিংথৌগী মফমদা হায়জবশ্মী,

"ননাই ঐহাক লাই য়েকপা লোইজবে, অদোম্না অদোমগী দববাবীশিংগা পুন্না লেংবীবক্লগা য়েকচবিবা লাইয়ামশিং মীৎয়েং তাবীববা য়াবীবগনি ।"

হৌজিক নিংথৌ অমসুং দববাবীশিং পুন্নমক্না নিংথৌগী ওলাং থাদা লৈনবা সনা শঙ্গায় য়ৌবক্লে । মখোয় পুন্নমক্না মহাক মহাক্না য়েংলুবিবা লাই উবগা মকোক পায়দবা কনা অমত্তসু য়াওখিদে । ফরাংদা য়েক্লন্নিবা লাই খুদিংমক মপুম ফানা য়েকপা অমতা য়াওবমদে । তোঙান তোঙানবা হকচাংগী শকক মতৎ মতৎ ঙাক্তনি । মফম অমদনা মিৎ নাম্মা, নাতোন মচেৎ, না নাম্মা, খোঙ-খুৎ পুন্নমক অসিনচিংবা মতৎ মতৎ ঙাক্তনি । নিংথৌ কৃষ্ণদেবা য়াম্না শাউনিংবা পোক্তুনা ঙংলদুনা হায়বকই 'কবিনো নহাক্না তৌবিবা পুন্নমক অসিনা ? কবিগী মপুম ফাহন্দনা মতৎ মতৎ য়েক্লি ?"

"ইনিংথৌ মসি রাখলনা শাগৎপীবগা উবীগনিদো ।" তেনালী চিংলেম্না মচিন শেল্লদুনা হঙ্গৎচবকই ।

খুদক্তা নিংথৌনা লাম্মী অনি কৌহল্লি। 'মসিগী লাম্মী অনি অসি অদুঙৈ তেনালীবাম্না শাজেগী মনা শকক ফংহনখিবা মীশক্তু ওইবমই । নিংথৌনা য়াথং তাওথবকই, "মসি পুক্ষো চৎলু হৌজিকমক, মশাগা মকোক্কা তোঙান তোঙান তাহনগদবনি । ঐ খোদৌ য়াম্না খিৎলে, মসিগী মীসিনা ঐগী কোনুং লোইনমক শিদোক্লে ।"

লাম্মী অনিগী খুত্তা তেনালীবাম শিন্নবা ফংবা অদুদদি মখোয় অনি হয়াওবগী মপা লৈখিদে, অমুক্তং তাঞ্জা ফংলবদি লম্মন শিংগে ঙাইদুনা লৈজরকপনি । ঙসিদি ঙাইজবকপগী মহুয় ফংলে ।

তেনালীবাম্না মখোয় অনিগী মফমদা য়াম্না নোঞ্জনা, খোল শিথরদুনা হায়বকই, "ঐ ঙসিদি নখোয় অনিগী খুত্তা চঙনা অতিয়া নোংমদোন থক কাখিবা হায়বসি শোয়দ্রে, অদু মসিমখক্তংদি নুংশিবীয়ুনে পুকচেল চাওবা নখোয় অনিনা । ঐ অসিনা শিদ্রিঙৈ হিংলিঙৈ পুম্রি অমদা ঐগী খ্বাং অসি য়ৌনা কুমথজবগা লাইগী লৈপাক অতিঙ্গুঙা য়ৌবা ঙমজনবগীমক অতিঙ্গুঙা শিদবা মপু মাগী খুয়াখাদা থৌনিজগেনে অথৌবা অনিবু ।" মহাক্কী নোঞ্জবগী মতৌ অসি উবগা লাম্মী অনিদু মপুক্লিং খবা নৌথোবকপগুম তৌই, মমায় মমায় ওনশিন্নবগা ৱাখল খনমিন্নে । 'মানা হায়জবিবসি থোইদোক অকায়বা লৈতে, মহাক শিগদৌবা লৈববনি।' মখোয় অনিনা হায়বকই,

"ফরে, ফবে, ঐখোয় য়াবীবগে, অদুগা হায়বীবিবসিনি, মবৈ মরাকা তৌগে লাক্লেকদি খঞ্জনু ।"

"এ : তৌজবোই, তৌজরোই, ঐ মদুম্নকা সুকতৌ তৌজবোই । নখোয় ঐগী নাক য়েৎ মায়কৈ অনিদা থাংশাং খুদুম চেৎনা পায়বগা লেপ্পুনা ঙাইবীয়ু ঐনা কবিগুম্বা চেনগে লাক্লেগা হোৎনবক্লবদি চিংনবা লৈতনা ঐগী ঙক অসে নখুত্তা পায়বিবা থাংশাং অদুনা তুবৎ ককথৎচৌ ।"

লাম্মী অনিনা খল্লি, 'মসিগী মীসি পুকচেল য়াম্না চাওবা জাৎনি মানা হায়বিবা ৱাফম অসি করি থোইদোকপা অকায়বা ৱা য়াওদে ।' অসুম্না মখোয় অনিনা তেনালীরাম পুম্রি অমগী মনুংদা ঈশিংদা খ্বাং য়ৌবা ফাওবা কুমথমিন্নরে অদুগা মখোয় অনিনা তেনালীরামগী নাকল অনিদা থাংশাং মখুৎ অনি চংদুনা চেৎনা পায়রগা মিৎ লাওনা পাংলগা মুন্না শংত্রিক তেনালীরাম্না লাই খুকম্বা য়েংদুনা ঙাইবি ।

তেনালীরাম মচিন্দা করি করিনো খঙদে, লাইশোন-তিনশোন ব্রং

ব্রং মিনিং মঙা তাবা শোনখৈ শোল্লগা মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা য়াম্না কন্না লাওরকই, 'শোয়দংলো ।" লাওরন্নগা ঈশিং মনুংদা চুপ লুপথখি । মখোয় অনি তেনালীবামগী লাইশোন ময়াম অদু তাবদগী পুম্নমং পংথকরে । মহাক্না খংপ্রেক খঙনবা লাওবকপদগী পাখৎপোয় কবিবোই তেনালীবামগী মঙক কক্লগে হায়দুনা থাংশাং অরোইবী থাদুনা হাইরকই, তেনালীরামদি লাওবন্নগা ঈশিং মনুং লুপ্তুনা লৈষ্রবনি । হায়বক্লিবা থাংশাং লেম্না মাংবা কৌবা য়াদবনিনা মখোয় অনিমক্কী ঙকশম তম্না পাইশিন্নবক্তুনা ঙক কেনখি ।

তেনালীবাম নিংথৌ কৃষ্ণ দেব বায়গী মনাক্তা মশা পুম্বা ঈশিং চোৎপদগী কংদনা মচুম অবব শিছ্না ইচোৎ চোংনা ফেং-ফেং লাকই । মতম অসিমক্তি নিংথৌ শাউবা ঈংলম্নে । য়াম্না ঙক্লা হংই, "নঙ কমদৌনা হিংহৌই ?"

"ইনিংথৌ অপঙ অনিদুনা ঐবু হাংকেদি হায়দ্রদনা মখোয় অনি য়ানশিন্নদুনা অদুম শিহৌবে ।" মহাক্লা থোকখিবা ৱাবী পুম্নমক মবিক চুম্না শেংনা লীদুনা তাহঞ্জে ।

"হন্দকমুক্তি ঐ নঙবু ঙাকপিবগে, মথং অমুক কবেম কথাইনবগী থবক থাদেক্লো ।" নিংথৌনা হায় ।

তৌইগুম্বসুং হায়জবগী ৱা হায়বদুনি, মহাক্কী কবেম্নবগী পবেং পবেং লোইবা নাইবা লৈতে ।

৵৵৵

হনুমগা শিজগে

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না মহাক মশাগী লৈবাক্কী অচৌবা শকক অমা ওইবিবা য়েক্লবগী খুত্তা লৈখ্রবা বায়চুব অমুক হন্না হঞ্জিন্বা গুন্নবগীদমক বীজাপুবগী সুলতান আদিলশাহগী মথক্তা লান্দাবক্লংনি হায়বগী পাউ ফংবদগী মহাক য়াম্না কিজবা পোক্লম্মী। মহাক্না মসিমসু তাবা ফংলম্মী, মদুদি কৃষ্ণদেবরায়না মহাক মশাগী মপাঙ্গল অমসুং মথৌনাগী মপান্না কোন্ডীব্রড়ু, কোংডপল্লী, উদয়গিবি, শ্রীবঙ্গপটনম, উমত্তুব অমসুং শিবসমুদ্রম অসিনচিংবা লৌশিনখিবগী পাউসু। সুলতান্না শহব অসি কন্বা গুন্নবগীদমক নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় হাত্তোকহন্নবগীদমক পাম্লে অমা কন্না থিবি। মসিগীদমক মহাক্না অচৌবা মনা পীগনি হায়দুনা কলকহল্লগা তেনালীবামগী মমাংঙেগী লাইবিক তম্মীন্নখিবা মহাক্কী মাম্মগী মবী মতা থোকপা কনকাবাজুগী মফমদা থবক অসিগীদমক য়ানদুনা শিন্নবম্মী।

কনকা বাজু অচৌবা মনা মীহৌবদগী তুংদা কবি থোক্লবা য়াবা, অদুগীসু মথক্তা মকপ হাংপা হায়বা অচৌবা পাপ অদুবুসু ব্রাখলদা চিংনবা থমদনা তেনালীরামগী যুমদা লাকখি। তেনালীবাম্না মতম কুইনা উনবা ফংলুদ্রবা মবী মতা অমসু ওইবা মকপ অমা ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা উবা ফংবদা থম্মোয় শেংনা য়াম্না নুংশিনা তবাম্না ওকলম্মী। মহাক্কী যুমদা মতম খবগীদমক লৈহল্লম্মী।

নোংমা তেনালীরাম কবিগুম্বা থবক অমগীদমক মপান্দা চত্থোকখি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা কনকা বাজুনা কৃষ্ণদেব বায়গী মফমদা তেনালীবাম্না থাবা পাউ মানহন্না চিঠি ইদুনা পাউ অমা থাই, "অদোম মতম অসিমক্তদা ঐগী যুমদা লেংবীবক্লবদি অঙকপা অমা উহঞ্জগনি, মসি

অদোমনা পুন্সি অসিদা উবা ফংবীদ্রিবা অমনি ।”

নিংথৌ পন্থবা তৌদনা খুৎলাই য়াওদনা তেনালীবামগী য়ুমদা লাকই । ইখঙ হওহৌদনা কনকাবাজুনা থাং ছুবি অমনা থিল্লকই । থাং ছুবিনা মশা য়ৌবক্লিন্তৈঙে মাংওইননা নিংথৌনা খোঙৈল থুনা লৈথোক্লগা কনকাবাজুগী খুদাং তাপ ফাক্লিজিন্নি । তাঞ্জা অসিমক্তদা নিংথৌগী ঙাকশেন লূচিংবনা কনকাবাজু ফাবগা মফম অদুমক্তদা মথ্বায় লৌই ।

ব্রায়েনগী মতুংইন্না, নিংথৌ হাৎনবা লৌতুনবা য়াওবা মী চংজফম পীবিবা মীশক অদু থব্রায লৌবগী চৈথাক ফংগদবনি হায়দুনা ব্রাবেপ তাবম্মী । হৌজিক তেনালীবাম শিবগী চৈবাক লাওথোবকখি । মহাক্না নিংথৌগী মফমদা মীনুংশি থম্বীদুনা থব্রায কনবীনবা হায়জৈ ।

“নিংথৌনা হায়বকই,“লৈপাক্কী ব্রায়েন চৎন-পথাপকী ব্রাংমদা চৎলবা নহাকপু ঐ ঙাকপীবা ঙম্লোই । নহাক্না অদুক য়াম্না ফত্তবা মীফম্ভ অদুবু নহাক্কী য়ুমদা লোত্তুনা থম্বা ঙম্লিবা নহাক অসিবু মতৌ কবম্না ঐঙোন্দা ঙাকপীবগী ব্রাখল থম্বা য়াবিব্রা ? হোয় মসিমদি ঐ ঙমগনি, নহাক মতৌ কবম্না, করম্বা মখলগী মীশি শিনিংই, মদু নঙ নশানা লেপচবা য়াগনি ।”

“ইনিংথৌ ননাই ঐ, ঐসি অতৈ কবিমত্তা পামজদে, হয়েং হনুবগা শিজনিংই ।”

তাবিবা ময়াম পুম্নমক ইঙক ঙক্লে । মসিদবু নোকপা নত্তনদি কবি লৈ । নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় পুক্নি তিংনা নোকই অমুক হায়বকই,“নঙ হন্দক্কীসিমসু হিংলে ।”

~❦~

হুইগী মমৈ

নোংমা কৃষ্ণদেবরায়গী দরবারদা কবিগুম্বা বাফম অমনা বাহৌদোক ওইবগা কন্না মরৈ য়েংনবকই। হিরম্না মীওইবগী শাজৎ শেমদোকপা ওম্মী নত্রগা ওমদে হায়বসিগী মরমদনি। মসিদা মখোয় খবা অমনা থাজবা থন্নগা খুদম চাংদম পীদুনা থন্নিবা বাফম্না হুইগী মমৈ কয়দৌনুংদসু চপ তিংহনবা ওমদে হায়বনি। মসিগী মবৈ চক্রি অসিদা বা আ : য়ৌনবক্রে। মসিগী মতাং য়ৌনরক্লবদা নিংথৌনা চপ চাবা পুক্লিং শেংদোক্লবগী থবক তৌবগে খল্লদুনা হায়বকই, "হৌজিক মরৈ অসি হুইগী মমৈবোমদা ওজিন্দুনা প্রমান অমা পুথোক্লবকলে, হায়বদি হুইগী মমৈ চপ তিংহনবা ওল্লবদি মীওইবগী বাখল লমচৎ চুমথোকপা ওম্মী। করিগুম্বা ওমদ্রগনা মীওইবগী বাখল লমচৎ চুমথোকপা ওল্লোই হায়বগী মায়ওন্দা লাক্লে।"

বাখল খলবা ওম্বা মী অমনা মহাক্কী বাখলদা লমচৎ শেমদোকপা ওমগনি খল্লি, মী অসিনা হায়বকই, "ঐগী বাখল, থাজবগী মতুং ইন্নদি, মওং চুম্না শেম্লীরবদি হুইগী মমৈসু চুমথোকপা য়াগনি।"

কৃষ্ণ দেব রায় ময়াম্না য়েংনবিবা মবৈ অসিবু পুক্লিং চমথোকননবা বায়েল খুমাং চাওশিন্নবা খল্লদুনা ময়ামগী মফমদা হায়রকই, "ময়াম্না মসি ওম্মী, ওমদে খওননবা য়েংবীবা তারে।"

মহাক্না খনগৎলবা মী তবাগী মফমদা হুইনাও অমমম পী অমসুং মখোয় খুদিংমক্তা থা তকক্কী মতম পী অমসুং থা খুদিংগী সনা শেল অমসু পী। থা তকক্কী মনুংদা হুই মমৈ চপ তিংহনগদবনি। মী তবাগী মনুংদা তেনালীসু অমনি। তেনালী নত্তবা অতৈ অতোপ্পা মী মাপল অদুনা থা তকক্কী মনুংদা হুইনাওগী মমৈ চপ তিংনা লৈনবা অচৌবা থৌরাং কয়ামরুম

পায়ৎনরকখি । অমনা হূইনাওগী মৈতোন্দা অকন্বা পোৎ য়াল্লি, মরমদি মমৈ চুম্না লৈনবগীদক্তনি, অনিশুবনা হূইনাওগি মমৈদা পিথ্রাই উতোং হূকচিন্দুনা থম্মী ।

অহুমশুবনা হূইনাওগী মমৈ কোঙ্গিনলক্তনবা হায়দুনা মবী মতাং খুৎলি শুবা হৈবা মী কৌদুনা নুংতিগী মবী শুহল্লী ।

মবিশুবনা মাইবা কৌদুনা লায়েংহল্লি । মহাক্কী রাখলদা থাজবা থল্লিবনা মাইবা অহৈবনা ফজনা লায়েংলবদি শোয়দনমক্কী মমৈ চপ তিংলকউ য়াগনি সিনি ।

তককশুবা মী অসিদি রাখল খনবা হৈবা মীশক্লি । মহাক্না তান্ত্রিক (লাই শান্নবা মী) অমা কৌবগা লাইশোন-তিনশোন শু-ফু কামহন্দুনা লাইথৌ কন্না তৌবি । তবেৎশুবা য়াম্না শিংবা মী অসিনদি হূইনাওগী মমৈদা থাং থাহল্লি । নিপালশুবা নিপা অসিমনা নুমিৎ খুদিংগী হূইগী মমাংদা ফন্নগা থা তকক চুপ্না পাউতাক তাকই, 'নমৈদু চুম্না তিংনা থম্বা তম্মু ইবো ।"

মাপলশুবা মীনা হূইদা নুমিৎ খুদিংগী অথুম অহাও পীজে । মানা খল্লিবনা অথুম অহাও নুংতিগী পীজববদি কোল্লিবা মমৈ অসি তিংথোবক্কনিসিনি । তৌনবিবা ময়াম পুম্নমক্তগী ইতোপ তোপ্পা তোঙানবা মওং অমদা তেনালীবাম্না হূইনাও হিংনবা, শিদনবগীদমক্তা খজিক খজিক পীজে । নোংমগী নুমিৎ অমতসু পুক থন্না চাবা ফংদনা হূইনাও হিংলি, শিবমক্তি শিদ্রি হায়বগী রাফম মঙাইবে, হূইগী মমৈ অশিবা হূইগী মমৈগা চপ মান্নবা কোঙ্গিম্বা ওমদনা থবাক থবাক য়াম্দুনা লৈ । শোয়দ্রে হূই মমৈ চপ তিংলে । থা তকক মপুং ফারক্তুনা নিংথৌনা মাগী মাগী হূই দরবাবদা পুখৎলকহল্লি । মী মাপলগী হূইশিংদি মশা মউ লোইনমক ফনা পুনবকই । অহানবগী হূইগী মৈতোন্দা য়াল্লিবা অকন্বা পোৎ লৌথোকখিবগা মৈতোন শৎ কোঙ্গিনলকই । অনিশুবগীসু উতোং শত্তোকপগা কোঙ্গিনলকই । লেমহৌবিবা তবেৎ অসিসু অন্ধাগী অন্ধানি চপ মান্নে । নিংথৌগী মাংদা

লোইনমক মমৈ কোল্লিনলকই । অথুম অহাও পীজবসু মগাই, মমৈ থাং থবসু, পাউতাক তাকপসু, লাইশোল-তিনশোন তৌবগু পুম্নমক অবেম্বনি। নিংথৌনা তেনালী য়েংলগা হায়বকই, "নহাক্কী হুই কদায় লৈ ? য়েংগে ? তেনালীবাম্না মহাক্কী শিকম-নাকম তৌববা হুই নিংথৌগী মাংদা পুথোবকই। হুইগী মশা পুমহিক হিকথবে, চুম্না লেপ্পা ঝাজবে, মমৈ মশানা থাঙ্গৎচবা ওমদনা অশিবগা চপ মান্ননা তিংনা য়াম্বদুনা লৈবী ।

তেনালীনা হায়বকই, "ইনিংথৌ, ননাই ঐহাক হুইগী মমৈ চুম্বা ওমজবে ।'

"মসিগী মীসিবো কদায়দগীনো !" নিংথৌনা হায়বকই কবি খওজদবা শা অসিদা নঙ মীনুংশি খজিক্তফাওবা পোক্তে ? নঙনা মসি সুকপী পীজদদুনা হাৎলে, পীজমন্দদনা কনাগী মমৈ ফাওবা লেংবা ওম্বগী পাঙ্গল লৈজদ্রে ।"

"ইনিংথৌ, অদোম্না কবিগুম্বা হুই মশা নোয়নবা পীজ পীথক তৌদুনা থাকউ হায়বীবম্নবদি ননাই অখাকপা কবিসু লৈবন্নোই । সুপ্লতগী হুইগী মমৈ চপ তিংনবগী য়াথং তৌবীখি। হুইগী মমৈ চপ তিংহনগে হায়বা তাববদি হুই মপুক থন্না পীর্জদবা তাবা, মসি নত্তনদি ননাই অতোপ্পা পাম্বে লৈজদ্রে । তশেংনমক্কীসু অচুম্বা চৎলু য়াদ্রবা মীওই অদুদি হোয়, অদোম্না মী অদো অমম্বা কাখু মচা অমদা থোঙ লোনশিন্দুনা থম্লগা পীজদবা মতম অদুখক্তদা মহাক্কী ফওবা লমচৎ অশিবা ওলহম্বা ওমগনি ।



মিত্রং হৈবা মায়থিবা

খুৎ-শা য়াম্না হৈ-শিংবা দিল্লীদগী মিত্রং শান্নবা নিপা অমা বিজয় নগবদা মহাক্কী মিত্রং উৎপা লাক্লম্মী। নিপা অসিনা অঙক অঙকপা মিত্রং তৌদুনা মীয়াম পংথহনবা ঙম্মী। মহাক্না নুং সনাগী শেনয়েক ওলহনবা ঙম্মী। মহাক মশাগী মঙক মথন্তা ককথৎচবগা অককপা কোক মশামক্কী মখুৎনা পায়বগা কোয়না চৎলি অমসুং নিংথৌদা উৎলি। নিপা অসিনা নিংথৌদা হায়বকই, "ইনিংথৌ! ননাইনা খুয়াখাদা নোল্লুকচবি, কবিগুম্বা ব্রাফম অমতং হঙ্গৎচবি, পুক্লিং চিংশিনবীগনি, অদোমগী লৈপাক অসিগী মনুংদা ননাই ঐহাক্না মান্ননা লম্বা ঙম্বা মী লৈবোই, ঐনা ফোংনা শিংনজবি। ননাই ঐগা মহৈগী চাং অহেন অথোই তান্নবদা কবিগুম্বা ঐনা হম্বববা অদুগা মহাক অদুনা ননাই ঐহাকপু মায়থীবা পীবা ঙন্নবদি ঐগী কোক অসি মহাক্কী মমাংমক্তদা লৈপাক্তা কেম্বীগে।"

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় নিপা অসিগী নাপলগী ব্রাঙাং তাবগা মখোয়দৌ থিৎলমই। মহাকনা তেনালীবাম য়েংদুনা হায়বকই, "কবিগুম্বা নহাক্না মী অসিগী নাপল মমু য়ৈথেকপা ঙন্নবদি, ঐনা নঙোন্দা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা তবং তবং মনা পীগনি।"

"ননাই ঐহাক সনা য়াথং তুংইন্না থৌবাং লোইজবো।" তেনালীবাম্না কবি লৈতনা য়াম্না লায়না হায়বকই।

তেনালীবাম মিত্রং হৈবা মী অসিগী মনাক্তা য়াম্না উশিৎ থৌওইদনা প্রপ-প্রপ চংলক্তুনা হায়বকই, "নহাক নাপল য়াম্না তৌবেনেকো ? ঐ নঙোন্দা চাওথোক্না শিংনবি খঙউ ? ঐনা মিৎ অসি উইশিল্লগা তৌবা ঙম্বা থবক অদো নহাক্না কবিগুম্বদসু মিৎ পাংলগা তৌবা ঙমগদবা সুকৈ

লৈতে ।"

"কান্নরোইদবা ঝানি, ঝাজাও ঙাংলগা ?" মিত্রং হৈবা নিপা ঝা মখা তারকই, "নহাক্না মিং উইশিল্লগা তৌবা ঙম্না থবক অদো, ঐনা মিং পাংলগা তৌবা হেক ঙমদ্রবা, ঐগী কোক অসি নঙোন্দা সে শিন্নবীগে ।"

"ফরে ফবে, অদু ওইববদি য়েংনবসি" হায়বগা তেনালীরাম্না মোরোক অশুবা মকুপ খবা পুবকহল্লে অদুগা মমিং চেজেং উশিল্লি অমুক মোরোক মকুপ খুবাম অমমম উইশিল্লিবা মিং অনিগী মথক্তা হাপচিল্লি লোয়নননা মিনিং অমা লেংদনা লৈ । মদুগী মনুং অদুদসু মহাক তুমিন্না লৈবা নত্তে নোক্লিবনি । মিনিং অমগী মতুংদা মহাক্না মোবোক মকুপ শেংনা কহোক্লগা ঈশিংনা শেংনা চামথোক্লগা মিত্রং হৈবা নিপা য়েংদুনা হায়বকই, "ঐনা হৌজিক নহাক্কী নমাংখক্তা নত্তনা ইনিংথৌ অমসুং মীয়াম মমাংদা মিং উইশিল্লগা তৌখিবা থবক উহৌবেদনা, হৌজিক নঙ অমুক নমিং পাংলগা তৌবো ।"

মিত্রং হৈবা অফাওবা নিপা চেন্দুনা হিংগদবা লৈতবনা হায়দোকখিবা ঝা ঙাক্না তেনালীরাম্নগী মফমদা মায়থিবে হায়বা মশানা য়াজবগা লোয়নননা হায়বকই, "ঐগী কোক অদোমগী মাংদা লৈজবে ।"

"ঐঙোন্দা নহাক্কী নকোক অদু করিসু চন্নফম লৈতে । ঐ ইনিংথৌগী মফমদগী ফংগদৌরিবা মনা অসিনা অদুম পেঞবে ।"

তেনালীরাম্না হায়রকই ।



লোম্না পাউ লৌবা লাকপা মী লোইশিনবা

মতম অসি নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না বায়চুব, বীজাপুব অমসুং গুলবর্গদা লান তৌনবগী থৌবাং তৌদুনা শেম শাবিবা মতম্লি । মহাক্না মহাক্কী বাজ্যপালশিংগী মফমদা লাম্মী ওইহন্নবা মী অমসুং শেন-থুম খোমজিন্নগা থাবক্লবগীদমক খণ্ডহল্লি । মহাক্কী ৱাখলদা লানগীদমক থৌবাং নিংথীজনা চেকশিন্না থম্বা অমসুং শেন-থুম মবাং কায়না পৈশিন্বা লোয়ননা লাম্মী মশিং হেন্দোক্লা থন্নবদি য়েক্লবশিং মগুক হাইগৎলক্লবসু মদু য়াম্না লায়না থুদেকপা ঙমগনি লৌই । উবিসাগী নিংথৌ মাগী খুত্তা মায়থিবা নংখ্রে। হৌজিক অমুক অবাংগী মুস্লিম লৈবাকশিংদা মিংয়েং থম্লবগী তাঞ্জা ঙাইদুনা লৈবী । মহাক্কী অসিগুম্বা অকনবা থৌবাং অমগী মখা পোন্না লৌখৎলিবা থৌবাং অমসুং লাম্মীশিংগী মথৌনা মবিংজেল, পাঙ্গল অমসুং মখোয়দা লানগীদমক তম্বীরিবা খুৎতম্বী উবগা বীজাপুবগী সুলতান পুক্লিং লৈতাফম খণ্ডলমদে । মরমদি কবিগুম্বা কৃষ্ণদেববায়না লান্দাবকপা থোক্লবদি মহাক্লা মশাগী লৈপাক কনবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতে। মসিগীদমক মহাক্লা মুসলমান জাসুস (লোন্না পাউ লৌবা মী) 'বাজা সাহব' বু ব্রাহ্মন (বামোন) গী ফিজোল শেৎহন্নগা বাজা অম্মব শাহন্নগা বিজয় নগবদা থাবকই । মহাক্কী মফমদা শিন্নবক্লিবা মকওইবা থৌদাংনা মীনম-লৌনমগী শবৌ লাংদা কৃষ্ণদেব রায়গী পুক্লিং শুদ্ধংপা, কৃষ্ণদেব বায়না মহাক্কী মফমদা তশেংনমক্কী থাজবে খণ্ডলবা মতুংদা মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা অচেংবা তাঞ্জা ঙাইবগা হাংপা অসিনি । সুলতান্না খল্লিবা ৱাখলসু কৃষ্ণদেব বায় হাংপা ঙন্নবদি কুমসি চহিসিমদি লান্দাবকপা ঙন্নবোই, মবমদি নিংথৌ হাংখিবনা মরম ওইরগা লৈপাক কাং-খোং চাইবগনি । চবাংনবিঙে

মনুং অসিদা খুদোং চাবা লৌদুনা লান তাসিন্দুনা খুদুম চনবা মসিগী পান্দমনি । বাজা সাহব মথুবাদা লৈবা মীনি। মহাক লাইবিক লাঈসু য়াম্না হৈবা মীশক অমসু ওই । মহাক মথুরাদা লৈবা সুলতানশিংগী শাগেনি । মখোয়শিং অসি বিজয় নগবগী নিংথৌশিংনা তাম্থোকখিবনি । মখোয়গী মপা মপুনা মায়থিবা নংখিবগী লম্মন খুম্নবগী তাঞ্জা বাজা সাহেবকী খুত্তা লাক্লবনি লৌজবমই । মহাক ধর্মদা য়াম্না হকচিনবা মুসলমান্নি। মহাক কুচু মুই অমসুং তামিল বামোনশিংগী চৎন-লোনচৎ য়াম্না মুন্না খঙই । মহাক তামিল বামোনগী ফিজোল শেৎলগা বিজয় নগবগী দববাবদা চংলকই। দববাবদা চংলক্লগা মহাক্লা সংস্কৃত লোলদা য়াম্না শেংনা বেদ শাস্ত্রশিং পুবানশিংগী কুম্মোগী শকক পাদুনা তাহল্লি ।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় লাইবিক লাইসু হৈবা মীবুদি ইকাই খুম্নে। মবম অসিনা অশেংবা বাজা সাহব নত্রগা শাশিন্নবা বাজা সাহব মহাক্কী দববাবদা থোইদোকপা মফম অমা থম্মী । মাঙোন্দা অহিং নুংথিল হায়বা মতম নাইদনা কোনুং মনুংদা চংনিংবা মতমদা চংবদা অথিংবা লৈত্রে । অহানবগী মতম খবদি মহাক মিকুপ নাহুম শিংনা য়াম্না চেকশিন্না লৈ, মসি পুম্নমক কোকখিদুনা তপ্না তপ্না কোনুং মনুংদা লম্মিৎ-তুমিৎ খঙদোক্লবা চখোক চৎশিন কোইবা হৌরক্লে । মহাক্লা অসুম্না কোইবগী মবম কবিগুম্বা খুদোংচাবা ফংলবদি নিংথৌ হাৎপদা খুদোং চাগদবা মফম থীবনি । য়াম্না লুবিবদি নিংথৌনা চখোকপা মতমদা মহাক্কী মী খবদি মতম লৈবখিবীক্তা লোয়নদুনা চৎলি । অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা নিংলীবনি হায়দুনা অনীংবা পাংথোক্লবা থৌবাংলুবা থোক্লবদি খুদোংথীবা নংবা নত্তনা অতৈ কবিসু লৈতে । তেনালীবাম মতম লৈব খিবিক্তা নিংথৌগা লোয়নমিন্নে । মরম অসিনা মাঙোন্দা রাজা অয়য়বনা য়াম্না তুক্কচবা মিৎয়েংনা য়েংই । তেনালীবাম্নসু মহাক্কী শাজৎ-লিচৎ, মিৎয়েং-নায়েং অফবা অমা ওইনা লৌবা ঙমদে । মাঙোন্দা মতম লৈবখিবীক্তা মসিগী মী অসি অওইববু ওবিগদ্রা নত্রগা শাশিন্নববু ওইগদৌবিব্রা হায়বগী চিংনবা অমদি মিকুপ

খুদিংগী মথন্তা ব্রাহং তৌজে। মহাক্লা বাজা অয়য়র শাশিন্নবগা লাক্লিবা মী অসি তশেংনমক্কী মুসলমান মচানি হায়বসি খণ্ডবা ঙম্লে অমসুং ফাবা ঙম্নবা চক্রি হৌবকখি। নোংমা তেনালীবাম্না নিংথৌগী মমাংমক্তদা ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা বাজা অয়য়বদা হংই,''অদোমগী বেদ অমসুং গোত্র কবিনো ?"

"কৃষ্ণ যজুর্বেদ অমসুং গোত্র সংস্কৃতিনি।" কান্নদনা অয়য়বনা খুমই।

অয়য়াবনা চৎখ্রবা মতুংদা নিংথৌনা তেনালীবামদা হংই, "নঙনা ব্রাহং অদু মাঙোন্দা কবি নিংদুনা হংলি ?"

"ইনিংথৌ ইবুংঙো, মসিগী মী অসি মুসলমান জাসুস ওইগনি চিংনৈ . মী অসিগী মফমদা থাজবা থমদ্রিঙৈগী মমাংদা ঐ মহাক্কী মহাউ কংদুনা য়েংনিংই । লৌনম্বা মাগী মফমদা নুংশি মিৎয়েং য়েংলুববদি মাঙজবা নত্তনা কবিসু ফংলোই ।"

"কবিনো নহাক্লা পুখৎলক্লিবা ব্রাফম ? নহাক্লা হৌজিক ফাওবদা মহাকপু চিংনবা পোক্লি ? মহাক্লা নঙোন্দগী হেন্না সংস্কৃত হৈ, লাইনিং-লাইশোল, তিনশোনগী চৎন-কাঙলোন্দসু নঙোন্দগী হেন্না ফজনা লুনা তৌই।" নিংথৌনা হায়।

"মদু তৌবগা করি তৌই হায়বীবি ? তেনালী ব্রা মখা তাবকই, মপান লমদগী লাকপা মীতোপচানা মতম লৈবখিবীক্তা লৈপাক অদুগী লোল য়াম্না মুন্না শেংনা ঙাং-শকপা ঙম্নবা হোৎনগনি, মদুগীসু মথক্তা থোইদোক্লা য়াম্না মক ওইনা লাই খুকম্বগী চৎন-পথাপ অমসুং থৌগল্লোন মসিনচিংবা তঙাইমক ফদনা হৈবক্কনি।"

"নহাক্লা পল্লিবা ব্রাফম খবা মখৈবুদি খন্ননঙাইনি অদুম্নদি ওইবগা ঐগী পুক্লিং অসিনা থাজৌ হায়বা ঙমদে। ঐ ইথক্তমক হাৎলগা সুলতান্না কবি ফংগনি ? ঐ হাৎলে হায়না লৌবসি, ঐগী লাম্মী লাখ লাখতি শিবোই।" নিংথৌনা হায়।

"হয়িংখোই মহুম অমদা সুপ্লতগী মপী অমখক্তনি, মপী শিববদি

মহুম লৈরবোই, মদুগী মতৌগুম্না নিংথৌ লৈত্রবদি লাশ্নী পুন্নমকপু লাকশিন্নীনবা মপু লৈতবদগী পুমচায় চায়ত্রগনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়েক্লবনা ইকোম কোম্না খুদুম চন্নদা বাররোই। বাফম থমজবগা লোয়ননা ইনিংথৌনা কবিগুম্বা য়াথং পীনবীবগী তাঞ্জা অদু ইখুত্তা ফংজববদি ননাই ঐনা মী অসি য়েক্লবনা থারকপা অরোনবা মী অমরা হায়বদু খঙবা ঙমগনি।" তেনালীবাম্না হায়বকই।

"মদু মতৌ কবম্না ?" নিংথৌনা হংই।

"য়াম্না লায়বা লৌশিংনি, ননাইনা পাংথোকচগদৌবিবা থবক অসিনা মহাক্কী অথুপ্পা মচৎ মথন্তা ঐ সিদা লৈবে, মবন্নাই ফোঙদোকচবক্কনি।" তেনালীবাম্না হায়বকই,

"মদুগীদমক ওইববদি ঐনা নঙোন্দা য়াথং পীববনি। অদুগা বা অমনা নহাক্লা পাংথোকপা পাম্লিবা থবক অদু ঐগী মাংদা পাংথোক্কদবনি।মদু নত্তনদি মহাক্কী মবাল চুপ্লে হায়না লৌবা ঙম্লোই, মাঙোন্দা অবাবা নংহন্নিংদে।" নিংথৌনা হায়।

মখোয় অনি ঙাংনবা নুমিৎ অদুগী অহিং অদু রাজা অয়য়ব মহাক্কী কা মনুংদা ইশি শিনা তুম্লি। মফম অসিদা তেনালীবাম অমসুং নিংথৌ কৃষ্ণদেবরায় মখোয় অনি পুন্না লাকমিন্নে। তেনালীরাম্না ইশিং অঈংবা পিক থন্না য়াওবা বাল্টি অমা অশিবগী পাংখক্কা মান্ননা নিংঙাইদনা তুম্লিবা রাজা অয়য়রগী মথক্তা ত্থায় হৈজিল্লি। অয়য়ব খংপ্রেক খংনা ফুক হৌগৎলি। অমুক ফমথবগা, "য়া অল্লাহ! য়া অল্লাহ!" শোল্লি। মাংদা তেনালীবাম লেপ্তুনা লৈবম্বা উরকপদগী থাংশাংনা হাইবগে তৌবগা কৃষ্ণদেব বায়না খোঙলৈ থুনা নাকন্দগী থাংশাং শৎলগা অয়য়রগী ঙক অমসুং হকচাংগা তোঙান তোঙান তাহল্লি। মতৌ অসুম্না তেনালীরামগী হৈ-শিংবা লৌশিংগী মপান্না নিংথৌবেল কৃষ্ণদেববায়গী পুক্তি কনবা ঙমহৌই।

~*~

খুবাক্তা তু হৌবা

নোংমা নিংথৌ ক্বৃষ্ণদেব বায়না তেনালীদা হা অমা হংই, "ঐবু হা অমখক খঙবা সুকঙম ঙমদনা লৈবে তেনালীবাম, মসি অতৈ কবিসু নত্তে, ঐখোযগী খুবাক্তা তু হৌদ্রিবসিগী কবি মবম লৈবদগীনো ?"

তেনালীরাম্না পাউখুম পীরকই, "ইনিংথৌ ইবুংঙো অদোমগী খুবাক্তা তু হৌদ্রিবসিগী মবম অতৈ কবিসু নত্তেদো, হায়বদি অদোম্নদি নুমিৎ হেক খুদিংগী লৈত-লাইব তোল্ল তারবশিংগী মফমদা নুংশি থৌজালবীদুনা দান তৌবী, দান অদু পীনবা হোৎনবদা ঙাইহাক হেক লৈতনা খুবাক অনি তক্লবা, মদুদা তু হৌবা ঙমদবা ওইগনিদো ।" তেনালীবামগী খুন্নক্লিবা পাউখুম অসি তাবগা কৃষ্ণদেব বায়গী পুক্লিংদা মথন্তা পেঞ্জবা ফাওই । মথং অমুক হংলকই, "য়াম্না নুংঙাইবি নঙগী হা তাবগা, ফবে, অদুগা নহাক্কী খুবাক্তা হৌদ্রিবদুনা কমদৌবিবা ?" তেনালীবাম্না মসিগী পাউখুম পীবকই, "ইনিংথৌবু য়াম্না নুংঙাইজে, ইনিংথৌনা ননাই ঐগী ইফমদা থৌজালগী ঈবিক নোংমা কাংদনা দানগী ঈরিক খিকপী, মসিদা মদু লৌনবা হেক হোৎনজবখক্তদা খুৎ অসে ঙাইহাক লৈতনা তৈথোক নাম্বোকপমক্তদা ননাইগী খুবাক অসিসু তু হৌবক্লবগী মতম শংদে ।"

ইখঙ খঙহৌদনা নিংথৌনা অমুকসু হংলকই, " অদুগা ঐখোয়গী দববারশিং অসিগী মরম্না কবিগী ?"

"ইনিংথৌ ইবুংঙো ঙাকপীগনি, অদোম্না ননাই ঐঙোন্দা দান পীনবীবা খক নত্তনা অতোপ অতোপ্পা মীগী মফমদসু দান তোয়না তৌবী, মতম অসিদা মখোয়গীদমক্তদি কনা মতেং পাংবীনবা লৈজদ্রবা

দববাবীশিংনা কলজুনা খুবাক অনি পায়শল্লগা হেক নোইবা, মদুদা ওইবে তু হৌবা ওমদবা ।" তেনালীবান্না পাউখুম পী ।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না তেনালীবামগী খুদক্কী পাইবক্কী লৌশিংনা হংবগা খুন্বা ওন্নগী লৌশিং উবগা মথায় পেনমনখিবদগী সনাগী শেন চাম্মা শেনপাক্তা হাপ্লগা মনা পী ।



চাক্লিরম্বদগী ইনাকখুনবা মহাজনগী মিংথোল

নোংমা তেনালীবাম লম্বেলদা কোইবা অসুম চৎলি, তাল্লক অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা চাক্লিবা নিপা অমা লাক্লগা মহাক্কী মনাক্তা চপ লেপ্লম্মী। তেনালীবাম্না চাক্লিবা মী অসিদা য়েংলগা মহাক্কী ফিভম অদুদা পুক্লিংদা মীনুংশিগী ৱাখল অমা পোকলক্লুনা শেন খবা হাপকে খন্দুনা ফুবিংখাও হুমজিল্লি। চাক্লিবা নিপানা তেনালীবাম য়েংলগা মখুৎ থাঙ্গতুনা খাল্লগা হায়বকই, "মীথোই মীহেনবা ইখাইখুন্নজববা তেনালী ইবুঙো, ঐ অদোমগী মফমদগী মীনুংশিগী শেল পামজদে। ৱাফম অসিমখক্তংগী পাউতাক পীনবীবম্মু, অদোমগী ৱাহৈনা ঐগী থম্মোয়নুংগী অৱাবা ফিভম অসি কোকহনবা ঙমগনি নিংজে।"

তেনালীরাম্না খোইরাংনা হংলকই, "হায়য়ু তাসি, ঐনা নহাক্কী নতেং কবি কবন্না পাংবা ঙমগনি ?"

চাক্লিবা নিপানা ইকাই হঙ্গোয়বপ তৌনা হায়জবকই, "ঐ অসি য়াম্না লাইবজবা মীশক অমনি, অদুন্নদি ওইবগা ঐগী থম্মোয়না খ্বায়দগী পামজবিবসি মীনা ঐঙোন্দা মহাজন, মহাজন কৌবকপদু ওম্থোক্লা পামজখ্রবা, অদৈদা কবিদি পাম্বে লৈবীগেদো।"

"হুসে, হেবা ! অদুগী ৱা ওইবেকো, অদুক লায়বা থবক্লুবো ? ফবে, তেনালীবাম্না মখা তাবকই, "মদুগী ৱা ওইবে নঙনা অদুক ৱানা খল্লুবিবা। তোকও খল্লুবনু। ঐ তাক্কেকো, মুন্না তাও, নঙ মফম অসিদগী খবা লাপ্তক্লা চখোক্লগা লেপ্লুবো চো, অদুগনে নঙোন্দা কনাগুম্না মীনা 'মহাজন, মহাজন' কৌবক্লবদিকো, নঙ মখোয়শিং অদু ফুগে হায়দুনা

কোইতান কোইতান তান্নগদবনি, খগুলব্রা। মদুদগীদি নগু য়ারে, কুইববোইদবনি গুাইহাক্কী মনুংদা "মহাজনগী মিংথোল ফংদুনা ফাওরগদবনি চো চো।"

চাক্লিবা নিপা তেনালীবামগী পাউতাক তুংইন্না খবা লাপ্তুক চথোক্লগা লেপ্লগা লৈবম্মী। সোমদনা তেনালীরান্না শান্নদুনা লৈবা নিপামচা খরদা হায়, "য়েংগুোই, য়েংগুোই, অগুাংশা, য়েংগুতু! অসিদা লেপ্লিবা নিপা অসে উবেদনা, মসিগী নিপা অসিদা 'মহাজন' কৌ, য়ান্না শাওবনি, লক্লৌ য়ান্না নুংগুাইবনি.।"

নিপা মচা হায়বসিদি খিগৎলগে লৈজবীবনি ? অদুম্নকা ইপ্নিনলক্লবদুদদি মতোন থোকপা হায়বদু য়ৌবে। মখোয় ময়াম য়ৌ য়ৌ হুপচিন্দুনা চাক্লিবা নিপাদা 'মহাজন মহাজন' কৌদুনা লক্লবগা অমুক হৌ থাদুনা চেল্লি, চাক্লিবা নিপা অগুাং কন্না তান্নে। ফিভম অসি উবগা অউবা মী মখেনসু মতৌদু য়েংবদা নুংগুাইবদুনা মখোয় য়াওনা 'মহাজন' কৌদুনা লক্লে। কুইদে মহাক্কী পুক্লিংনা হেক পামজবা মিংথোল 'মহাজন' ফংজবা অসুন্না শহবদা 'মহাজন' গী মিং শেগাক কায়না ফাওখি।



মীনম্বা জ্যোতিষী

বীজাপুবগী সুলতান্না বাজা সাহবক লৌতুনবগা নিংথৌ কৃষ্ণ দেব বায় হাৎননবা থাখিবা অবোনবা মায়খুম উপ্পা বাজা সাহব তেনালীবামগী মাংদা লোৎপা ঙমদবদগী হাৎখিবগী পাউ সুলতানগী নাকোং য়ৌবে । তাবা ফংলিবা পাউ অসিগী মথক্তা অতোপ্পা পাউ অমনা নিংথৌ কৃষ্ণ দেব বায়না বায়চুব (বীজাপুব) গী মথক্তা লান্দানবা শেম শাদুনা থৌরাং পুন্নমক লোইবে হায়বগী পাউসু ফংই । পাউ অসিমক্তনা সুলতানগী পুক্রিং ঙাইহাক ফাওবা লৈতানা লৈবা ঙম্লমদে । মসিগী মরু ওইবা মবমদি বিজয় নগবগী মথৌনা মবৌশিং লৈবা সেনাপতিগী লুচিং মখাদা মথৌনা লৈববা লাম্মী কয়ামকম লৈবী । মখোয়শিং অসিগা মায়োক্নবদা লম্বা ঙম্লোই অমসুং লান শোয়দনমক্কী মায়থিগনি হায়বসি মহাক্না খঙবা ঙম্মী । লান শোক্নবা নত্তনা অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা কৃষ্ণদেব রায় কিহল্লগে পুক্রিংদা লেপ্লে। মহাক্না খল্লিবা মক ওইবা পাম্বৈদি পাণ্ডিগা লৌতুনবগা লৌনমগী লাং থাকপনি । মসিগীদমক মহাক্না বিজয় নগবগী নিংথৌগী পাণ্ডী অমদা লুপা লাখ অমা পীবগা মহাক্কী মী ওইনা তিন্নবম্মী । সুলতান্না পাণ্ডীদা চিবোল তৌদুনা খুজিন্না শিক্কুনা তুংগী লাইফাও অমা ফাওবীনবা তকশিনলম্মী। লাইফাওগী মবোলনা কুমশি চহি অসিগী মনুংদা কবিগুম্বা ইনিংথৌনা তুঙ্গভদ্রা তুবেল লাম্থোক্নবদি থবায় মাংগনি ।

মীগী শেন চাথোক্লববা পাণ্ডী শেন কোকথোক্লবগীদমক নিংথৌগী মফমদা তুংদা থোক্লগদবা ফত্তবা মহয় হঙ্গৎচৈ । মহাক্কী তুংদা ওইবক্কদবা লাইফাও তাবগা নিংথৌ নোক্তবা ঙমখিদে, হায়বকই, “মতম অসিদা লান তৌবদা খুদোংথীবা নংগনি হায়বা নহাক্কী জ্যোতিষকী তুংদা ওইবক্কদবা

থবক্কী মহয় ঐনা য়াবা ঙম্লোই । দরবারীশিং অমসুং সেনাপতিশিং জ্যোতিষকী বা থাজবা থমদুনা তশেংনমক্কী নিংথৌগী থবায়গীদমক নুংনাংবা পোকই। মখোয়না নিংথৌগী পুক্লিং থেমজিল্লদুনা হায়, "ইনিংথৌ পুক্লিং তপথবীগনি, মী করোড় কবোড় ঙাকপী শেম্বীবা হায়বসিগী অচৌবা থৌদাং অদোমগী খুত্তা লৈ অমসুং অদোমগী মফমদা থাজবা পুম্নমক্না থমজরিবনি । য়ামদ্রবদা মসি পুম্নমক্কী য়াখল পুক্লিংদা থম্বীয়ু লোয়নননা অদোমগী পুন্সিদা খুদোংথীবা নংহন্নিংদে । অমদোম্না চহি অমতং ঙাইবীবদা য়াম্না হেন্না মতম শাংবা অমা ওইগদবদি নত্রি । অদোমগী পাঙ্গল, থৌনা অমসুং লিংজেলগী মাংদা বীজাপুব লিংফম লৈতে । মদু খুদিং লৈজববসু লাইবক হায়বা অসিগা লোয়নননা লাম্ছেংনবা হায়বসিদি খুদোংথিনিঙাই মশক ওইগনি । অদোম হৌজিক লানগী থৌরাং লৌখৎপগী খোঙথাং হপে দাকপীবনা হেন্না অফবা ওইগনি ।"

শোমদসু বানীশিংনসু বীজাপুবদা লান তৌবা চহি অমতং পন্থুবীনবা মহৈ মহৈ তকশিন্নবকখি ।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় চিববা তাঙ্গা লাক্লবা মতমদা তেনালীবাম নত্তনা অতৈ কনাগুম্বা অমত্তগা তানফম লৈতে । মহাক্না তেনালীবাম য়েংলগা হায়বকই,

"ঐ বীজাপুবগী মথক্তা লান্দানিংই, অদুবু ঐগী বানীশিং লোয়নননা দরবাবীশিংনসু লান তৌদনবা কন্না থিঙনিংই ।"

তেনালীবাম্না কৃষ্ণদেব রায়গী পুক্লিং থৌগৎলদুনা হায়বকই, " তুংদা ওইবক্কদবা লাইফাওদা কবিবু হেন্না থাজবা থমগনি ইনিংথৌ ।"

"ঐনা পাম্মী মদুদি কনাগুম্বা মী অমনা পাঙ্গীনা তুংদা লাক্কদবা থবক্কী মহয় মাংজৌননা পীবা ঙম্বা হায়বসি ওইথোকপা য়াবোই হায়না খুদম চাংদমগা কোন্ননা পীবা ঙম্লবদি ঐনা মাঙোন্দা সনাগী শেনয়েক লিশিং তবা মনা পীগনি ।" নিংথৌনা ময়াম মমাংদা লাওথোরকই ।

"মসিগী থবক অসি ননাই ঐগী ইফমদা শীন্নবীরবদি... । তৌবতবু

য়ানগদবা রা অমদি লৈবী, মদুদি পাণ্ডী অদুগী মীনম্বা রা ঙাংলকপা খঙবা ঙম্লবগীদমক মহাক্কী মথক্তা চৈবাক্কী ফিভম লাক্লবা মতম অদুদা ননাইনা মহাক্কী মথক্তা চৈবাক পীবা মতমদা ইনিংথৌনা ননাই ঐবু ঙাকপীবা ।" তেনালীবাম্না হায়বকই ।

"কবিগুম্বা পাণ্ডীনা মীনম্বা রা ঙাংলক্লবদি নহাক্লা মাবু শিবগী চৈবাক ফাওবা পীবগী নথৌ ঙম্বা পীববনি ।" নিংথৌনা য়াথং তাওথবকই ।

তেনালীরাম্না মসিগীদমক মহাক্কী মকপ সেনাপতি আপদ সহায়নগা লোয়ননা থৌনাং অমা খন্নদুনা লেপথোক্লে ।

মথংগী নুমিত্তা তেনালীবাম্না নিংথৌগী মমাংদা পাণ্ডীদা হংই, "ইকাই খুম্নজববা পাণ্ডী ইবুংঙো, অদোম্না তুংদা থোক্লগদবা লাইফাও পীখিবা পুম্নমক মতম লৈবখিবীক্তা চুমদুনতা লৈখিব্রা ?'

"রাফম অদুদা কবি চিংনৈ ?" পাণ্ডী রা মখা তাবকই, "কবিগুম্বা কনাগুম্বনা ঐনা পীবিবা তুংগী লাইফাও অসিদা চুমদে হায়না খুদম চাংদম পীবা ঙম্লবদি, ঐ মহাক্কী মফমদা ঐগী থৱায় অসি ফাওবা শিন্নথোক্কে ।" "য়াম্না নুংঙাইজে, পাণ্ডীগী রাফম, অদোমগুম্বা অচৌবা পাণ্ডী ফংজবা লৈপাক অসি চাওথোকচনিঙাইনি । রা অমতগা হংজগে, অদোমগী চহি হৌজিক কয়া শুবীববনো অদুগা চহি কয়া ফাওবা হিংখিগনি হায়বসি ঐঙোন্দা হায়বীবা ঙমগদ্রা ?" তেনালীনা হংই ।

"হৌজিক ঐ ইশাগী চহি নিফুমবি শুবে । ঐ হৌজিক চহি কুম্না হিংখিগনি । ঐগী লাইবক্কী মতুং ইন্না ঐ চহি হম্ফুতবামবি শুবদা শিগনি মসিদা মিকুপ অমতা ফাওবা চেন্নবোই ।" পাণ্ডীনা হায়বকই ।

ইখঙ খঙহৌদনা সেনাপতি আপদ সহায়ন্না লংত্রিক লংবা থাংশাং শত্তোক্লক্লগা পাণ্ডীগী মঙক তুবৎ ককথৎলি । তেনালীনা হায়বকই, "হৌজিক্তা ময়াম মমাংদা মহাক্কী তুংগী ওইবক্কদবা অবোইবা লাইফাও শেংনা লাল্লে হায়বদু ময়েক শেংলে । ঐ মসিগী পাণ্ডী অসি মপুক শেংদবনি

খঙই । ফত্তবা খল্লবদি ফত্তবা মহয় মশানা ফংজবা তাবনি । মীগী লাইবক তাকপীবা হৈবা শাবা, মসিগী পাঞ্জী অফাওবসে, মহাক মশাগী মরাইবক ঐরাইজবা ওমজদে ।"

মসিগী মতুংদা পাঞ্জীগী ময়ুম চংদুনা থিজিন হূমজিন তৌদুনা য়েংলুবদা য়েক্লবনা থারকপা চিঠি কয়ামরুম থেংনরকখি । থেংনবিবা চিঠিশিং অসিনা খুদম ওইবগা মহাক থাঙ্গেশেংনমক্কী মরৈবাক্কী য়েক্লবা মীশক অমনি খঙবা ঙল্লকই । পুম্নমক্না তেনালীবাম থাগৎনখি । নিংথৌগী থবায় পেনমনখিদুনা হবাও হবাও সনাগী শেনয়েক লিশিং তবা মনা পীখি লোয়ননা বীজাপুব বায়চুবগী মথক্তা লান্দাদুনা খুদুম চনখি । মদুগী মতুংদা বীজাপুর গুলবগাসু মহাক্কী মখাদা থমখি । অসুম্না লানঙম ফিবাল থেক্তুনা হল্লকপা মতমদা নিংথৌনা ময়াম পুম্নমক্কী মমাংদা হায়খি, "মসি পুম্নমক তেনালীবামগী লৌশিংগী মপানগী মহয়না ওন্বনি ।" নিংথৌনা তেনালীবাম থাগৎলদুনা সনাগী শেনয়েক য়াওবা অচৌবা খাও অমা খুদোল তৌখি ।



তেনালীরামগী কোক চফু মনুংদা

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না কবিগুম্বা রাফম অমদগী পেনমনখিদদুনা শাওনিংদুনা তেনালীরামদা হায়, "হযেং দরবারদা নশক্তু উহনবা য়াবোই। কবিগুম্বা লমহেন তুহেনদুনা মী উশিত্তদুনা নশক্তু উহল্লবদি দরবার ময়াইদা লিচৈ চাগনি।" মথংগী নুমিত্তা নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় দরবার কারকলমই। তেনালীরামসু নিংথৌনা দরবার কারক্লিভৈ মাংওইনা হাল্লা দরবারদা থুংলবে। মহাকনা রায়োং ইচা-চাদনা মীনা হেক য়েংবদা নোক্লিংগদবা ফিভম অমদা মখুৎও-মশাও চোংবগা ফনবগা শান্নদুনা মী ময়াম নোকহল্লী হায়বগী পাউসু নিংথৌনা দরবার মনুং চংলক্লিভৈদা তাবা ফংলমই। মসিদা নিংথৌ ফজনা অওকপা অমা হায়বদু য়ৌখি। মহাক্লা খল্লি, মসিগী মী অসিবু কবম্বা মী মখলনো ? চৈ চাগনি খওলবদসু দরবার কারক্লি। মসি য়াম্না ফবে, খওগনি, ওসিদি চৈ চপ চানা চৈবাক পীবগে। অসুম্না রাখল খন্না খন্না দরবার মনুং হেক চংলকপগা তেনালীরাম্না চফু অমনা মওক য়ৌনা উপশিল্লগা তৌবন্নিবা রায়োং চাদবা ফিভম উবকই।

"তৌরিসিবু কবি ফাগিনো ?" নিংথৌনা হংই, "ওসি নও ঐগী য়াথং থৌওইদবগী অমসুং দরবারদা কবেম কথাইনবগী লিচৈ থাবদা তাবে।"

"অদুবু ইনিংথৌ ইবুঙো, ননাই ঐনদি অদোমগী য়াথং কোক্তা হাপ, কিনা ওাকচবনিদো ? তাকপীখিবা য়াম্না ওাকচা, ননাইনা ঐগী শক অসি ইনিংথৌগী মিৎনা উহঞ্জনিংদদুনা চফু অসিনা ওক য়ৌনা উপশিঞ্জদুনা লোৎচবনিদো"

নিংথৌনা তেনালীবাম্মা ঙাংথোরকপা মরাহৈ তাবগা খাঙবা ঙন্নক্রমান্নে কন্না নোকথোক্লকই, হায়বকই, "ফাগি পুবা মী অমসুং অঙাওবশিংগী মফমদা পেন্দবা থম্না হায়বসিগী কান্নবা করিমত্তা লৈতে ।



গুহা লুহোংবা

তেনালীবাম অমসুং নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় মখোয় অনি কবিগুল্বা ব্বাহৌ অমদগী নিঙাই শংদানদুনা খৎনৈ । মসিদগী তেনালীবাম মপুক ব্বাবৌবা পোক্তুনা কোনুংগী ব্বাংমদা অতোপ্পা মফম অমদা চৎলগা লোত্তুনা লৈবমই । নুমিৎ কয়ানিবোম ফাওবা হল্লক্তবদগী নিংথৌগী ব্বাখলদা নিঙমদবা পোক্লক্তুনা মী থাদোক্তুনা থীবা য়াবা থীহল্লবদসু তেনালীবামগী লৈফম খঙবা ঙম্বা কৌবা লৈত্রে । অবোইবদা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না তেনালীবাম থীবা ঙম্নবগী পাম্বে অমা থীদুনা খঙবা ঙম্লে । মসিগীদমক মহাক্লা লৈবাক অদুগী খুঙ্গংশিংগী মফম পুম্নমক্তা ঐখোয়গী ইনিংথৌনা মহাক মশাগী কোনুংগী গুহা অমা লুহোংগদৌবি । মবম অসিনা খুঙ্গং পুম্নমক্কী লুচিংবশিংনা নখোয় নখোয়গী খুঙ্গংদা লৈবিবা গুহা পুবক্তুনা লুহোংবা অসিদা শরুক য়াবগদবনি, কবিগুল্বা নিংথৌগী পাউজেল থৌওই উশিত্তনা গুহা পুবক্তবা থোক্লবদি নিংথৌগী য়াথং কবেম্নবগী মহয় ওইনা সনাগী শেনয়েক লিশিং কুন থীগদবনি হায়না লাওথোকহল্লম্মী । পাউজেল তাবিবা মীপুম তিঙনা ঙক্লা থোক্লদবা য়াওখিদে । ফবে, মতৌ কবম্নবু গুহা থাংদুনা পুবা য়াবা পোৎশক অমবা । শোয়দনমক্কী ইনিংথৌগী কোক অসি অব্বাৎপা অমা লৈবে খন্নে । তেনালীবাম্না লোত্তুনা লৈবিবা খুঙ্গং অসিগী লুচিংবা অমসুং খুঙ্গংগী মী পুম্নমক্কসু পাউজেল অসি তাবগা ঙক্তবা ঙম্নখিদে । চেল্লিবা পাউজেল অসিগী নুংগী ঈচেল তেনালীবাম মথনখক্তনা খঙবা ঙম্লকই । মহাক্লা লুচিংবগী মফমদা হায়বকই, "পাউজেল অসিগীদমক থোইনা হেন্না পুক্লিংদা অব্বাবা পোকহন্বীরুগনু । অদোম্না ঐহাক অসিবু অদোমগী খুঙ্গং অসিদা চংজফম পীবিবীবা অসিগী তৌবীমল শোয়দনমক্কী

শিংজগনি । মসিগীদমক পাম্বে অমা তাকচগনি, অদোম লুহোংবা য়াওবীরুনবা থৌবাং লোইশন্বীকবো।" তেনালীবাম অমসুং লুচিংবা অমসুং খুঙ্গংগী মী মবি মগুাগা লোয়ননা কোনুং কাবক্লে । কোনুংগী মনাক য়ৌবক্লগা কোনুং মনুং চংবা তৌদনা মপান্দা পন্দুনা লৈবম্মী । মী অমা কোনুংদা থাদুনা তেনালীবাম্না তাকপীবকপা পাম্বে অদুগী মতুংইন্না নিংথৌগী মফমদা কোক নোল্লুক্লা হঙ্গৎচবম্মী, "ইনিংথৌ, ননাই ঐখোয়গী খুঙ্গংগী গুহা পুন্নমক অদোমগী গুহা লুহোংবদা শরুক য়াজবা য়ৌজবক্লে । মখোয় মযাম কোনুংগী মপান্দা পন্থবগা বাফম অমতংগী ঙাইহজদুনা লৈহৌবি । হায়বদি কোনুংগী গুহানা অমুক্তং মপান্দা লেংথোকপীবক্লগা মযাম্বু তবাম্না ওকপীবনবা ।"

নিংথৌনা য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্লম্মী, মসি তেনালীবামগী লৌশিং নত্তুনা অতৈ কনামত্তগী ওইবোই । নিংথৌনা হংলকই, "নখোয় শেংনা হায়য়ু, নখোয়না ঙাংলিবা বু অদু কনানা তাকপীবকই ।

"ইনিংথৌ ইবুংঙো, নুমিৎ খবনিগী মমাংদা ঐখোয়গী খুঙ্গংদা মীতোপ অমা লাক্লুনা লৈববৈ । মহাক্লা পাম্বে অসি তাকপীবকপনি । মহাক মশামকসু মী খরগা লোয়ননা কোনুংগী মপান্দা লৈহৌই ।" মী অসিনা পাউখুম পী ।

নিংথৌ মশামক্লা অচৌবা থৌবাং অমগা লোয়ননা লেংথোকপীবক্লুনা তেনালীবাম লৌশিল্লি । নিংথৌনা খুঙ্গংগী মীশিংদা মনা পীবগা হলহনখি ।

উচি খুদোল পীবা

তেনালীরামগী য়ুম উচি ময়াম চংদুনা অণ্ডকপা মওং অমদা লান্দাবকখি মসিনা মবম ওইদুনা তেনালীবামগী নুপীগী মমল য়াম্না য়াম্বা ফজখ্রবা সাড়ী অমা ময়াই চবুক্তা মফু মফুৎ চিকথত্তুনা শলাক শাহল্লমই । মসিদা তেনালীবাম মথ্বায় য়াম্না শোক্লমই, খল্লি, মহাক্তা মখোয়শিং অসিমক্তবু অমত্তা খাক্তনা হাত্তোক্লগে, নত্রবদি পুন্নোই লোইবা তাবে ।

মহাক্না উচি হাৎলগে হায়দুনা চৈতুপ অমা পায়বগা উচি কোইতান কোইতান তান্নে । উচিবু তবাই তবাই হেক্তা হাৎপা ঙম্বপোৎলা কাচিন অমদা চংদুনা লোংখি, ফুৎ অমবোমদা অমুক ফাওদোবকই, চৈতুপ্না মসিমক্তবু হায়দুনা লৈজবী থাদুনা কহ্নে, উচিদদি পান্দদুনা খুত্তদা নাদুনা তোকই । তাকশি শোন্দুনা তোকই । অসুম্না পুং কয়ামকম হুমাং থ্রি বি শৌনা মতম মাংহন্দনা ঙমজবা পান্নে শিজিন্নদুনা হোৎনববগী মতুংদা উচিন নাচিননা উচি অমা ফাওবদি হাৎপা ঙমহৌই । তেনালীবাম মৈ হৌখে শাউনিংবা ফাওই । কাইনথংদা মহাক্কী মরুপ অমগী মনাক্তা চত্তুনা ব্রাতান্নকই। মরুপ্না উচি লৈহল্লোই নিংলবদি হৌদোং অমা লোইয়ু । মসিনা নহাক্কী শাউনিংলিবা অদুদগী কোকপা ঙমগনি তাকপীবকই । মরুপকী ব্রা লৌদুনা তেনালীবাম হৌদোং অমা লোইবম্মী । তশেংনমক্কী হৌদোং লোইবদগী উচি ময়াম মখে লাংবদু ফাওবদি খবা মখৈদি হন্থবে । মহাক নুংঙাইনা শোব হোনবা ঙমজবে ।

নোংমা ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা মহাক্কী হৌদোং অসিনা য়ুমলোন্নবদা লোইজবা তেনব্রা অমা হাত্তোকপীকবে । য়ুম্থু নুপীনা মহাক্কী মপুরোইবা কোডম বাজুদা মসিগী মহা ফত্তবা হৌদোক অসি হাত্তোকউ হায়বম্মী ।

কোডম বাজু মৈ হৌখে শাউদুনা তেনালীরামগী হৌদোং কোইতান তান্নদুনা ফাবগা হাংলগে তৌবিঙে তালক অসিদা তেনালীরাম মনাক্তা চংলক্তুনা হায়বকই, "কোডম ভাই, উচি লৈতনবা হৌদোং লোইবনি, মাবু কনবীয়ু, ঐখোয় ঙাকপীয়ু, হৌদোংদু ঐঙোন্দা পীয়ু । ঐঙোন্দা অদোমগী অচৌবা তৌবীমল মশক খঙবা ওইগনি।" কোডম বাজু মহাক্কী নুংশিনা পাম্মুনা য়োকচবা তেনাবা চাথোকখিবগী শাউনিংবনা তেনালীবামগী বা তানিংদে, হায়বকই, "উচি ফানবীদমক্তা ওইবে হৌদোং লোইবিবা ? ঐদি হৌদোং নত্রবসু উচি ফাই ।" হায়রগা হৌদোং পোপ থোমদুনা হাত্তোকই ।

নুমিৎ খবনিগী মতুংদা কোডম বাজুদা কনাগুম্বা মী অমনা য়াম্না ফজখ্রবা ত্রং উপু অমা খুদোলপোৎ ওইনা থাবকই । মহাক্না ত্রং উপু অসি য়াম্না পামজনা হবাওনা মহাক্কী তুম্ফম কা মনুংদা পুশিল্লগা হাংদোক্তুনা য়েংই । কা অসিদা নুপীগী মমল য়াম্ন য়াম্লবা ফিবোল সাড়ীনচিংবসু থম্ফম্লি । ত্রং মখুম হেক হাংদোকপগা খঙহৌ লাকহৌদে উচি তেঙ্গোন অমা উপু মনুংদগী মফম মবাং খঙদনা ফন ফন চোংথোবকই । উচিনা কা মনুং খোঙ থাংফম লৈতে । কোডম বাজু কোক ঙাওই । মহাক্না থেংনবা লৈরম্বা চৈতুপ অমা তাপ পায়বগা উচি হাৎননবা অফিং অফাই পোপ পোপ কল্লি । উচিদদি পানবা ঙমদে লৈপাক্তা পানবদগী মখুত্তা নাদুনা তোকই । মসি মহাক মথন্তা নত্তে, মহাক্কী মনাইসু য়াওবিবনি । উচি হাৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থবক অমা মায়োক্রবম্মী । পুং তকক্কী ঙমজবী শবিৎ শারা ওইবাইদুনা হোৎনববা মতুংদা উচিন-নাচিননা উচি খবা হাৎপা ঙম্মোরে, খবা অমনা নাম্থোকপ্রে । মসিদা মাংজহৌববদি কোকথোং অমনি । মমল য়ামখ্রবা ফজপ্রবা লৈমায়দা ফজনবা থাবীবা গালিচা উচি হাৎপগী ঈখেংনা পুমতৈ তৈদুনা ঙাংশং ঙাংলে, মদুগীসু মথক্তা গল্লাগী লৈ মখৈসু পুমতোয়... । ব্রাবনা নুংশা শোব মপী থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা কোডম রাজুনা মসিগী ত্রং উপু অসি কনানা থাবকপা ওইবিগবা হায়দুনা য়েংই । হেক য়েংবগা থিন্দনা উবকই, ত্রং মনুংদা চেজেৎ অমা তাদুনা

লৈবা। চেজেং ফাত্তোক্লুনা য়েংলুবদা ইবন্না উবকই, "অদোম্না হায়বীখি, হৌদোং নত্রবসু ঐ উচি ফাবা হে। মদু চাংয়েং তৌগে খন্দুনা ঐনা অদোমগী মফমদা উচি খরা খুদোল তমজখিবনি। চানবীদুনা মদুগী অণ্ডম ঙমদগী মহয় ঐঙোন্দা অমুক য়ৌহনবীবক্লনি খঞ্জে।

অদোমগী

তেনালীবাম।



অশেংবা মায়থোং

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়গী লৈবাক্তা য়াম্না লিকপা অদুগা শেন্দি য়াম্না পায়বা নিপা অমা লৈ। মহাক্কী মফমদা শেন-থুমগী অৱাংপা অমতা লৈবমদে, অদুম্নদি ওইবগা মহাক্না লিকপগী চাংসি ফুবিংখাওদগী পাই নাতংপি অমা লৌথোক্লবা হেক হোংনবদা মবেনবোক শিবনা হান্নি হায়বদুমক য়ৌই। নোংমা মহাক্কী মকপ মপাংশিংনা মতৌ য়েংনিংদুনা ফাগি ফাবাং তৌদুনা লাইয়েকপা হৈবা মী অমদা মহাক্কী শক য়েকহনশি হায। মকপশিং অদুগী মমাংদা ফনা য়ানিংদবা লৈজববসু ইক-আ য়াথোকখ্রে অমসুং লাইয়েকপা মী অদুনা মহাক্কী শক চপ চানা মান্না য়েক্লগা পুবক্লে। অদুদগী অয়েকমন সনাগী শেন চাম্মা পীনিংলকখিদে। পীনিংদবনা লাইচুদুনা মহাক মমৈথংদা মহাক মশামক্কী শক ওম্থাং ওক্সিন তৌবদা পক্কাদা হৈদুনা অফাওবা কলাকাব অমা ওইবকখি। মহাক্না লাইয়েকপা নিপা অসিনা মহাক্কী শক য়েক্কুনা পুবকপা হাইফেং উহৌবগা ইমুংদা শং চংলগা য়াম্না কুইদনা হান্নগী শক ওম্থোক্লগা মপান্দা থোক্লকই। মহাক্না লাইয়েকপা নিপাদুনা পুবক্লিবা মহাক্কী শক অয়েকপা য়েংলগা লাইয়েকপদা হায়বকই, "নঙনা ঐগী শক্লি হায়দুনা য়েক্লগা পুবক্লিবা অসিবু ঐগী মায় অসিগদি কবিমত্তা নকশিন্নৌ য়াদে। ঐনা পংহায় হায়শিনব্রা নঙসু অমুক্তা য়েংউ?"

অশেংনমক্কী লাইয়েকপা মশামক্লসু য়ানিংবা পোক্লে, সুকমান মান্নদ্রে। শেঞ্জাও পায়বা নিপানা হায়বকই, "য়েংউ, নহাক্না ঐগী শক অসিগা চপ মান্নবা য়েক্লগা পুবক্লবা মতম অদুদা ঐনা মদো লৈগনি।" লাইয়েকপা নিপা অসিনা মখোয় অনি মায়গা মায়গ উনখিবা শক্তম অদু চপ মান্নবা

য়েকচবনি অদুবু খণ্ডদে য়েকপা লোইবগা মহাক্কী মনাক্তা পুবক্লগনা খেন্নদুনা হেক্তা লৈবমই । মসি অমুকখক্তংগী রা ওইনা তৌদ্রে, হন্না হন্না শোয়জনলকপদগী মহাক হায়নিংঙাই লৈতনা ইকায়জবা পোক্লকই । মহাক খনফম থোক্তে । মহাক্লা অসুম্না কবিগুন্নদসু থেংনখিদ্রি । শোয়বা তোয়মল্লকপদগী শেঞ্জাও পাযবা নিপা অসিগী মবৈ মপা হৈবা অমসুং নমথাক্লি খণ্ডবা গুন্নকই । অদুগকপু মহাক্লা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা মতম চংনা রাখল থাথদুনা যেকচখিব শব্রামন মীচোপ শেঞ্জাও পাগবা অসিদগী অবেম্না তাহননিংখিদে । মসিগীদমক মহাক্লা মুন্না খল্লবগী মতুংদা তেনালীরামগী মনাক্তা লাক্লগা মাঙোন্দা থোকখ্রিবা খোয়দৌ শিকপা থৌদোক পুন্নমক মযেক শেংনা তন্নদুনা রাকৎচবম্মী । ভাইহাক রাখল তৌববগী মতুংদা তেনালীরাম্না হায়বকই, "হযেংদি মহাক্কী মনাক্তা মিংশেল অমগা লোযননা চৎলু অদুগা মাঙোন্দা হায়য়ু, ঙসিদি অদোমগী অশেংবা শক্তা চপ মান্ননা কবিমত্তা খেন্নবা লৈতনা পুজবক্লে । মান্নবব্রা অমুক্তা ফজনা মিংয়েং থম্মীসি । হন্দকমুক্তি কবি থোইদোকপা হেন্না খেন্নবগী ময়ি অদোম্না উগদৌ মান্দ্রে । য়াবে, অদুম তৌববদি নহাক্লা নিংজবিবা অদু ফংলগনি খল্লো ।"

মথংগী নুমিত্তা তেনালীরাম্না তাকপীবকপা অদুমক তৌবম্মী। মহাক্লা শেঞ্জাও পায়বগী মায় চনগদব মিংশেল অমা পুবগা মহাক্কী মনাক্তা থুংলবে। লাইয়েকপা নিপানা মহাক্কী মমাংদা মিংশেল খিল্লগা হায়বকই, "লৈজবে, লৌবীবসি, পুকচেল চাওবা ইবুংঙো, অদোমগা চপ মান্নবা অয়েকপা লাই । হন্দকমুক্তি অদোমগী মায়গা মান্নদবা মচেৎ অমতা সুকলৈ লৈবরোই ।"

"করিনো ? সিদি মিংশেলনিনা ।" শেঞ্জাও পায়বা নিপানা য়াম্না শাউনা হায়বকই ।

"অদোমগী অশেংবা শক মিংশেল নত্তনদি কনানা য়েকপা ঙমগনি ? কান্নবোই থুনমক লাই অয়েকমন সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা

নশানা খঙনা লাখ্বোবকউ ।" লাইয়েকপনা পোঙনা হায়রকই ।

মসি পুন্নমক তেনালীরাম্মা তাকপীরকপা ওইবিগনি হায়বসি শেঙ্গাও পায়বা নিপা অসিনা চপ চানা খঙবা ঙন্নদুনা মহাক্লা ঙাইহাক পন্থবা তৌদনা সনাগী শেন লিশিং অমা পীবকই । থৌদোক অসি তেনালীবাম্মা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়দা তম্লম্মী মসিদা নিংথৌনা থবায় তানা পেন্না নোকচখি ।



কিগনবা শাফবা

বিজয়নগবদা ৱিজয়দশমীগী নুমিত্তা শান্নখোংনবগী অচৌবা কুম্মৈগী থৌবম অমা পাংথোকই। থৌবম অসিবু শকক য়াবা য়াওবা দিল্লীদগী শাফবা অমা লাকই। মহাক্লা বিজয়নগবদা লৈবীবা শাফবশিংগী মফমদা য়াম্না থৌওই উশিত্তনা শীংনবম্মী। শাফবগী মিং অসুক্কী মতিক চাওনা চৎলি, মহাক্কী মিং তাবদা কিনদবা কনামতা য়াওদে। কনাগুম্বা শাফবা অমতনা মহাক্কা লম্বা তৌনদুনা শাথেংননিংবগী থৌনা লৈনদে। নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায ৱাফম অসিগীদমক পুক্নিং য়াম্না নুংঙাইবমদে। মহাক্লা ময়ামদা লাওথোবকখি, মসিগী শাফবা অসিবু মায়থীবা পীবা ঙম্বা মীশক অদুদা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা মনা চাওনা পীগনি। তেনালীবাম্না মহাক মশানা মশাবু থাংদোকচবগা থবক অসি ঐ ঙমগনি হায়বকই।

মথংগী নুমিত্তা নুমিদাংৱাইবম মীয়াম মাংদা নম্নবগী কুম্মৈ অসি উৎকদবনি।

তেনালীবাম্না মহাক্কা হয়েং নুমিদাংৱাইবম লম্বা থেংনগদৌরিবা শাফবা অসিগা অয়ুক ঙন্না উনদুনা হোবেনগী নম্নবগী মশান্নগী চৎন-কাংলোন লেপথোক্লকসি হায়বদুনা ৱা হৌদোকই। মহাক্লা দিল্লীদগী লাক্লিবা শাফবদা হংই, “অদোম্বু লাক্লা ফানা নম্নবা মশান্নগী সবগমগী মশান্না হৈবীব্রা ?”

দিল্লীদগী লাক্লিবা শাফবা অসিনদি কবিগুম্বদসু মহাক্লা নম্নবগী শান্নবা মশান্না অসিদা সবগম কৌবা মশান্নাসিমদি সুক তামক তাখিবা লৈখিদ্রি। খুমফম খঙদে, য়াম্না লুবিবদি আ : দিল্লীদগী অফাওবা শাদুনা লাক্লগা য়াম্না লায়না হেক্তা মদুগী মশান্নদু হৈতে হায়দোক্লুববসু ইকাইবনা শিবগী

ন্নাফম্নি, মথন্তা অপণ্ডবা ফোংদোকচবা ওইনা থোক্কনি খল্লি। খণ্ডদ্রবসু য়াম্না অখণ্ডবা শাদুনা হায়ববকই, "এ : কবিগী খণ্ডলোয়দৌরিবা য়াম্না হৈবজাংনি, মদুগী মশান্নদু হৌজিক হৌজিক কন্না চংনবি।"

"ঐ য়াম্না নুংঙাইজবে সবগমগী মশান্না হৈ হায়বসিমক, ঐ কুইববনি ঙাইদুনা লৈবীবা, মসিগী খুৎশান্না অসিগী লম্বা চান্নবা। ঙাইবু ঙাইববদি মপু মহাক্লসু উবীবা ওইবে, ঙসি কৌবা নুমিৎ অসিদি লাক্ল ফানা নম্নবগী খুৎশান্না সবগমগী খুৎশান্নগী চৎন কাংলোন্দা শান্নবা ফংবা তাবেদনা।" তেনালীবাম্না হায়ববকই।

মখোয় অনি ন্নাবী শানবা লোয়ববা মতুংদা শাফবা মহাক্লী লৈফমদা হল্লক্লে। মহাক মথন্তা পুক্লিংদা মওল-মওল খল্লকই, অপণ্ডবনা অশিংবা শাবা! নণ্ড হৌজিকমক মফম অসি থাদোক্লগা লোন্না চেনখিবা তার্বনি, চোপ্লা নংদনবা। সবগমগী নম্নবগী খুৎশান্নদি নঙদি কবিসু খণ্ডদে, কবিসু হৈসু হৈতে ? হোবেনদি মী ময়াম কুন্ধে য়েংগদবগী শান্নপুংগী লমজাও অকোইবদা মী পিক থন্না চোন্না তিল্লবগনি। মী ময়ামদুগী মমাংদা ঐদি মদুগী খুৎশান্নদু হৈতে হায়কববদি লোইবে লোইবে শিখিবনা শকক চান্মা হেন্না ফৈ, কান্নদে ঐ চেনখিবনা ফবগনি খন্দুনা শাফবা লোন্না চেনখ্রে।

হৌজিক শান্নপুংগী লমজাও কুন্ধে য়েংগদবগী মী পিক থন্না চোন্না তিল্লবে। হৌজিক শান্নবগী পুংফম মতম য়ৌবক্লে অদুবু দিল্লীদগী লাকপা অফাওবা শাফবা ময়াম্না থোক্লকপা উবা ফংদ্রবদা হায়নবকই, তেনালীবাম কিবদগী চেনখিবা ওইবল্লগনি হায়দুনা ন্না ন্না লাওনবকই। তেনালীবাম ইন্না ন্নাদনা সনাগীশেন লিশিং অমা ফংহৌই।

তিলকাষ্ট মহিষবন্ধন

উড়ীসাগী নিংথৌ প্রতাপ রুদ্রগী দববাবদগী লাইহিবক য়াম্না হৈবা অফাওবা মী অমা বিজয় নগবদা লাক্লগা মফম অদুদা লৈবীবা পণ্ডিৎশিংগী মফমদা মহাক্না লোয়ননা শাস্ত্রগী ওইবা নুংগী চেল্লিবা ঈচেলদা য়ুম্ফম থল্লগা মবে য়েৎনশি হায়দুনা ফোংনা চাওথোক্লা শীংনবকই । ব্রাফম অসি বিজয় নগবগী দববাবগীদমক্তদি ইজৎ হায়বদুগী ব্রাফমলোমদা লাকই। মসিগুম্বগী ব্রাফম খল্লগা লাক্লিবা অচৌবা শীংনবিবা লাইহিবক হৈবা অফাওবা নিপা অসিবু ময়া কুমহনবা হায়বসি য়াম্লমক তঙাই ফদবা থবক অমা ওইবক্লি । নিপা অসিনা মফম খুদিংদা কোইনা চত্তুনা শাস্ত্রগী হিবমদা মবে তৌনবকপদা কনাগুম্বা মী অমসুং পণ্ডিৎ অমতনা মহাকপু মায়থীবা পীবা ঙমদনা লৈহৌবা ঙাক্তনি অমসুং মহাক্লা মায় পাক্কনতা লাক্লবনি । মসিনা মবম ওইবগা বিজয়নগবগী পণ্ডিৎশিংনা নিপা অসিবু কিজে ।

কৃষ্ণদেব বায়না লাক্লিবা নিপা অসিগা শীংনদুনা লম্বা তৌনদুনা শাস্ত্রগী নুংগী ঈচেলদা মবে তৌনবা ঙম্বা পণ্ডিৎ চোংথোবক্লবা কয়াবক হন্না লাওথোকই, অদুম্নদি ওইবগা কনাগুম্বা অমতনা ঐ মহাকপু লম্বা তৌনবা ঙমগনি চোংথোবকপা লৈতে, লাওবগী কান্নবা ফংদে । দববাব অসিদা ফন্নিবা পণ্ডিৎ অস্তদিগা জোংদগী হৌনা মমিং লৈববা মহাক্কী পণ্ডিৎ নিপালগী মফমদসু মহাক্লা য়াম্না হংই, ফনা হংলবদসু কনাগুম্বা পণ্ডিৎ অমত্তনসু লাক্লিবা নিপা অসিগা শাস্ত্র নৈননিংবা পোক্তে । নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় হায়নীংঙাই লৈতনা নীংবা কায়না হায়বকই,

"দুহৌজিক্তি ঐখোয় মাযথীবে লৌবা তাবনি ।"

তেনালীবাম, ঙসাইখৈদি ব্রা মচেৎ অমতা ঙাংদনা তুমিন্না তাবগা

ফমদুনা লাকখিবনি । হৌজিক্তি মহাক বা ঙাংবদা মতাং চারে খল্লমাগ্নে হায়বকই, "ইনিংথৌ ননাই ঐ মফম অসিদা লৈজবীবা মীশক অমনি, ঐনা দরবাব অসিদা হিংলিঙৈ মনুং অসিদা কবিসু লৈতবদা তবাইনা হেক্তা থাদোক্কদবা নত্তে ।"

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় তেনালীবাম্না ঙাংথোরক্লিবা মবাহৈ তাবগা ইঙক ঙক্লা হায়বকই, "নঙ ' মদুমক ঙল্লগদ্রা ?"

"ইনিংথৌ ননাই ঐ অসিনসু 'পাংভুবঙ্গ মাহাত্ম্য, লিঙ্গপুবান' কৌবা বেদগী লাইবিকশিং লেংদুনা ইবা লোইবে । শাস্ত্রশিংগী নুংদা চেল্লিবা ঈচেলগী জ্ঞানদি ঐঙোন্দসু থন্না য়াওজবি ।' তেনালীনা পোঙলপ তৌনা হায়বকই ।

তেনালীবাম্না ঙাংথোবক্লিবা বাঙাং তারগা নিংথৌ মিৎ কুপ্তুনা তেনালীবামদা মুন্না য়েংদুনা লৈ ।

তেনালবাম্না বা মখা তাবকই, "অদোমগী দববাবদা লেংশিনবীবিবা পণ্ডিৎশিংগী মায়কৈদগী ননাই ঐগী ইফমদা মতেং খজিক ফংবা ঙমজববদি, ঐনা হয়েংমক মহাক মফম অসিদগী মকোক ঙাওদুনা চেনহনখিবা ঙমজগনি ।"

"ঐগী দববাবগী পণ্ডিৎশিংগী মতেং পামব্রা নহাক্লা ? নিংথৌনা হংই ।

"ইনিংথৌ, বাদু মসিনিদা, কবিসু লৈবা বা নত্তেদা, য়াম্না লায়বা বানি, সুমদৌবনি, হয়েংসি লাইবিক য়াম্না হৈবা মাগী নিপা অদুগা ননাই ঐখোয় অনিসি বারী তৌনবিঙৈ মনুংদা কনাগুম্বা মী অমতনা বা মচেৎ অমত্তা ঙাংদনা তুমিন তুমিন লৈগদবনি অমসুং মবক খৎলকপা য়ারোই ।" তেনালীরাম্না বাফম অসি পুখৎলকই । মহাক্লা লেপ্লিবা ফিবেপ অসিমক্তি বিজয়নগবগী পণ্ডিৎ পুম্বগী ইজৎ কনবগী বাফম অমনি । মসিগী ফিভম অসিদবু কনানা তেনালীগী বা মরক থৎনিংখিগনি ?

মথংগী নুমিৎ অফাওবা লাইবিক হৈবা নিপা দববার কাবক্লে । দববাবগী মমিং লৈবা পণ্ডিৎ পুম্নমক্কা অস্তদিগ্‌গজসু য়াওবি । তেনালীরামগী খুত্তা মমল য়াম্না তাওবা ফজখ্রবা বেশমগী ফিনা য়াম্না চেকশিন্না য়োমশিনবা লাইবিকুম্বা মানবা পোৎশক অমা পায়রী। লাইবিক হৈবা নিপা অসিনা তেনালীরামগী মখমদা হংলকই, "অদোমগী খুত্তা য়াওরীবিবা লাইবিক অদুবু কবি কবম্বা মখলগী লাইবিক ওইরীববা ?"

"মসে ? মসি 'তিলকাষ্ঠ মহিষবন্ধন' কৌই । লাইবিক অসি এ হাক্লা ইনৌ নৌনা লেংদুনা ইথোকপনি । লাইবিক অসিদ, লাইবিক ময়েক্‌শংগী শিজিন্নফমগী চৎন পথাপ অমসুং কাংলোনগী মবমদা য়াম্না অনৌবা লম্বেল অমা য়াৎতুনা ইবে ।" তেনালীরাম্না থোইদোক হেন্দোক্লা চীঙ লেম্না হায়বকই ।

লাইবিক হৈবা নিপা কোক উকক ঙাওই । মহাক্লা লাইবিক অসিগী মিং কবিগুবদসু তাখীবা লৈত্রি লোয়ননা ময়েক্কী চৎন পথাপ অনৌবা লম্বেল হায়বসিমকসু । হৌজিক তাবা ফংলিবা রাফম অসিমক্তি তশেংনমক্কী মহাক্কীদমক্তদি পুমনৌ নৌবনি । উপায় লৈতে, নুংশা খংথী থিজিল্লকই । সোমদগী অমুক্কসু মচিন অপাবা তেন অমা মুক কাপশল্লকই, "হয়েংগী খন্ন নৈনবা ঐখোয়না লাইবিক অসিদগী হৌগনি অদুগা মসিগী মতুংদা অমুক অক অকবা শাস্ত্রদা যুম্ফম ওইবদা মবে য়েংনগনি ।"

লাইবিক হৈবা নিপা অসিগী দম্বা কমদৌবা তাবা, মহাক্লা মুন্না তাবা চুমগনি মবমদি তেনালীরাম্না চংলক্লিবা খোঙথাং অসি মহাক্কী খোঙলোয় কয়মকম অমসু য়াওবক্লিবনি । মহাক্কী পুন্সি অসিদা শাস্ত্র নৈনবা মতমদা কবিগুম্বদসু কনাগুম্বা অমগী মফমদগী মায়থীবা নংলক্ত্রি । মহাক্কী পুক্লিং নিংহন্নবোইদবগী মবমসু লৈতবা নত্তে, মদুদি য়োৎচৈগুম্না কল্লবা অফাওবা অস্তদিগগজ ফাওবনসু গতি লৈতদুনা উচুংগুম্না তুমিন্না লেপ্পুনা লৈবী । অদুগা অমুক অমবোমদনা তেনালীগী লাইবিক্কী মমিংনা অমুক্কসু কিবা খংহেন হেনহল্লি । 'তিলকাষ্ঠ মহিষবন্ধন' ! 'ঙমজববোই ঐ ঙমজববোই

মফম অসি থাদোক্তুনা চেনখিবনা ফরগনি ? মসি খল্লগা মহাক অহিং হৌগৎলগা বিজয় নগর থাদোক্লগা লোন্না চেনখি ।

মথংগী নুমিত্তা বিজয় নগরগী মীয়াম পুম্নমক হ্বাওবগী মপা লৈরমদে। অবোইবা ওইনা তেনালীবাম্না লাইরিক হৈবা নিপা মকোক গুাওহন্দুনা থাম্বহল্লে । তেনালীগী মহৈ কিজবদগী চেনশ্রবনি হায়দুনা ময়াম থা থা লাওনৈ । নিংথৌনা তেনালীবামদা মহাক্কী লাইবিক পুবকউ হায়বম্মী, লাইবিক অদুগী মবম্না লাইবিক হৈবা নিপা লোন্না চেনখিবনি । তেনালীনা লাইবিক নিংথৌগী মাংদা পুবক্লে ।

"কবি মমিং কৌই লাইবিক অসিগী ?" নিংথৌনা হংই ।

"তিলকাষ্ঠ মহিষবন্ধন" তেনালীনা খুমই ।

"কবি ? খবা য়েংগে ।" নিংথৌনা হায়বকই ।

তেনালীনা বেশমগী ফিনা য়োল্লিবদু হাইদোকই, ময়াম চংদুনা য়েংই । মসিদা য়াওবিবা পোৎশক অসি লাইবিক নৎলমদে । থোইদিং পাম্বী অকংবদা ইবোই নাবেং থৌবিনা পুন্দুনা য়াওবম্না উনবকই ।

"কবিনো মসি ময়ামসিনা ?" নিংথৌনা হংই ।

"'ইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাইনা হায়জখিবদুনি, সুমদৌবনি হায়বদি মসি তিলকাষ্ঠ মহিষবন্ধন' কৌই । তিলকাষ্ঠগী থাহল্লোক, 'থোইদিং পাম্বী অকংবা মখোক' অদুগা 'মহিষবন্ধন' ইবোই নাবেং থৌবি । মসিদা ননাই ঐহাক্না অবানবা থা অমতা পঙ্খিবা লৈতে । হায়বীয়ু ননাইনা ওইদবা থা হঙ্গৎচবা লৈখিব্রা ?" তেনালীবাম্না য়াম্না শেংনা হায়বকই । নিংথৌ মতাং অসিদা ইশি শিনা নোক্লকখি অমসুং সনাগী শেনপাক অমা মনা পীখি ।

~ক্রমশঃ~

হমেংগী অরুম্বা

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না তেনালীরাম ঙাংনা শক্লা ঙমদবা য়াম্না হৈ-শিংবগী মতৌ মশক মুন্না ফজনা খঙবা ঙম্লম্মী । মহাক্লা করিগুম্বা মতমদা পুক্লিং নুংঙাইনবগীদমক য়াম্না তোয়না মহাক্কী লৌশিং য়েংদুনা শীংনবগী ফাগি তৌই । অমুক খক মহাক্লা ইনৌ নৌবা ফাগি মওং অমা খল্লগা তেনালীরামদা হমেং অমা পীবগা হায়, "মসি নহাক্লা খঙলব্রা, মহাক্লা নুংতিগী চাবা শজিক্কী চাংদগী ঙসিদগী হৌনা শকক অহুম হেন্না পীজগদবনি। থা অমগী মতুংদা হমেংগী অকম্বা ওনহন্দুনা য়েংগনি । মসিদা কবিগুম্বা হমেংগী অকম্বদা রাংনা নত্রগা হেনবা থোক্লবদি নঙ ফবোই ।"

নিংথৌগী পুক্লিংদা মথন্তা কন্না নোক্লিংবা পোক্লি, হন্দক্তি শোয়দ্রেদনা তেনালীরাম ঐগী মাংদা চাঙ তাবা । হান্না চাবদগী শকক হেন্না পীজবগদবু কবিগী লুম্বগী চাঙ হেনগৎলোইদবগে, মশানা মবন্নাই অদুম হেনগৎপা তাবনি ।

তেনালীরাম হমেং পুবগা ময়ুমদা হল্লক্লে । নিংথৌগী য়াথংনি, কবম্না হিক্তোকপা ঙমগনি, নিংথৌগী তৌগেদা মনিংনি । মহাক্লা তঙাইফদনা হান্না চাবা চাংদগী শকক অহুম হেন্না পীজৈ । মসি নুমিৎ তাদ্রিঙৈ মমাং ফাওবদনি । নুমিৎ হেক তাবগা মহাক্লা শা ককপা নিপা অমা নেকই । নিপা অসিগী খুত্তা শাকক্ থাং লংত্রিক লংবা অমা পায়বগা শজিক থাফমগী মমাংদা থাং থাঙ্গৎলগা য়ানগদবগী ফিভমদা ঙাইদুনা লৈ । ফিভম অসিদা হমেংনা মতৌ কবম্না শজিক চাবা চংলক্কনি, চংলকপা ঙমদে শজিক্তা মতিন-কুৎ কুৎ য়োৎলগা য়েংদুনা লৈবা নত্তনা । মতৌ অসুম্না অয়ুক নুংথিল চুপ্পা চাকবা শজিক নুমিদাংদা মথী ওনখ্রে, হামু হামু অদুম

তারে। অসুম্না থা অমা হৌগ্রে, নিংথৌনা তেনালী হমেংগা পুন্না কৌখৎলী। হমেংগী অকন্বা ওন্দুনা য়েংই, হেনসু হেনগৎলমদে, তাসু তাবমদে। মসিদা নিংথৌ গুক্কবা গুন্নমদে। মহাক্না তেনালীদা হংই, "নঙ তশেংনমক্কী শরুক অহুম হেনগৎনা পীদি পীজেকো ?"

"অচুম্বনি ইনিংথৌ" তেনালীবাম্না মহাক্না তৌখিবা লৌশিং নিংথৌগী মফমদা হায়দোকলম্মই। কৃষ্ণদেববায় অমসুং মহাক্কী দরবারীশিং অমুক হন্না তেনালীগী লৌশিংগী বাখল লাকই।

~*~

খোঙুপকী মরম্মা

নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না মহাক্কী দববাবীশিংগা লোয়ননা পুন্না মবক-মবক্তা কোনুংদগী লাপ্পা মপান্দা কোইথোকপা চৎলি । মসিগীদমক মহাক্কা কোনুংদগী খবা লাপতক্লা চথোক্লগা পোথাফম শঙলেন অমা শাবগা থম্মী । মফম অসিদা মখোয়না লৈবাক্কী অকবা অমসুং মচা থৌবম থৌগায় কয়াদা ৱাকবা মতুংদা ঙাইহাক পোখাদুনা শোব হোন্দোকফম্মি । নোংমা পোখা শঙলেন অসিদা পোখাকববা মতুংদা য়ুম অমুক হন্নবগী থৌরাং তৌনবকই । নিংথৌনা মহাক্কী খোঙুপ তোংশিন্নবগী খোঙুপ কোইথী থীবকই, খোঙুপ থীবা ফংদ্রে, মনাই মশন ময়াম চংদুনা কন্না থীবা লাক্লবি ।

সোমদনা তেনালী, বাজগুরু অমসুং দববাবী খবগদি মপান থোক্লক্তুনা ফনা য়াম্না লাপ্পা চথোবক্রে ।

বাজগুকনা শোল্লকই, "ঐখোয় ইনিংথৌদুবু কবি তৌববাজাৎনো লাক্রে ?"

"ননাইদু খোঙুপ্পা হাৎলৈনি ।" তেনালীনা হায়বকই ।

বাজগুকনা তেনালীবাম্না ঙাংলিবদু কবি লৈগে লৌশিনবা ঙন্নমদে৷ তোল্লবা মহাক্কা নিংথৌগী খোউপ মাংঙি হায়বসি খঙদে । মনাই মশন ময়াম চংদুনা কন্না থীবা য়াবা থীববদসু খোঙুপ থীবা ফংবা মবৈবক্তবদা কাইনথংদা ময়াম পুম্নমক্কী পোৎয়োম ফাক্তুনা থী ।ওম্বোকপা মতৌ হায়বদুনি, বাজগুরুগী পোৎয়োম মনুংদা নিংথৌগী খোঙুপ ময়াম চংদুনা ঙসাইদগী থীনবিবদু ইবাই লাইনা লৈবম্লে । মসি থাঙ্গেশেংনমক্কীদি

তেনালীবান্না ময়াম নোক্লনবা হাপচিনবা ওইবে। মসিদা বাজগুরুগীদমক ময়াম হৌ থাদুনা নোক্লবীখি। বাজগুরু খোইদৌ বৃ বৃ থীৎলি। তেনালীবান্না ঙাইহাক লৈতনা ইতৎ তত্তনা মতম মতমগী তাল্লক তাঞ্জা য়েংদুনা অপঙ শীদুনতা লাকখি। ঙসিসু হান্নগী মতৌগুম্না ময়ামগী নোকফম মী অমা ওইহল্লে। তেনালীবান্না খবা লাগুক্লা চখোকখ্রবা মতুংদা বাজগুরুনা নিংথৌ শাউহন্নবনি নিংদুনা ব্রা তন্মী, "তেনালীনবু হায়বু হায়ববদি অদোম্না মদু ব্রা ওইনা হেক্তা থাজবী। মহাক্লা পুক্লিংদা নিংলকপা অমা হেক্তা চিংনবা লৈতনা ঙাংই। মসি ফাওবা য়ৌনা, অদোম চোপ্লা নংগদবা ব্রাহৈ ফাওবদা অখাকপা থমদে।"

মহাক্লা নিংথৌগী মফমদা হৌজিক্তা তেনালীবান্না ঙাংখিবা ব্রা পুম্নমক অমতা থাক্তনা তল্লম্মী।

নিংথৌ মৈ হৌখি শাউবকই, তেনালীবাম কৌবগা হংই, "কবিগীদমক্তা নহাক্লা অদু য়ৌনা ?"

তেনালীবান্না হায়বকই, "ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাইনা ইনিংথৌগী ইকাই খুম্নবদা শোক্কদবা ব্রাফম অমতা পঞ্জখিবা লৈজদে। বাজগুরুনা ননাই ঐঙোন্দা হংবীরকপগী মতুং ইন্না ঐনা অসুম্না খুমজবনি, খোঙ্গুপনা হাৎলৈনি। ননাইনা শেংনা খুমজবনি। ইনিংথৌগী খোঙ্গুপ মাংখিবগী মবন্না অতোপ্পা ব্রাফম অমা ওইবে, অমুক ননাই ঐঙোন্দা কন্থি থোক্লা শাউবীবগী মবম ?"

নিংথৌ তেনালীবামগী পাউখুম তাবগা নোক্লকই।

৯-❀-৬

য়ুম দান কখোকপা

নোংমা নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায়না ব্রাহ্মণ অমা হৌদোবকই, "ইনাক খুনবা মী হায়বসি মীদি মীনি, অদুম্মদি ওইবগা মখোয় অসিনা অসুক য়াম্না লিকশিন্দুনা মীঙোন্দা পীথোক্লিংদ্রিবসু অঙকপনি । হায়বা য়াবাজাৎনি কবন্না মী মখলনো ? মখোয়গী মফমদা লন-থুমগী অৱাৎপা লৈবসু নত্তে, অদুবু কনাগুম্বা লায়রবা বামোন অমতদসু য়ুম মচা অমতং করিদং শাবীদুনা কখোকপীববদি মহয় ফংজগনি ।"

"ইনিংথৌ ইবুংঙো ননাই তেনালীরাম্না পুক্লিংনা খোইবাংবীরিবা অদুমক পাংথোকচবগনি ।" তেনালীনা হায়রকই ।

খুৎশা হৈবা য়ুমশাবা মী কৌদুনা তেনালীরাম্না পীক্তক চেংতক তৌবা মশা য়াম্না নানবা য়ুম অমা শাহল্লম্মী । য়ুম অসিগী অকোইবদা য়েংবদা পুক্লিং শুম্নাৎনবগীদমক হৈকোল-লৈকোল য়াম্না ফজনা শেমই । মহাক্না য়ুম অসিগী মমাংগী থোংজাওদা ব্রাহ্মণ অসি ইদুনা থেৎলি, 'য়ুম অসি অদুগুম্বা বামোন্দা দান পীগনি, মহাক অদুনা মহাক মশাগী লৈজবীবা ফিভম অদুদা পেন্থোকপা ওমজবা ।"

মতম ফনা য়াম্না লৈবরফাওবদা য়ুম অসি দান তৌদুনা লাকপদা কনাগুম্বা বামোন অমতনা ফংনিংদুনা লাক্তে । কোন্নথংদা বামোন অমা তেনালীদা হায়জরকই, "ঐ ইশাগী হৌজিক লৈজবীবা ফিভম অসিদা পুমপেন পেঞ্জবে । মরম অসিনা য়ুম অসি ঐঙোন্দা দান পীনবীয়ু ।"

নও থাঙ্গৈশেংনমক্কী সুকয়েৎ য়েৎনওাই লৈতনা কলক মীহৌচাওবা মী অমসু ওইবখক নত্তনা নঙোন্দগী হেন্না সুক শুনা অপঙবা মী অমা লৈবন্নোই । নহাক্না কবিসু লৈতবা ইচম চম্বা ব্রাহ্মণগী ব্রাহ্মোক খঙজবা

ওমজদে। নহাক্লা নশাগী ফিভম অদুদা পেছোকচবা ওন্নবদি করিগীদমক মীঙোন্দা নীরবগী মরম অমুক ? নঙোন্দা য়ুম লেম্মা পীথোক্লগা ঐহাক ইশানা ইজখিবা ৱাবোল অমুক হন্দোকপা তারকই অদুগা অমুকসু অপঙবা মী অমদা ঐনা কবিনুংগী য়ুম দান কখোক্লবি হায়বগী ৱাখল অৱাবা অমা থেংনহৌরগনি। নঙ হৌজিকমক মফম অসি থাদোক্লনা চৎখ্রো চৎলু।"

৯ ❦ ৬

অপঙবা কনানো

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না বাজগুরুবু য়াম্না ইকাই খুম্নবা উত্তুনা লোয়নমিন্নে। মহাক্না য়াম্না তোয়না অখন্নবা চাকলেন শীন লাংদুনা সনা সঙ্গায়দা চাক কৌই, চাক তোক্লবা মতুং সনাগী শেনযেক্কী মথক্তা মমল য়াম্নবা ফিবোলনচিংবা কৎলগা কাইনৈ।

নোংমা নিংথৌনা তেনালীবামদা হংই, "তেনালী নহাক্কীসু গুরু লৈজ লাকচব্রা ?"

"অহোয়, ইনিংথৌ ননাই ঐহাক্কী গুরুদেব কোনুং অসিগী মপান্দা খাংপোক শঙ অমা খল্লগা লাই নিংদুনা লৈ। ঐগী গুরুদেবদি লন-থুম অমসুং মিংচৎকী থোইদোকপা মীহৌবা লৈতে। মসিনা মবম ওইবগা মহাক কোনুং মনুংদা খক চংলক্তে। মদুগী মহুত্তা মহাক্তি তুমিন্না ফন্নগা মিং উইশিন্দুনা লাই নিংলগা লৈ।" তেনালীনা হায়বকই।

তেনালীগী ব়া তাবগা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়গী ব়াখলদা, 'অদুগুম্বা অথোইবা নুপা অসি শোয়দনমক্কী খুকমগে নিংলকই।'

নিংথৌনা তেনালীদা মহাক্কী গুরুদেবগী মবমদা ব়াবী-ব়াখোঙ তান্নে তেনালীনা হায়বকই, "ননাই ঐগী গুরুদেবগী মনাক্তা শোয়দনমক্কী পুজগনি।"

মসিগী নুমিৎ অসি তেনালীবামনা দববাবদগী হল্লকপদা তান চান্নলা মী অমগা কোক্ হেক্ থেংনৈ। মসিগী মী অসি হিংনবগী লানফমদা হিংননবা থবক থীদুনা কোইনা চৎপা মীশক অমনি। মহাক থবক অমতা ফংলমদে। মসিগী মী অসি তেনালীবাম্না মাগী মনাক্তা কৌশিল্লি অমসুং সনাগী শেনয়েক অনিখক মখুত্তা পীবগা হায়বকই, "য়েংউ নঙ উবেদনা,

ঐনা হায়বা ইন্দুনা কবিগুম্বা থবক অমা তৌবা ঙম্নবদি ঐনা হৌজিক পীরিবা অসিগী মথক্তা ঐনা নঙোন্দা সনাগী শেনয়েক কুন পীগনি ।"

"সনাগী শেনয়েক কুন ?" তাবদা নুপা অসি খংপ্রেক খংই, মমিৎ খংলাও লাওনা পাংথোকই । মমিৎ কুপ্তে । অদুক য়াম্না য়াম্বা শেন ফংবগী ৱাদি থম্ন থমখিসি, মহাক্কী পুক্নিদা হায়বিবা শেনফম অসিদি অমুক্তসু মিংনা উবা ফংজদ্রি ।

"অদোম্না তাকপীবকপা অমা হেক্তা ঐ মদু পাংথোকপা ঙম্নবা পাম্নে অমা শিজীন্নদুনা থবক ঙম্নবা থৌবাং লৈজবে.।" নিপা অসিনা হৰাওনা চিংনবা লৈতনা হায় । তেনালীরাম্না নিপা অসিদা লম্বোইবগী ফিজোল লৈঙাং মচু লোয়ননা লাইনিংবদা চংগদবা মচাক মথুম সুনা পীবগা লাইনিংবা লম্বোইবা মী অমগা চপ মান্নলা শাহল্লি । অমুক কোনুংদগী খবা চখোক্লগা লাপ্তক্লা লাইনিংবনা লৈগদবা খাংপোকশঙ অমা খল্লি অমসুং মদুদা লাইনিংবা লম্বোইবা শারগা ইবেন্না ফমহল্লি ।

তেনালীরাম্না নিপা অসিদা য়াম্নমক মক ওইবা অমসুং তঙাইফদনা তৌদবা য়াদ্রবা অদুগীসু মথক্তা কবিগুম্বদা শোয়দুনা কাউথোকপা য়াদ্রবা শীষ্বা খবা চেকশিন্না তাক্লকই, "নহাক্লা তৌগদবা নথৌ অসি কবিসু নত্তে, য়াম্নসু লায়, য়াম্নসু লুবনি । সে মুন্না তাওকো ঐনা হাযবিসে, যেংঙোই নঙোন্দা উনবা লাকপা মী খুদিংমক, মখোয়না নঙোন্দা ঙাংনিংবা শক্লিংবা, হংনিংবা পুম্নমক হংজসনু, নঙ ৱা মচেৎ অমতা ঙাংবা য়াদেকো, মুন্না তাও ঐনা হায়বিসে, কবিগুম্বা লৈবাক অসিগী নিংথৌ মশামক নহাক্কী মাংদা লেপ্লবগা নহাকপু মীহৌহন্দুনা কবি কবিনো য়েংলক্লবা উংলক্লবসু নঙ সুকলেং লেংবা য়াদবনি । নমিৎ চেজেৎ উইশিল্লগা কন্না নিংদুনা লৈগদবনি । ঐনা হায়বিবা পুম্নমক অসি ঙাক্লা চৎপা ঙ্গমদ্রবদি নখুত্তগী সনাগী শেনয়েক পাইগ্রে মদুগী চৈবাক ফংবনা তোঙাম্বা ৱাফম অমনি ।"

অসুম্না ফজনা ময়েক শেংনা শুগায়না তাকপীবন্নগা তেনালীবাম দরবাব কাম্রে । মহাক্লা নিংথৌগী মফমদা হঙ্গৎচৈ, "ইনিংথৌ ননাইনা

য়াম্না কন্না তক্লদুনা হায়জববা মতুংদা ননাইগী গুরুদেবনা য়ানিংদা য়ানিংদা উচিন নাচিন্না অদোম্না দর্শন ফংজগে তাকপীবা মদু য়াবীবক্নে। অদোমগা লোয়ননা দববাবীশিংসু লেংবীবা য়াবীবগনি। হোয়, মসিমক্তংদগা, ননাই ঐবুদি লোয়নবকপা য়াবোই তাকপীবকই।"

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় হবাওনা দববাবীশিংগা লোয়ননা তেনালীবামগী 'গুরু দেব' গী খাঙপোকশঙদা লেংঙক্নে। মতম অসি 'গুরুদেব' মিং উইশিল্লগা খুত্তা মালা পায়, মালা চংলদুনা কন্না নিংলি। নিংথৌনা গুরুগী খোঙ শোক্লগা মায়োক্লনা ফমথবম্মী।

"গুরুদেব" তোল্লবনা অদোম্সু খুরুমজনিংদুনা লৈজবা মতম কুইজবক্নে, ঙসি হ'যবা নুমিৎ অসিমদি মপুনা থৌজালবীবে। হৌজিক ঐগী নিংজবা অমগা লৈজবী, অদোমগী খোইথুম্লববা য়াব্রা ব্রাহ্মেনা পীবীবা পাউতাক তোল্লবগী নাপদা তাজনিংই। নিংথৌনা নোল্লুক্লা হায়জবকই।

গুরুদেব নিংথৌনা পুক্লিং হকচাং থব্রায় য়াওনা পাউখুম শোয়দনমক্কী পীবীবক্কনি খন্না হঙ্গৎচবা য়াব্রা গুরুদেবগী নাপদা চংবা তৌদনা কন্না নিংদুনা লৈবী।

নিংথৌনা অমুক্কা হন্না নোল্লুক্লা হঙ্গৎচবকই, "তোল্লবা ঐঙোন্দা কবি কবম্না লংজকবা লৈবনা অদোম্না ঐগী মায়কৈদা ওনশিনবীবগা মিৎ ফাওবা পাংথোক্লগা য়েংবীনিংদ্রি ?

অমবোমদা গুরুদেবসু মখল অমগী লম্ব্রোইবনি। মচি খজিক খবাক লেংবী লাকপীবগী ব্রা লৈতে। তুমিন ফমদুনা লাইনিং চেৎলি। নিংথৌনা মশাগী গুকশমদা থোল্লিবা মমল য়াল্লবা লিক্লাং পবেং লৌথোক্লগা গুরুদেবগী খুয়া খাদা কৎচৈ। গুরুদেবনা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না থম্মোয় শেংনা কৎচবিবা লিক্লাং পবেংদা মিৎ পাংলগা হন্না য়েংবগী ব্রা লৈতে, কবিসু নাচুংদনা নিংলি।

তৌবিবা থৌদৌ অসি মহাক ইকাইবা ফংবনি লৌই। মহাক্কী পুক্লিংদা খল্লি, 'অসুক শাথীনা অপঙবসিগা লোয়ননা ব্রাবী ব্রাতাই শানবগা

কবিবু থোইনা হেন্না কান্নগবনো ? মমল অসুক য়ামথ্রবা পোৎ অসিবুসু কাউথোকপা ঙম্মী ? নিংথৌ কান্নদে খল্লমান্নে ফুক হৌগৎলকই, মসিগুম্বা মী মতা অসিগা ৱাবী শাননবা হোৎনকবা ঐহাক অসিসু ওহোক্লা অপঙবগী মতৌ হায়বদুনি ।

মথংগী নুমিত্তা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না তেনালীবামগী মফমদা ঙবাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী ৱাবী পুম্নমক শেংনা মবীক চুম্না ৱাবী লীরগা অমুকসু হংলকই, "কনাগুম্বা অপঙবা মী অমগী মকম থুপ্লা হিংলবদি, হিংলিবা মহাক অদুনা কবি ওইগনি ?"

"মদুগী তাঞ্জা অদু মাংদা তাবববদি তুমিন্না লৈবা তাবা।" তেনালীবান্না চিঙ লেম্না হায়বকই ।

তেনালীবামগী পাউখুম তারগা কৃষ্ণ দেব বায় মিকপ খংথোক থোক্লকই অমসুং খংইক ইকাইজবকই । তেনালীবামগী গুক অপঙ শিকবদি মহাক মশামক অপঙবা ওইবন্নে ।

তেনালীবান্না হায়বকই, "অদোম্বু ননাইনা হায়জখিবনিদো মাংজৌননা মহাক্তি লন-থুম মচেৎ অমতসু মীহৌবা লৈতে, কলকপসু লৈতে । অমুক্কসু অদোম্না মহাক্কী মফমদা মিহৌহনবীবি । অদোম ইশাগী লন-থুমদা নাপল তৌজে হায়বসি মহাক্লা ঙবা ঙম্বা । মবম অসিনা মহাক্কী মফমদগী অদোমগী ৱাহংগী পাউখুম ফংদবনি ।' নিংথৌ ৱা মখা তাদনা তুমিন্না লৈখি ।

ॐ

তেনালী অমসুং বামোন

বিজয় নগরগী বামোন থাঙ্গৈশেংনমক্কী য়াম্না কলক মীহৌই চাওই। মখোয় খুদিংমক্না য়াম্না তোয়না করিনো অমা নত্রগা করিনো থাজনবা তাৎ তৌদুনা হায়শন্নবগা নিংথৌগী মফমদগী শেন থুম খোপচন্নবা লৌশিং তৌদুনতা লৈরমই। নিংথৌ কৃষ্ণদেব বামোনগী মফমদা চেৎনা থাজবা থমই লোয়নন্না মখোয়গী মফমদা নোল্লুকই। মখোয় খুদিংমক্না অসিগুম্বা থৌজালরীবগী মকম থুপ্না খুদোংচাগদবা তাঞ্জা ঙাইদুনা হুমা হুমা থিদুনতা লৈরমই। নোংমা নিংথৌনা মখোয়দা হায়, "ঐগী ইমানা শিরমদাইগী মতমদা হৈনৌ চানিংই কন্না শোনখি, মদু মতম অদুদা পীজবা ঙমহৌদ্রে, ঐ হৌজিক য়াম্না নিঙমদবা পোক্লক্নে। ঐগী থৱায়না নিংঙমদবা অসিসু কোক্লবা অদুগা ঐগী ইমাগী থৱায়নসু লাইবৈপাক্তা তংদু লৈতানা লৈজবা ঙম্নবগীদমক করিনো খব তৌজবগা কোকপা ঙমগদবা লৈ।" অসিগুম্বা খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈজবীবা বামোন্না হায়বকই,

"ইনিংথৌ করি থোইনা হেন্না লুবা ৱাফম অমা ওইনা তৌদে, হোয়, অদোমগীদমক্তদি করিসু লৈতবা ৱাফম্নি। অদোম্না বামোন চাম্মা নিপালদং কৌবীয়ু অদুগা থম্মোয় শেংনা সনাগী হৈনৌ চাম্মা নিপাল অমমমদং খুকম লৈপায় তৌদুনা কখোকপীয়ু। অদুম তৌবীববদি লাইবৈপাক্তা মীরমলেন থাদোক্লন্নগা লাইরমলেন তিনখ্রবা অদোমগী অপোকপী পলেমগী থৱায় সুকশোয়মক শোয়দনা ঈংনা চিক্লা তংদু লৈতানা লৈজবা ফংজবগনি। বামোনদা কৎচবা হায়বসি লাইওইগ্রবা মী অদুগী মফমদা লেপ্নমক্কী য়ৌবা শোয়দ্ররনি।" বামোনশিংনা হায়।

মমা হায়বসিদি মমানি, মমাদি মিৎনা উবা লাইনি হায়নবিরনি।

মমাগী থৱায়নবু পেনবীবগনি হায়ববদি খন্দুনা নিংথৌনা বামোনশিংগী মফমদা হৈনৌ চাম্মা নিপাল কৎলি। হৌজিক নুংঙাইবে বামোনশিংদু।

মসি পুম্নমকসি উবগা তেনালীরাম খোয়দৌ কন্না থিংলি। মহাক্না বামোনশিংগী কলক মীহৌ চাওবগী মতৌ উবগা অমুত্তংদি পাবা তন্নীগে পুক্রিংদা খন্দুনা অচেংবা তাঞ্জা লুমদুনা ঙাইরি।

মহাক্না তাঞ্জা অমা ফংবা ওন্নে। মহাক্কী অপোকপী মমা লৈখিদবগী থা অমগী মতুংদা মহাক্না বামোনশিংবু মহাক্কী য়ুমদা লেঙবীরক্নবা েৌজ্ঞে। মবন্না মহাক্কী অপোকপীগী থৱায়না তংদু লৈতানা লৈরব্রবা ফংনবগীদমক কবিনো খবা কৎচনিংবদগীনি।

অহাও অথুম মবাং কায়না চাবা ফংলগনি লোয়ননা অতাঙবা পোৎ-চৈ ফংলগনি হায়বগী রাখলদা মীহৌ চাওবা বামোন চাম্মা নিপাল পুল্লপ তেনালীরামগী য়ুমদা লাক্কুনা থুংলবগা লোয়ননা মাগী মাগী ফম্ফমদা লেঙশন্দুনা ফন্নবে। খুদক্তা তেনালীরাম্না থোঙজাও চেজেৎ পৌবোন থাই। অমুক মনাই মশন কৌদুনা হায়বকই, "কবি তৌবি চৎলু, মৈ ইকপা য়োৎচৈশিংদু পুবকউ, বামোনশিংগী মশাদা চৈফম থম্মু।"

বামোনশিং কোকচাওবী ফুং কাখি, লল্লাইগী শম চপ চপ য়ুংই, কল্লগা লাওবগা খোংবগা পুমনীল নীল্লি। পুম্নমক্না কিজবদগী ফুক ফুক হৌগৎনদুনা থোঙজাও য়েংদুনা হৌ থাদুনা হোতোক্নবকই। সোমদনা মনাইশিংনা ফাবগা মৈ ইকপা য়োৎচৈনা অমমমতা ওইনা কিৎ কিৎ নমদুনা দাগফম অমমম থমই। মসিগী থৌদোক অসি খুদক্তা নিংথৌগী নাকোং য়ৌখি। নিংথৌ মশামক মফম অসি তান্না লেঙবীবক্কুনা বামোনশিং কনবী।

নিংথৌনা য়াম্না শাউনিংনা হংই, "কবিনো নহাক্না তৌবিবসে, তেনালী?"

তেনালীরাম্না নোলুক্না পাউখুম পীজবকই, "ইনিংথৌ ইবুংঙো, ননাইগী পলেমদু মশা পুন্নগী তাং তাং চিকপগী লায়নানা নাবনি। ঐগী পলেমদু তাইবং থাদোক্নমদাই মতম য়ৌবক্নবা ফাওবা থাঙবা ঙমদনা কন্না

কন্না চিকখি, চিকপা খাওবা ব্রামনবদগী মহাক্না অসুম্না ননাই ঐবু চিংনা য়েংলগা য়াব্রাবীদো ইনিংথৌ, ঐগী অচিকপা মফমশিং অসি য়েংলগা য়োৎচৈ মৈ ইক্লগা কিৎ কিৎ নম্মু। অদুম্মাইনা তৌবন্দি ঐগী অচিকপা অসি কোক্কনি অদুগা ব্রাদনা নুংঙাইনা থব্রায় অসি তাইবং থাদোকখিগে। ঐনা মতম অদুদদি পলেম শোল্লবীদবু মতৌ কবম্না হায় হায়দুনা মদুমক কবম্নদি তৌবা ঙমজবগী পাঙ্গল লৈ। অদুম ওইনমক ঐগী পলেম্না হিংলিঙৈদা নিংজখিবা অদুমক্তি থুংহঞ্জনিংবদগী ননাইনা বামোনশিং কৌজবগা মৈ ইকপা য়োৎচৈনা থৌগল তৌজবনি।"

কন্না শাউবম্না নিংথৌ খাওবা ঙমদ্রমান্নে নোকথোবকই। বামোনশিং ইকাইবনা মক লুকথখি।

৯৯৯

লৌতুনবা

ফংনিংলুবগী মহয় পুন্সি চুপ্পা নিংশিংদুনতা লৈবগদবা মৈ ইকপা য়োংচৈগী মশাদা দাগফম ফংলবা বামোন ময়াম'মা তেনালীগী থকশি-খাশি নাইদবা থৌগল্লোন খঙদবগী থৌদৌদা পেন্দবা ব্রাকং পুদুনা বাজগুরুগী মনাক্তা চিবোল তৌবা লাকই। বাজগুরুদি কুইববনি তেনালীদা লম্মন খুম্মিংদুনা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা ঙাইবকপা, নুংঙাইবে পেল্লে হৌজিক্তি মদুগী তালফম ফংবা কৌবা লৈববনীনা। বাজগুরু অমসুং বামোন ময়ামগা কোক চুংশিন্নদুনা তেনালীবু পাবা অমা তম্বীনবগীদমক পাম্বে অমা কন্না থীবা লাক্লবি। কাইনথংদা পাম্বে অমা থীবা ফংলে মদুদি বাজগুরুনা তেনালীবু মহাক মশাগী সেবক অমা ওইনা লৌশন্নবা তাং তৌশন্নবা, মথং মসিগী চৎন-পথাপকী তুংইন্ননা মহাক্কী মশাদা দাগ তাহনবা। দাগফম অসি তাহন্নবগীদমক তিংখত্তনা নমগনি মতম অদুদা নব্বা অঙাংনা অমাঙবা ব্রর ব্রব চিংপগুম চিংনবা। মসি লোইববা মতুংদা বাজগুরুনা অমুক নহাক্তি অতোনবা শাগৈগী বামোন্নি নহাক ঐগী সেবক ওইবা য়াবোই হায়দুনা ইম্থোকপা। অসুম হায়না তেনালীদা লম্মন খুমগদবনি ব্রাবেপ্লে। মসিগী থৌবাং অসি মখোয় চাম্মা নিপাল নত্তনা অতোপ্পা কনা তাহন্দনা থম্মী অমসুং বাজগুরু মশামক্লসু। মখোয় পুম্নমক্লা তেনালীদা লম্মন খুম্মিংবনা লাংতক্লনা ঙাইঙমদনা ঙাইবি। থৌবাংগী মতুংইন্না বাজগুরুনা নোংমা তেনালীবু মহাক্কী মনাক্তা কৌবগা হায়, 'নহাক্কী ভক্তি ভাবনা অমসুং জ্ঞান উবগা মহাক্লা মাবু সেবক অমা ওইনা লৌশন্বা পামই।' বাজগুরুনা থাঙ্গৎলক্লিবা ব্রাফম পুক্রিংদা চিংনবা অমা ফাওদবদি নত্তে, মনুংদা কবিনো অমদি লোৎলি খঙবা ঙমই।

অদুদি ওইরগা য়ানিংবা মান্নবা শাশন্নদুনা বাজগুকগী ব্রাফমদা হবাওবা উৎলি। মহাক্না কন্না পামশিন্না মান্না শাশন্নদুনা ঙাইঙমদনা হংই, "অদোম্না ঐ অসিবু কয়দৌঙে অদোমগী সেবক অমা ওইনা লৌশিনবীগনি ?"

"মথংগী ইবাই নুমিৎ অসি য়াম্না অফবা নুমিৎনি। নুমিৎ অসিদা য়াম্না শেংনা ইক মাইথজববা মতুং নঙোন্দা মমল য়াম্না য়াম্বা বনাবসী বেসমগী ফিজোল শেং চাহনগনি, মদু নঙোন্দা ঐগী মায়কৈদগী খুদোলনি। খুদোলপোৎ ওইনা ঐনা নঙোন্দা সনাগী শেনয়েক চাম্মসু পীগনি। মসিগী মতুংদা নঙ ঐগী সেবক ওইবা য়াবে।" বাজগুকনা হায়।

তেনালী, "য়াম্না নুংঙাইজে" হায়বন্নগা চৎখি। মহাক্না ব্রাবী পুন্না নুপীদা তমদুনা লী। হায়বকই "সুকশোয় সোয়দনমক্কী মসিগী মীফত্ত অসিগী পুক্নিংদা কবিগুম্বা অমোৎপা খবা লৈবে।"

নুপীনা হাযবকই, "কবিগীনো নঙনা মাঙোন্দা মহাক্কী সেবক ওইগে য়াকবি ?"

"কবিসু থোইনা হেন্না নুংনাংনিংঙাইদি লৈতেদা। বাজগুকনা বাজগুকনি, তেনালীনা তেনীলিনি খঙগদবা লৈবে।" তেনালীনা হায়বকই।

"অদুদি নঙদি কবি তৌবীগে খন্বীবি ?"

"মখোয় চাম্মা নিপালনিদনা ঐনা যুমদা বার্ত্তন তৌদুনা কৌখিবদো, মখোয়শিংদুগা লোয়ননা পুন্না য়াম্না লোন্না বাজগুকগী যুমদা ব্রা অমা খন্নখি। মখোয়না লোন্না খন্নখিবা অদুগী অকুপ্পা মবোল খঙবা ঙম্নবগী পান্বেদো ঐগী নাক্তা লৈয়ে ইবেম্মা। মখোয় বামোনশিংদুগী মবক্তা সোময়াজুলু কৌবা অমা য়াওবি। হৌজিক হৌজিকমক মহাক্কী নুপী কুম থা শুদুনা অঙাং উনগদবগী মতম ঙাইবিবনি, অদু মহাক্কী মনাক্তা শেল'পাই নাতৎপী অমা ফাওবসু লৈতে। ঐনা মাঙোন্দা সনাগী শেনয়েক তবা পীবগা মাঙোন্দা হংলবদি ব্রাবী পুন্না ওবো ওবো হৈদোকচবক্নগনি মবন্নাই। অদুগা য়েংউ, মসিগী বাজগুকগী মচা অসি ঐনা শেমদোক্কে।" তেনালীনা হায়বকই।

তেনালী সোময়াজুলুগী মনাক্তা চৎখ্রে। কনাগী মতেং ফংজদ্রবা মবাইবক খীববদুগী মথক্তা অচৌবা অকন্বা পোৎলুম নম্বুবকপগী অৱাবা খাণ্ডদুনা লৈরম্মী। মহাক লাকপা উবগা সোময়াজুলুনা মিৎ পী ইবা হৌনা মহাক্কী অৱাবগী ফিভম অদু পাউ তল্লকই।

"বাজগুরুদা শেল খবা মতেং পাংবীয়ু কবিগী হায়দবগে ?" তেনালীনা হায়।

"মদুগী ৱা মহাক্কী মফমদা কদায়দগী, অদুক শাথীনা অবিকপা মী অদুদবো? নুঙদগী ঈশিং শুমদুনা লৌনবা হোৎনবনা হেন্না কোয়া থোক্কনি। বাজগুরুদগী লিকোল অমা লৌথোকহনবা ঙম্বা ওইববোইদবা ৱানি।" সোমবাজুলুনা হায়, অদুগুম্বা তৌবীমলগী ৱাফম অসিদি কনাগুম্বা অমনা মশাগী থৱায় ফাওবসু শিন্নথোক্লবা অদু ওইববসু মহাক কনাগুম্বা অমগী মতেং পাংগদবা লৈতে।"

তেনালীনা ফুবিৎখাওদগী সনাগী শেনয়েক তবা লৌথোক্লগা তবং তরং সোময়াজুলুদা উৎলগা হায়ববকই, "কবিগুম্বা নহাক্লা নখোয় ময়াম পুন্না বাজগুরুগী য়ুমদা লোন্না খন্নখিবা ৱাফম অদু ঐঙোন্দা অবোন অথুপ থমদনা লীথোক্লবদি মসি নঙোন্দা পীগনি।"

"নত্তে, নত্তে। ঐনা মদুগী ৱাফমদু হায়দোক্লবদি ঐ কদায়দা লৈবগনি।" সোময়াজুলুনা হায়।

"ঐনা ৱাশক্লি সোময়াজুলু ৱাফম অদু ঐঙোন্দগী সুকহেন হেন্দোকহল্লোই।" তেনালীনা ৱা মখা তারদুনা হায়ববকই, ৱাখল মুন্না খল্লু, নহাক্কী নুপী হৌজিক নুপী ওইবীগীদি অকবা তালফম্লি। অদুগা অমুক ঐসু বামোন মচানি। মতেং পীনবগী লাক্লিবা মী অমবু তবাই তবাই হেক্তা নিংবা কায়না হলহনখিবা হায়বসি ঐখোয়গী মাংলমচৎকী মায়োক্তনি। নুমিৎ অদুদা ময়াম পুন্না দাগ নমখিবা অদোমদসু নমখিবগীদমক ঐবু ঙাকপীয়ু, ফবে, কান্নদে শেনয়েক অসি লৌশিল্লু, হৌজিক নহাক্কী অনিংবা মঙাইবে।" মসি হায়বগা তেনালীনা সনাগী শেনয়েক তরা সোময়াজুলুগী

খুত্তা শং পীশিল্লি ।

শেন চিল্লিঙৈ, ইশ্বব খুকমলীগুে তাল্লক অদুদা লক্ষ্মী মশামক লাক্কুনা মখুত্তা তবং তবং ঙাল্লববা অদুদদি স্নেময়াজুলু হায়নিংঙাই লৈতনা মথ্বায় পেঞ্জবদুনা অবোনব ঝাবী পুম্বা অমক খাক্তনা তাকথোবকই । মহাক্না হায়বকই, "য়েংউ, মসিগী ঝাফম অসি কনাগুম্বা অমগী মফমদা ঐনা হায়দোবকপনি খঙতম্বদি তৌবীগনু ।"

"নঙ মদুগীদমক তশেংনা কবিমত্তা চিংনবা তৌদনা লৈয়ু ।" তেনালীনা হায়বম্মী । য়ুম হল্লক্লগা মগী নুপীদা ঝাবী পুম্বা তল্লে । নুপীনা হায, "হেয়, ওইনিংবা অমা ওইজবসনু সনাগী শেনয়েক তাবাদুমদি মাংদি মাংজবে ।"

"নঙসি পঙপ্রে, য়েংবদা কল্লু । শেনয়েক তবাদু চৎচম্রবসু অমুক তবাগী খুজিং খুজিং মবন্নাই লাকচদৌ লৈবসিবু ।" তেনালীনা নোক্লগা হায়বকই ।

তেনালী ইবাই নুমিৎকী অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা শেংনা ইক মাইথজথোক্লগা বাজগুকনা পীবকপা বনাবস বেসমগী ফিজোল শেৎচিল্লি। মসিগী মমল লুপা লিশিং অমবোম ওইবম্বা য়ানা লৈ । বাজগুকনা মাঙোন্দা সনাগী শেনয়েক চাম্মা খুদোল ওইনা পীবকখিবা অদুসু হাপচিল্লি। হৌজিক মশাদা দাগ নম্বগী চৎন পথাপ মপুং ফানা পাংথোক্লবগী পালি লাক্লে । মসিগীদমক শংখ অমসুং লৌহচক্র মৈ কন্না ইক্লি । বাজগুক অমসুং অতৈ বামোনশিংগী মপুক্লিংদা কন্না নোক্লিংলি, খঙগনিদো ঙসিদি চেন্দনা হিংলবোই অঙাং নঙ লৌনমদা থুবেদো । অসুম্না মোইবুং অমসুং য়োৎকী চক্র নম্নবা থৌবাং তৌবকই । মসিগী তাঞ্জা য়ৌবকপা মতম অসিদা তেনালীনা সনাগী শেনয়েক য়াষ্খে বাজগুকদা শং পীশিনলগা হৌ থাদুনা চেন্না চেন্না লাওবকই, "তষ্খায়দু ফাওবা য়ামল্লবনি । তষ্খায় হনবীবিবদু নরাইবক ফববনি ।"

বাজগুক লম্মন খুল্লগে থৌবাংজবদু ওন্ন তৈনবকপদুদা জ্ঞান মাংদুনা

মৈ ইকপা বং বং মৈ হৌনা শারবা মোইবুং অমসুং য়োংকী চক্র রাজগুরু অমসুং বামোনশিংনা পায়রগা কম্না তান্নবকই। লম্বেলদা চংলম্বা মী ময়াম অমসু কুম্মৈ য়েংবা ওমশিন্নবকই।

তেনালী চেন্না চেন্না নিংথৌগী মনাক্তা লাক্লগা হ্রাকংলি, "ইনিংথৌ, অচৌবা থৌবম অমা পাংথোক্লগা ননাই ঐহাক অসি রাজগুরুগী সেবক অমা ওইনা লৌশিন্নীগীনি তাকপীবকখি। মসিদা ননাইসু কবিগীদি বাজগুরুগী সেবক ওইনিংলোইদবগে, হবাও হবাও য়াজকই, মসিদা ইখঙ খঙহৌদনা খংনিং নিংশিংলকই, ঐ অসি বাজগুরুগী সেবক ওইবদা মতিক চাদে, ঐগী ওইনদি লাইবক য়াম্না ফবা, অমবোমদা বাজগুরুগী ওইনদি মায় খুবনি। কবি মবমগী ঐদি বৈদীকি বামোন নত্তে, নিয়োগী বামোননি। ইকজবা অমসুং বনাবস বেসমগী ফিজোল হোংহনবগী চৎন পথাপ ঙাকপগীদমক শেনয়েক য়াথ্নে ঐঙোন্দা থমজিল্লে অদুগা লেমহৌবিবা য়াথ্নেনা বাজগুরুদা হন্দোকচবনি, মসি মখোয়না ঐঙোন্দা দাগ নম্বগী চৎন পথাপ ঙাক্না চৎননবা পীবনি।"

বাজগুরুনা নিংথৌগী মমাংমক্তদা তেনালীনা ঐহাক নিয়োগী বামোন অমা ওইবনা মহাক্কী সেবক ওইবা য়াদে হায়বা অশেংবা হ্রাহৈ তাখি। বাজগুরুনা খঙনা খঙনা তেনালী নিয়োগী বামোন্নি হায়বসি তাৎ তৌদুনা খঙশিন্নদবা শাদুনা কাউথোক্লুবে হায়। কবি কবম্নবুদি অশেংবা হ্রাফম অদুবুদি নিংথৌগী মফমদা ফোংদোকপা য়াবিব্রদো?

"তেনালী হায়বা নিপা অসি পুকচেল যাম্না চাওবা লোয়ননা পুকচেলসু য়াম্না শেংবা মীশক্নি, মহাক থাগৎপদা মতিক চপ চাই। মাঙোন্দা লৎনবা লৈতনা মনা পীগদবনি।" নিংথৌ হ্রাহৈ অসি হায়বগা লোইননা তেনালীদা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমা খুত্তা শিন্নে।

~❀~

খ্বায় পুন্নমক্তগী হেন্না নুংশিবা পোৎ

নোংমা অমুক খক নিংথৌ কৃষ্ণদেব রায় কবিগুম্বা ব্রাহ্মৌ অমদগী পেন্দদুনা বানীদা কন্না শাউনিংলকখি । বানীনা নিংথৌ শাউনিংবা ফাথনবগীদমক ওইথোকপা য়াবা পান্বে কয়ামকম হোৎনদুনা য়েংই, ফনা ফজনা থেম নৌদুনা য়েংলবদসু নিঙাইদি হনবা কৌবা লৈতে । বানীনা নিংথৌনা পামজবা, হাওনা চাজবা মখল মথেন খন খন্দুনা থোং থাক্তুনা পীজে । অদুম্নদি ওইবগা হোৎনজবিবা পুন্নমক অসিগী কান্নবা ফংবগী মমি খজিক তাদে । নিংথৌ হবাওবগী মহুত্তা শাউবগী চাং ব্রাংখৎলক্তুনা হায়বকই, "নঙ ঙসিমক নহাক্কী খ্বায়দগী নুংশিবা পোৎ অমা পুবগা নপাম চৎখিগদবনি । কোনুং অসিদা নহাক্কী নথৌ কবিমক্তা লৈত্রবনি ।"

হৌজিক্তি বানী পাখৎলক্রে । কবিগুম্বা করিনো খবা য়াম্না থুনমক তৌহৌদ্রবদি মহাক মতম লৈবখিক্কী ওইনা কোনুংগা তৎন থানবা হায়বদু ওইবা তাবমান্নে পুক্রিংদা খল্লকই । খুথক অসিদা বানীনা তেনালী খংনিং নিংশিংলকই । মসিগী মী অসি লুদ-লুববা তানফম য়ৌবক্লবা তাঞ্জাখক্তদা মথৌ লাকই । মহাক্লা কবিনো পান্বে অমা পুথোক্তুনা হেক্তা ব্রাখে । বানীনা তেনালী কৌবগা হৌবদগী লোয়বা ফাওবগী ব্রাবী পুম্না লীদুনা তন্নে ।

তেনালীনা হায়বকই, "মহাবানী ইবেম্মা, মদুগীদমক থোইনা হেন্না থব্রায় ব্রাবীকগনু পুন্নমক ননাইনা ফনবা শিঞ্জগে ।" অদুগা মহাক্লা বানীদা পান্বে অমা তাকই । বানী মপাম হনখিনবগী কন্না মপোৎ-মচৈ তাশন খোমজল্লি । মহাক্লা হায়বকই, "ইনিংথৌ ইবুংঙো, ঐ ইপাম হন্দি হঞ্জবগনি, অদু ঐনা চৎত্রিঙৈ মমাং অসিদা ঐগী নিংজবা অমখক্তং লৈজে, ঐনা নুংতিগী মতৌগুম্না ইখুৎ অসিনা হলুব্রা হৌবগা পীজনিংই ।" নিংথৌ

মীনুংশি খজিক পোক্লক্তুনা মদু য়াবীরে। রানীনা হলুবা য়াম্না হাওনা হৌরে অদুগা তেনালীনা তুম্লিংনবগী পীরকপা হিদাক য়ানশিনলি । নিংথৌনা হলুবা য়াম্না হাওনা চাবর্মই অমসুং উনা উনা তুম্লিংবগী ময়ায়না নমহৎখিদুনা মিনিৎ খবগী মতুংদা তুমথখি। বানীনা নোক্লদুনা দোলাইদা হাপ্লগা মপামদা পুরক্লগা ফমুংদা হিপহল্লগা মনাক্তা ফন্নগা হুমায় হুমদুনা থৌগল তৌদুনা লৈ । নিংথৌনা মিকপ থোক্লকপা মতম অদুদা মমিৎ নোইর-নোইবদুনা কোয়লৈ লৈদুনা য়েংই । মিকুপ খবগী মতুংদা মহাক মকৃগী যুমদা লৈরে খঙবা ঙন্নকই ।

মহাক্না বানীদা হংই, "কবিনো তৌবিসিদি ? ঐদি সিদা কবম্না য়ৌরক্লি ?"

ইনিংথৌনদি ঐ ইশাগী খ্বায় পুম্নমক্তগী নুংশিবা পোৎ পুবগা নপাম চৎখ্রো তাকপিখি । অদোমদগী হেন্দোক্না নুংশিবা পোৎ ঐগীদমক্তদি কবি ওইগনি ? মবম অসিনা ইনিংথৌ পুরগা সিদা লাকচবিবসিনি ।" বানীনা মক লুকথনা হায়বকই ।

হায়বক্লিবা ব্বাফম অসিগী পাউখুম মহাক্কী মনাক্তা লৈতবগুম্না তুমিন্না লৈ । হৌজিক মহাক্কী শাউনিংলম্বদুসু লৈত্রে । মহাক নোকথোক্লকই । হায়বকই, "মসি পুম্নমক তেনালীগী কুম্মৈ নত্তনা কনাগীসু ওইবন্নোই ঐ খঙই। লৌশিং লৈবসিদি ঐখোয় তেনালী মঙায়বে ।"

কোনুং হল্লক্লগা নিংথৌ বানী অনিনা তেনালীদা সনাগী শেনয়েক লিশিং অমমম পী ।

৯৯৯

কম্বীনবা ব্রাশক হনবা

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না শিবগী চৈরাক কয়াবক হন্না পীববদসু তেনালীবাম্না মহাক মশাগী লৌশিংখক্তনা মশা কঞ্জবা ওমদুনা অশি ঋয়াত্তগী নাম্বোক্লগা হিংলকখি । মসিগুম্বা অকিবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থেংনমনবদগী কবিগুম্বদা মশা মতোমতা কিজবা ফাওরকই । করিগুম্বা হন্দকমুক্কা লাইবক থীবদগী শিবগী চৈবাক পীবকপা থোক্লবদি নাম্বোক্তুনা হিংবা ওম্বা লৈবগী থাজবা মাংশিল্লকই । মসিগুম্বা অকিবা চৈবাক অসিদগী মতম লৈব খিবীক্কী ওইনা কোকপা ফংনবগী পাম্বে অমা কন্না থীবি। কোন্নথংদা মহাক্লা নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় খক্তা নত্তনা রাজগুকসু য়াওনা পুন্না মখোয় অনি ব্রাশকহন্নবগী পাম্বে অমা ফংলে অমসুং পুক্লিংদা মদু পাংথোক্লগে চপ চানা লেপ্লম্মী ।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায় মশাগী চহি মতাং ইয়েংমক য়েংদনা তান চাদনা মশক মতৌ য়াম্না ফজবী তগৎ তগৎ মথোক কাবক্লিবী লৈশাবী মচা কন্না লুহোংনিংবগী অপাম্বা লৈবী হায়বসি তেনালীবাম্না হোত্রোং হোনা উবা ওমই। মসিগী ব্রাখল অসি বাজগুরুসু অদু মওাই । মখোয় অনি তিন্নবদা লম্বা চানৈ, অমনসু হেন্দে অমনসু তাদে চপ মান্নবনি । মসি পুম্নমক ফজনা উববা তেনালীবাম্না খুদোংচাবা লৌহৌনবগীদমক অহানবমক্তদা মহাক্লা বাজগুরুগী য়ুমদা খোই চোপ্পা লাকই । মহাক্লা য়াম্না তুমিন্না হায়বকই, "ইকাই খুম্নজবিবা বাজগুরুজী, ইথা থাজদনা ঐখোয় শহব অসিদা লৈবীবী মশক য়াম্না ফজবী লৈশাবী মযাম অসিদগী অমুক্কসু খ্বায় পুম্নমক্তগী পুমহেন হেন্না মশক ফজবী লৈশাবী অমা লৈবী ।" ব্রাহৈ অসি হাযদুনা বাজগুরুগী

পুক্লিং মথুম মবং হৌহল্লি ।

"হাই ! কদায় লৈহৌই মাদুবো ?" বাজগুরুনা কন্না ঙাইঙমদনা হংলকই ।

"কদাযদসু লৈবনতে, লাপ্পা পোং নত্তে, ঐগী য়ুমদা লৈহৌই । অদোমগুম্বা মতিক মযাই চেনবা মশক মতৌ ফজবা মী উববদি মহাক শোয়দনমক্কী লুহোংলসি হায়বা য়াবক্কনি । অদুম্মদি ওইবগা মসিগী লৈশাবী অসি ইকাই যাম্না থীগল্লি । কনাগুম্বা মশক মশা খঙনদ । মীগী মমাংদক্কদি মমিংকা হঙ্গৎনা পাংজ লাকচ শুমদ্রা পোং নত্তে । হোয়, তৌববুদি মথোয নুপী মশেল অদুম মবৈমিন্নবা য়াফম্না তোঙানলে । মহাক্কা উনবা য়ানবগী পাম্বে অসি ঐনা সুম খঞ্জবদা, অদোম নুপীগী ফিজোল শেৎলগা নুপী শাবীদুনা লেংবীবক্কবদি য়াগদৌবা মাল্লি ।" ৱাহৈ অসি হায়বগ‍ তেনালীরাম মথন্তা পুক্লিংদা কন্না নোক্লিংবা ফাওবকই ।

"মাদুদি য়াম্না ফবা ৱানিনা, কবিসু কায়দে, অদু, নত্তে, নঙনা, নঙনা হায়বিবা ৱা অসিবু কবম্বা মতমদা লাকউ হায়য়ু হায়বিবনো ?" খোল য়াম্না তপ্পা বাজগুরুনা হংলকই ।

"ঙসিগী নুমিদাংগী পুং তবা তাবা মতমদা লেংবিবক্কদবা । অদুগা ৱা অমনা মসিগী ৱাফম অসি নাকোং অনি শুহনবীবদি য়াবীদেকো, কনামত্তদা হায়দোকপীকগনু ।"

তেনালীবাম্না ৱাহৈ অসি হায়বল্লগা চৎখি। তেনালীরাম্না বাজগুরুগী থম্মোয়দা মচিন পাদ্রিং পাবা তেন অমা কাপশিনলল্লবা মতুংদা অমুক নিংথৌ কৃষ্ণদেববায়গী মনাক্তা তন্না লাকই । মহাক্না নিংথৌগী মফমদসু মশক মতৌ ফজবী লৈশাবীগী ৱাবী থাগৎপা য়াবা থাগত্তুনা লীদুনা কলকহল্লগা ৱা তুপথোক্লে, হোবেন নুমিদাংগী পুং তবা তাবা মতমদা নুপী শাদুনা মহাক্কী য়ুমদা সুকশোয় শোয়দনমক্কী লাক্লবা হায়নবল্লগা তেনালীবাম য়ুমদা হল্লকই । নুমিদাংগী পুং তবা তাবগা বাজগুরু নুপীগী ফিজোল

শেংলগা নুপী মান্না শাবগা তেনালীরামগী মযুম যৌরক্লে। তেনালীবাম্না বাজগুরু তোঙানবা কা অমগী মনুংদা পুশিন্দুনা ফমহল্লি । ঐ হৌজিক লৈশাবীদু মনুংদা থাজিনলক্লগে, হায়বনা মপান থোকখি । মিনিং মঙা তবাগী মতুংদা নিংথৌসু নুপা শাদুনা যৌরকই ।

তেনালীবাম্না নোল্লুক্লা হায়জবকই, "ইংথৌ হৌজিক অদোম যৌবীরক্লে, নলাই ইকাইথিবী নুভা মহাক অদু কা মনুংদা ম য়া ইনিংথৌতবু য়াম্না য়ানা খৌবাংনা ঙাইজহৈ দা, লেংশিনবীগনি।" হায়বগা তেনালীবা খোঙ হাংদোকই । নিংথৌ কা মনুংদা থাজিল্লকই অমুক খোঙ হিংজিল্লগা মপান্দা লৌবোন থং ।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায মতাকপু খৌব না য়াম্না য়ানা ঙাইজহৌবী হায়বিবী লৈশাবী যেংনিংবদগী প্রপ প্রপ খোঙ থাংজিনলকই ঙাইঙমদনা । অসোমদসু তেনালীবাম্না লৈশাবীদু হৌজিক থাজিনলক্লগে হায়বম্বদু চংদা চংলক্লবোই নিংদুনা ফল্লম্বদগী ফুক হৌগংলক্নুনা নুপী শাবী নিংথৌ কৃষ্ণদেবগী মনাক তম্না চংশিল্লকই । মাযগা মায়গা নকশিন্ননা ওন্সিন্নবগা মিং চানৈ । শক্লা শক্লা খঙনবদা থোইনা হেন্না অৱাবা অমা ওইদে । খল্লুবগা মখোয অনি অমুক হন্না যেংনবা ইকাইনৈ । মসি অমবোমদা য়েংলগদি মখোয় অনি তেনালীবামগী মফম খক্তদা ইকাইবা চোপ্পা নংজবনি । হৌজিক্লা কন্না নুংশা থিগংলক্লিবা ৱাফম অমনা কনাগুম্বা অতোপ্পা মী অমনা ফিভম মতা অসিদা তাখিবা উখিবা কবিগুম্বা থোক্লবদি শিখিবনা হেন্না কৈ খল্লকই । খল্লু খল্লুবগা নুংশা কন্না থিগংলক্নুনা মখোয় অনি চংদুনা পুন্না অমতা ওইনা তেনালীবাম কৌদুনা খোঙ হাংদোকপীনবা হায়জে ।

তেনালীবাম্না মপান্দগী হায়বকই, "ঐ তশেংনমক্কী য়ানবা অমগী মখা পোম্না অদোম অনিবু মপান্দা থোকহনগনি । ইনিংথৌ ৱাশকপীয়ু, মতুংদা ঐঙোন্দা মবাল অমগীদমক শিববু শান্নবগুম্না চৈবাক হেক্তা পীবগী থবক থাদোক্লগে । মদুগী মহুত্তা অদোমগী লন-থুমগা কোন্ননা দববারদগী

ইপ্থোকপীবা বাজগুরুসু ৱাশকপা তাই, ইনিং থৌনা শরুদৌবিবা ৱাশক ঙাক্না চৎহনগনি । কবিগুম্বা ঙাক্নবদি চবা হেন্দুনা শিজগনি ।"

মসিগী মতাং য়ৌবক্নবদা অতোপ্পা লম্বেল অমা ফংলক্নবদা নিংথৌ তঙাইফদনা তেনালীরাম মতুংদা শিবগী চৈবাক পীববোই ৱাশকপা তাখি অমসুং বাগুরুসু পুন্না ৱাশকমিন্নৈ ।

তেনালীবাম থোঙ হাংদোকই অমসুং নিংথৌগী খোঙ কোল্লগা মহাক্কী মরাল ঙাকপীয়ু হায়জবম্মী, "ইনিংথৌ, ননাইনা মসি নত্তনা ঐঙোন্দা অতোপ্পা লম্বেল অমা লৈবা উবা ফংজদবদগী নমথাক অসি তৌজখি।"

নিংথৌ নোকপা নত্তনা কবি উপায় লৈ, নোক্লদুনা হায়বকই, "চাম্মরক হন্না শাথীবা থোকপ্রবা মতুংদা মদুদগী অমুক্নসু হেন্না শাথীবা খং শীৎ শিৎপা নুংশিৎনি । মতম মতমগী থৌদোক শেম্বদা য়াওবা ফিভমশিংগী মাংদা লাক্লবদা নিংথৌ ফাওবনসু কোক নোম্বা তাই, নিংথৌনি ঐ হায়দুনা কবি ঙমগনি ? নহাক্কী নবাল ঙাকপীববনি । অচুম্বদি অশেংবা অচুম্বনি, ঙসি ফাওবগী মনুংদা নহাক্কী থোইদোকপা অচৌবা শিবগী চৈবাক পীবা য়াবা মবাল লৈখিদে, মসিদি ঐগী মফম মবাং ঙদনা শাউগনবদগী চিন্দা হেক্তা হায়দোকখিবনি । ঐ গুরুজীগীদমক নুংঙাইতে মবী লৈনদবা ৱাফম অমদা চেন্নবীদুনা চবা হেনবগী ফিভম অমা থাংজিলকপসিদা ।"

"মদুগী নুংঙাইতবা তৌবীক্নবগনু, অদোম্মা মহাকপু চবা হেনবগী ফিভম লাক্তনবা শীম্বীবা তাবে, অমবোমদদি খবা য়াম্না ব্রত তৌববদি মাঙোক দদি কান্নববু হেন্না ফংগনি । মতম অদুদা গুরুদেব বার্তন ময়াম অমা ফংদুনা নুংঙাইবগী মথেল অমা ফংলগনি ।"

রসগুল্লাগী মরা

বিজয় নগবগী নিংথৌরেল কৃষ্ণদেব বায়না ইবান অমসুং অতৈ অতোপ্পা সৈপাকশিং কয়ামকমগা লোয়ননা মখল মখা কয়ামরুমদা ললোন ইতিক্কী থবক তৌনবমই। অমুক খক ইবানগী ললোন ইতিক্কী থবক তৌবা লৈপাক কযানা শকখঙলবা ম.ন্ত্রিং লৈবা ফিবদৌস কৌবা মীশক অমা বিজয নগবদা অখন্নবা খোঙচৎ অমদা থুংলখি। মহাকপু নিংথৌবেল কৃষ্ণ দেব বায়না থোইদোকপা ইকায খুম্নবা উত্তুনা তবাম্না ওকপগা লোয়ননা কোনুংদা লৈবগী খুদোংচাবা পীদুনা লৈহল্লি। নিংথৌগী মনাই মশন কয়ামকম্না মহাক্কী সেবা সেবী পুকচেল শেংনা সেবা তৌবী। নুমিদাংগী চাকলেন চাবা তোক্লবা মতুংদা কৃষ্ণদেব বায়না মহাক্কীদমক চাননবা হায়দুনা বসগুল্লা হাপ্পা লুপাগী ক্বাগোক অমা মনাই থাবক্কুনা থিলহনলকই। মনাই ঙাইহাক্কী মনুংদা তন্না হল্লকপা উবগা কৃষ্ণদেব বায়না চিংনবা অমা পোক্লক্কুনা মবম হংই। মসিদা মনাইনা পাউখুম পীবকই - "ইনিংথৌ ইবুংঙো তাবীগনি, ননাইনা খুয়াখাদা পুনেমজবি, ননাই ইবানগী অতিথি ফিবদৌসনা লুপাগী ক্বাগোক হাংদোকই অদুগা মদুগী মনুংদা য়াওবিবা বসগুল্লাদা চিংনা য়েংই অমসুং বসগুল্লাদা খুদোনবীনফাওবা শোক্লগা মহাও তংদুনা য়েংদে - হায়বকই, ঐদি মসিগী পাম্বীদুগী মবাদু'দুম ওইনা চানিংই। মনাইনা তল্লিবা পাউদম লাক্তম তাবগা নিংথৌবেল কৃষ্ণদেব বায় হায়নিংঙাই লৈতনা অঙকপা অমা হায়বদু ওইখি। মসিগী ৱাখলদা মহাক অহিং নোংশোয়বা মিৎ কক্লা অমা উইশিল্লু য়াদে। খনবদা মমই, মসিগী তুংদা কবি পাখোং লোৎলি, লৌশিনবা ঙমদে। মহাক্লা মসিগী মবমদা ওইবা যাবা মহযগী লংলা লংজিন অমতা পুথোকপা ঙমদ্রবদা নোং ঙাল্লগা দববাবদা মন্ত্রিদা ফিবদৌসকী ৱাফম অসি

হৌদোকই - "মন্ত্রিজী অদোম করিনো অমা খবা তৌবীদুনা কদায়দগীনো রসগুল্লাগী মবা থিবীবক্তবা য়াদ্রে ।' ফবেনে, চাননবগীদমক শঙ্গোম থী থাওনা শাবা বসগুল্লাগী পাম্বী হৌদুনা কদায়দগী মরা, তাবদা রাই মন্ত্রী, কবিদি তৌনি । মায় লৈথোক্লগা থংনবদা য়েংদুনা লৈ । দববার শ্বায় পুম্নমক্তগী খঙ হৈববনি লৌনরিবা নিংথৌগী পণ্ডিৎসু মাঙোন্দা হায়বীবক্তবদি ফগনিদা খন্দুনা মিৎ মালংদা য়েংদুনা খাংলি, মসিগী ফিভম অসি য়ৌশিনলক্লবসিদদি তেনালীবাম মাগী হৌনবী তুমিন্না লৈবা হৈনবক্রে, চিং লেম্না হায়বকই, লাইবক থীবা হায়বদুনি, ঐনা নিংশিংজনিংবা রাফম অমনা, মসিনিদা, তীম্বীবিবা শ্বায় পুম্নমক্তগীদি বসগুল্লাগী রাফমসিদি পুবোহিতনা হেন্না খঙবীফম থোকপনি, ঐনা হায়জরিবসি ঐখোয় পুম্নমক্তগীদি পুবোহিতনা ইহেন হেন্না বসগুল্লা কৎলি, অদু মসিগী মবা খঙবা ঙম্বীদবা অসিবু শোঞ্জবনি ।

নিংথৌবেল কৃষ্ণদেব রায় মিকপ থোক্লকপগুম তেনালীদা ওঙ্গিন্দুনা থবক্কী মহয় ফংলগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা হায়বকই, ওইনিংবা অমা ওইজবসু, ঐখোয় ফিবদৌসকী মমাংদা চোপনিংদে নঙ হৌজিকমক, খুথক অসিদা ফিবদৌসকী মাংদা বসগুল্লাগী মবা ফংহন্দবা য়াদবনি ।'

'ইনিংথৌগী য়াথং ইকোক থোঙ, ননাই ঐনা কবি কবম্বা মতমদা ইনিংথৌগী য়াথং হিক্তোকখি, পুম্নমক সনা মাংদা কৎচখিবা ঙাক্লি, ননাই ঙসিসু হৌজিকমক সনা মাংদা মাগী বসগুল্লাগী মবা ফুক্লগা কৎচবগনি' হায়বন্নগা তেনালীবাম পুখম নাতি অমা লোয়ননা থাং হৈজ্রাং অমা পায়বগা দববাবদগী মপান থোকখি ।

নিংথৌবেন অমসুং মন্ত্রি, দববাবী পুম্নমক্লা থবাক মিহুল পিং পিং চোংনা তেনালী হল্লকপা ঙাইনবি ।

ঙাইহাক লৈবগা তেনালী পুখমনাতি অমা ফি ফজনা কুপ্লগা মখুৎ অনি চংনা পায়বদুনা চংলকপা উবকই । দববাবী অমনা ঙাইহাক ফাওবা ঙাইঙম শিঙমদনা কবিনো মসি হংই, মসিগী মমাংদা মহাক্লা নিংথৌবেলগী

মাং তম্না চংশিল্লক্তুনা নোল্লুক্লা হায়জরকই, “ইনিংথৌ ননাইনা বসগুল্লাগী মবা সনা মাংদা পুজবক্তে, হৌজিক্তি অতিথি ফিবদৌসগী মফমদা লেম্না থিম্বীখিবা য়াবগনি ।’

তেনালীনা ময়ামগী মাংদা চিং লেম্না থম্লক্লিবা ব্রাফম অসিমক্তনা পুন্নমক্লা পুক্লিংদা কন্না খঙনিংবা অমনা লাংতক্লহল্লি, ফিনা কুপ্পিবা পুখম নাতি অসিদা কবি য়াওবি । অদুম্নদি ওইবগা তবাইবা তেনালী নত্তে, তবাইনা হেক্তা পুখমদা কুপ্লিবা ফি হাইদোক্লগা, তু সিনি বসগুল্লাগী মরা উৎকদবা লৈতে । মহাক্লা হায়বকই, তিম্বীবিবা ব্বায় খিবীক, ব্রাংলেন মিকুপ অমতং পুক্লিং ফাথবীখিনি, “অহান্নমক্তদা ঐখোয়গী ইনিংথৌগী অতিথি, মথং কনানো অমনা হেক্তা ।’

ফিবদৌস নিংথৌগী অখন্নবা লমদম তাম্নদগী লেংবীবকপা অতিথি অমনি মবম অসিনা মন্ত্রি মশামক থাদুনা কৌহল্লুরে । ইংথৌগী য়াথং তুংইন্না ফিবদৌস ঙাইহাক পম্ভবা তৌদনা মন্ত্রিগা পুন্না খোঙদোয়মিন্নবক্তে । নিংথৌবেলনা মনাক্তা ফমহল্লি অমসুং মনাই অমদা য়াথং পীদুনা তেনালী বামগী খুত্তা পায়বিবা পুখম নাতি লৌবগা ফিবদৌসকী মাংদা থমই ।

‘মসিদি কবিনো ?’ ফিবদৌসনা নিংথৌবেলদা হংই ।

‘মবানি রসগুল্লাগী ।’ নিংথৌবেলনা নোম্বী নোম্বী তৌনা হায়রকই।

“ব্বা বল্লাহ ।’ ফিবদৌস উচেকসিমঙাই খোংলিবা । মহাক্লা পুখম নাতিদা কুপ্লিবা ফি শৎ লৌথোকই অমসুং খুবী অমসুং খুদোনবীনা বসগুল্লা মবা অমা অনি লৌদুনা মহাও তংই অমুকসু মচিন চুপ্লগা হায়বকই, ‘হিন্দুস্তান্দা ফংলিবা অসিগুম্বা পোৎ ঐখোয় ইবান্দা ফংদে ।’

দববাবীশিং মিৎ তথক তথক য়েংনবি - মখোয়না পুখমদা মকু শিৎ নান্না খোক্লবা চু শিংকুপ শানা পিক্লা ইৎলবা উবকই । নিংথৌবেল পেনখিদুনা তেনালীবমদা মনা চাওনা পী, ফিবদৌসনসু মহাক্কী মায়কৈদগী মমল অতাঙবা ইবানগী গালীচা খুদোল তম্মী ।

ত্র-ঞ্জ-ত্র

মৈখু নাপ ওনবা

নিংথৌবেল কৃষ্ণদেব বায় অমসুং মহাক্কী দববাবী ময়ামগা পুন্না মীফম অমা ফল্লি। খন্না নৈনবা মবক্তা ইখণ্ড খণ্ডহৌদনা খণ্ডবা হৈবা, হৈশিংবা অমসুং লৌশিং লৈবগী মবমদা মবৈ অমা পুখোবক্তুনা মদুদা কন্না মবৈ তৌনবকই। মসিগী খুদোংচাবা তাঞ্জা অমা লৌদুনা মন্ত্রিনা ব্রাফম অমখক নিংথৌবেলগী মাংদা থাঙ্গৎলকখি - "ইনিংথৌগী দববাব অসিদা খণ্ডবা হৈবা, হৈ-শিংবা অমসুং লৌশিং লৈবা মী কবিসু অব্রাৎপা লৈত্রব্রা খঞ্জে। কবিগুম্বদা মখোয় খুদিংমক্তা তোঙান তোঙান তাঞ্জা ফংহনবীববদি, ঐনা ইনিংথৌগী মফমদা হঙ্গৎচবিবা ব্রাফম অসি চুম্মি লাল্লি হায়বদু শেংনা খণ্ডবীগনি।'

সেনাপতিনসু মন্ত্রিগী ব্রাফম শৌগৎলদুনা হায়বকই, 'অচুম্বমক্লি ইনিংথৌ, তেনালীবামগী মমাংদা কনাগুম্বা অমতনা মহাক মশাগী খণ্ডবা হৈবা, লৌশিং পুম্নমক উখোকচনবগী তাঞ্জা অদু থাঙ্গেশেংনমক্কী ফংবা ওমজদে। মতম লৈব খিবীক্তা মহাক্লা মবক্তা চপ হেক্তা লেপ্লে।'

নিংথৌবেল কৃষ্ণদেব বায় থাঙ্গৎলক্লিবা ব্রাকৎ পুম্নমক পুক্লিং চংনা শেংনা চিং লেম্মা তাবি। মহাক্লা কবিনো খবা খল্লগা ময়ামদা খণ্ডহল্লকই - 'ফবে ওসিদি ময়াম পুম্নমক্লা ইশা ইশাগী হৈ-শিংবা লৌশিং ময়াম মমাংদা উখোকচনবগী তাঞ্জা ফংহনবীদে হায়দুনা নিংদোল পোম্নবিবদু কোক্লবগী তাঞ্জা অদু সুকশোয় শোয়দনমক্কী ফংহল্লগনি ব্রাবীকবগনু। ঐনা তেনালীবাম মবক্তা চোংথোবকহল্লবোই। কৃষ্ণদেব বায়না দববাব মাংদা থল্লক্লিবা ব্রাফম তাবগা পুম্নমক্কী থম্মোয় পেন্না হ্বাওজখি।

নিংথৌ কৃষ্ণদেব বায়না দববাবগী কাচিন অমদা থাবীবা ধুপ অদুদা

খুদোনবী থিল্লদুনা হায়বকই, 'ময়াম উবীবেদনা ধুপপতি অসিদগী কাবক্লিবা মৈখু । মসিগী মৈখু অসি ঐঙোন্দা খুদুপ অনি শাংনা পীয়ু । মদু পীবা ঙন্নবদি ঐনা মহাক অদুবু তেনালীবামদগীসু হেন্না লৌশিং লৈবা মীশক অমনি হায়দুনা লৌগনি ।'

নিংথৌবেলনা দববাবদা থল্লক্লিবা শীংনবা তাবগা পুন্নমক ঙক্লদবা য়াওখিদে । ফবে, মৈখুবু মতৌ কবম্না নাপ ওল্লগা লেঙদনা থম্বা ঙমগনি । কনামগুনা নাপ ওনবা ঙম্নদে । মসিদা কনাগুম্বা দরবাবী খবনদি চংশিল্লকুনা অঙাও অফেগুম্না মৈখু ফানবা কন্না হোৎনৈ । কবিবু কান্নগবনো মৈখুবু খুৎনা পায়বা য়াবা পোৎশক্লদা, লেঙদনা লৈবা পোৎশক অমসু নত্তে, ঙাইহাক উক-ক লৈদুনা পাইবম্নগা নুংশিত্তা থিঞ্জিখিবা পোৎশক্লি । অদুম ওইনমক হোৎনবদি লেপ্পমদে ।

মমৈথংদা মমশিল্লক্কে, কনাগুম্বা মী অমতনসু মৈখু ফাবা ঙম্নদ্রে । মসি পুন্নমক য়েংলগা নিংথৌবেল নোক্লকই । দববাবী পুন্নমক্লা হায়জবকই, মসিগী থবক অসি তেনালীবাম্না ঙন্নবদি ঐখোয় পুন্নমক্লা অমতা ওইনা চপ মান্ননা ঐখোয়দগী হেন্না মহাক্লা শিংবা হেল্লি লৌনি কবিগুম্বা মহাক্লা মদু ঙমদবা থোক্লবদি মহাকপু ঐখোয়গা চপ মান্নে লৌগনি । কৃষ্ণদেব বায় তেনালীদা য়েংলগা হংলকই, 'কমদৌই, তেনালীবাম, নঙোন্দা শিংনবক্লিবা ময়ামসে নঙ য়াব্রা ?"

'য়েংজগে হোৎনদুনা ইনিংথৌ ? তেনালীবাম হৌগৎলগা হায়বকই, 'মতম লৈবখিবীক্তা ইনিংথৌগী য়াথংতবু ইকোক থোঙজবকপনি, মদু ঙসিসু হান্না হান্নগীদু মঙায় ।' তেনালীবাম্না মনাই কৌবগা নাকোংদা কবিনো খবা মুকম-মুকম শোনখি । তন্না মনাইনা খুদুপ অনি শাংবা লিক্লিগী উতোং পুদুনা লাকই। তেনালীবাম্না মনাইদগী লিক্লিগী উতোং অদু লৌবগা ধুপ্তগী মথক কাবক্লিবা মৈখু লিক্লিগী উতোং মনুংদা চংহল্লি । অসুম্না ঙাইহাক্কী মনুংদা মৈখুনা উতোং মনুং পিক থনদুনা মৈখু অশাংবা অমা ওইনা উবে । হৌজিক তেনালীবাম্না উতোংগী মচিন চেৎনা মেনশিল্লি

মৈথু নাপ ওনবা

অদুগা নিংথৌরেলগী খুত্তা পীবদুনা হায়রকই -

'লৌবীবসিদো ইনিংথৌ, লৈজবে, ননাইনা মৈথু খুদুপ অনি চপ-চানা শাংবা সনা খুয়াখাদা কৎচবি ।'

কৃষ্ণদেব রায় কন্না নোকথোবকই লোয়ননা মণ্ডকশমদা শিবিবা মনিগী লিক্লাং পবেং লৌথোক্লগা তেনালীরামগী ওকশমদা হুক্লদুনা হায়বকই, 'নহাক তশেংনমক্কী খ্বায় পুম্নমক্তগী পুমহেন হেন্না লৌশিং লৈবা মীশক্লি তেনালীরাম ।'

থৌদৌ অসিনা দরবারী পুম্নমক ইকাইজবনা মমায় পুবা ওম্নখিদে ।

ৈ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

"[illegible]"

"[illegible]"

"[illegible]"

"[illegible]"

[illegible]

[illegible]

“ꯑꯣꯏ : ꯃꯇꯝꯗꯤ ꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯍꯧꯔꯛ ꯃꯔꯤ ꯃꯔꯤ ꯄꯤ꯫ ꯃꯇꯨꯡ ꯑꯗꯨꯗꯤ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯃꯄꯥꯡꯗ ꯄꯥꯎꯗꯨ ꯁꯤꯡꯕꯗ ꯊꯃꯗ ꯂꯣꯟꯅꯗꯨꯃꯛꯇꯥ ꯐꯥꯎꯕ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯗꯤ ꯗꯤ ꯆꯤꯡꯖꯥ ꯑꯔꯤꯕꯗꯤ ꯂꯣꯟꯅꯔꯤꯕꯁ ꯂꯣꯟꯗꯨꯃꯛꯇꯥ ꯃꯔꯝ ꯃꯔꯝꯗ ꯁꯃꯕꯂꯥ ꯄꯨꯡꯂꯣꯡ ꯄꯨꯡꯂꯣꯟꯅꯗꯥꯁ, ꯂꯣꯟꯗ ꯄꯨꯡꯂꯗ ꯄꯥꯁꯔꯥꯁ. “ꯃꯇꯝꯗꯤ ꯃꯤ ꯑꯃꯥ ꯃꯤꯄꯨꯝꯈꯥꯛ ꯂꯩꯂꯣꯏ ꯃꯨꯗꯨ ꯄꯥꯎꯔꯨꯕꯤ꯫ ꯄꯨꯗꯣꯏ ꯌꯥꯎꯗꯕ ꯁ ꯍꯧꯕ ꯈꯨꯗꯣꯡ ꯑꯂꯨ ꯄꯨꯡ ꯂꯣꯏ ꯆꯨꯝꯗꯣꯛꯄꯕꯥ ꯑꯁꯤꯡꯕꯗꯤ꯫ ꯂꯥꯏ ꯑꯣꯏꯗꯨꯂꯨ ꯕꯤꯆꯨꯡꯕꯤꯃꯛ ꯃꯇꯥꯡꯁ ꯍꯧꯔꯛ ꯄꯨꯡꯆꯗꯨ ꯁꯤꯡꯁꯗꯨ ꯌꯥꯏꯊ, ꯃꯇꯝꯗꯨ ꯆꯨꯡꯕꯤ ꯁꯤ-ꯂꯨ ꯍꯧꯔ ꯍꯧꯗ ꯁꯤꯄꯥꯗꯣ꯫ ꯈꯤꯗꯥꯛꯗ ꯂꯩꯕꯤ ꯃꯨꯗꯨ ꯃꯇꯝ ꯗꯤ ꯍꯧꯗꯕꯤꯗ ꯈꯕꯥ ꯈꯨꯥꯏꯃ ꯑꯣꯏꯗ ꯌꯕꯊꯕꯤ ꯑꯗꯤꯃꯨ ꯆꯥꯌꯨꯗ ꯆꯕꯃꯃꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯁꯗ ꯕꯆꯨꯡꯕꯤꯃꯛ ꯃꯏꯃꯛ ꯈꯨꯥꯗꯤꯗ ꯈꯩꯗꯥ ꯑꯣꯏꯗꯤꯃꯤꯕꯃꯥ ꯃꯑꯗꯤ ꯈꯨꯥꯛꯗꯤ ꯍꯧꯔꯛ ꯂꯨꯃꯤꯁꯤꯗ ꯂꯣꯏꯕꯗꯨꯗ ꯂꯨꯥꯌꯨ꯫ ꯍꯂꯥꯗꯃꯥꯕꯤꯗꯤ ꯂꯨꯥꯛ ꯃꯤꯃꯤ ꯏꯅꯥꯗ ꯁ ꯑꯣꯏꯗ ꯕꯆꯨꯡꯕꯨ ꯕꯗꯃꯅꯥꯗ ꯑꯂꯥꯗ ꯑꯃ ꯑꯁꯗ ꯁꯃꯤꯕꯗꯗꯤ ꯂꯕꯨꯥ ꯍꯗꯤꯗꯥ꯫

❦

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯃꯗꯣꯡꯒꯤ ꯃꯃꯡ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯅꯤꯡꯊꯧꯅ ꯁꯪꯒꯣꯜꯕꯤꯁꯅ ꯄꯨꯊꯧꯕꯥꯝ ꯍꯟꯗꯨ ꯁꯦꯕ ꯅꯨꯡꯗ ꯄꯨꯁꯅꯥꯁꯦꯒꯤꯅꯥ ꯃꯔꯛ ꯅꯥꯌꯨꯥꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯂꯥꯏꯕꯛ ꯍꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯌꯥꯏꯔꯦꯕꯁꯤꯡ ꯍꯥꯏꯕ ꯑꯣꯏꯅ ꯂꯩꯕꯁꯤꯡ ꯃꯔꯛ ꯃꯤꯍꯥ ꯇꯦꯡ꯫



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ਸੰਟਪ੍ਹ ਘਸ ਤੇਗ਼ਟ ਰੈਠ। ਸੰਟਪ੍ਹ ਏਘਤੰਘਤੁਟ ਨੰਘਟੁਠਲ ਙਬਸਠ ਙਬਘਙ. "ਘਲ'ਸਟ ਨਙਠਙਿ, ਨੈ ਲ'ਘ ਟਪ੍ਹਬਠਲੁ ਘੈ ਙਸ ਏਠ ਨੈ। ਙਲੁ ਸਘਨੰਘ ਤੈ ਙ ਙਲੁਟ ਘੈਟ ਘਲ'ਸਙ ਙਙਸਲ ਙਸ ਙਬ ਙੁਲ'ਨ ਤੰਸਟਙਿਠਟ। ਸਙਠਿਲੁਟ ਙਲੁਙ ਘਘਸ ਘਸਲਙ ਙਙ ਘੈ ਙੇਲ ਘਙੁਘ ਨੈ ਨਙਠਿਬਘਙਟ ਙਟੈ।

ਘਲ'ਸਙ
ਤੰਟੇਰਬਿ'ਸ।

❧

[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯁꯤꯅꯥꯏꯗꯨꯝ ꯃꯄꯤꯂꯣꯠꯂꯣꯛ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

❧

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯃꯇꯝꯗꯨ ꯑꯗꯨꯒ ꯂꯩꯔꯝꯃꯤ ꯃꯍꯥꯛ ꯅꯤꯡꯊꯧꯅꯥ ꯍꯣꯡꯂꯛ ꯂꯩꯕ ꯐꯝꯗ ꯌꯦꯡꯕ ꯌꯦꯡꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨ. ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯂꯩꯕ ꯀꯩꯊꯦꯜꯗ ꯃꯍꯥꯛ ꯊꯥꯡꯃꯗ ꯇꯇꯅ ꯊꯥꯖꯕ ꯀꯥꯡꯗ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯑꯣꯏꯔꯝꯃꯤ. ꯊꯥꯖꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯃꯍꯥꯛꯀꯤ ꯊꯥꯖꯕ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏ ꯍꯥ ꯑꯣꯏꯕ ꯌꯥꯝꯅ ꯌꯥꯝꯅ ꯇꯃꯤ। ꯊꯥꯃꯃꯤꯅꯇ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯊꯥꯖꯕ ꯀꯥꯡꯂꯨꯞ ꯀꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯊꯥꯖꯕ ꯀꯨꯡ ꯂꯩꯕ ꯇꯧꯅꯕ ꯀꯤ ꯑꯗꯨꯒ ꯂꯩꯔꯝꯃꯤ। ꯊꯤ ꯃꯍꯥꯛ ꯊꯥꯖꯕ ꯃꯇꯝ ꯀꯔꯤꯒꯤꯗꯨ ꯃꯍꯥꯛ ꯌꯣꯏꯃꯇ ꯄꯅ ꯄꯅꯕꯨꯇ ꯃꯨꯃꯤꯌ ꯌꯣꯏꯃꯇꯀꯤ ꯑꯗꯨ ꯑꯃꯇꯀꯤ ꯃꯌꯥꯝ ꯊꯤ। ꯊꯨꯃ ꯊꯨꯅꯇꯃꯤꯌ ꯊꯤꯀꯤ ꯃꯇꯝꯗ ꯄꯥꯡꯇꯥꯛꯄ ꯇꯥꯡꯇꯈꯤ ꯊꯨꯃꯤꯌꯥꯡ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯇꯇꯥꯡꯇꯀꯤ ꯇꯇꯅꯇ ꯊꯃꯣꯏꯒꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯃꯤ ꯅꯥꯡꯃ ꯌꯦꯡꯕꯤꯇ ꯇꯥꯡ ꯑꯇꯗꯤ।"

ꯌꯦꯡꯕ ꯀꯤꯔꯤꯄꯗ ꯇꯥꯡꯂꯤ ꯂꯩꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡꯃꯤꯌꯦꯡ ꯇꯥꯡꯂꯥꯟ। ꯊꯃꯣꯏꯒꯤ ꯅꯨꯡꯉꯥꯏꯕ ꯃꯨꯡ ꯊꯨꯡꯂꯤ।



[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

ꯑꯇꯦꯟ ꯂꯣꯏꯕ ꯃꯔꯝ ꯍꯦꯟꯅ ꯂꯩꯕ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯁꯤꯡ ꯃꯁꯤꯡ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯇ ꯂꯩꯕ ꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯏ꯫ ꯑꯗꯨ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯩꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝ, ꯄꯣꯠꯁꯝ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯌꯥꯝꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯁꯤꯡ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯃꯔꯝ ꯂꯩꯕ ꯂꯩꯔꯤ꯫

ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯇ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ "ꯇꯦꯂꯤꯚꯤꯖꯟ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯩꯕꯥꯛ, ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯇꯦꯂꯤꯚꯤꯖꯟꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯜ ꯂꯩꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ, ꯀꯝꯄ꯭ꯌꯨꯇꯔ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯣꯠꯁꯝꯁꯤꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯇꯧꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯩꯔꯤ꯫

ꯇꯦꯂꯤꯚꯤꯖꯟ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯀꯦꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ ꯂꯩꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯈꯪꯖꯤꯟꯂꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯇ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ, ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯅ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯩꯕ ꯇꯦꯂꯤꯚꯤꯖꯟ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯀꯦꯁꯟꯁꯤꯡ ꯃꯇꯝ ꯃꯇꯝ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯃꯁꯤ ꯀꯝꯄ꯭ꯌꯨꯇꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯂꯣꯏꯅ ꯂꯣꯏꯅ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ꯫ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤꯕ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯁꯤꯡ ꯃꯇꯝ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤꯒꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯂꯩꯕ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯂꯩꯔꯤ꯫ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯗ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ꯫

ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯇ ꯃꯇꯦꯡꯁꯤꯡ ꯄꯣꯠꯂꯝ, "ꯑꯗꯨ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠꯁꯤꯡ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯝ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ꯫ ꯇꯦꯂꯤꯚꯤꯖꯟ ꯀꯝꯌꯨꯅꯤꯀꯦꯁꯟ, ꯄ꯭ꯔꯤꯊꯤꯕꯤ ꯑꯗꯨ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯃꯇꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯣꯠꯂꯝꯁꯤꯡ ꯊꯥꯗꯣꯛꯂꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯑꯍꯣꯡꯕ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ ꯄꯣꯠꯂꯝ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕ ꯁꯦꯇꯦꯂꯥꯏꯠ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]

[illegible]
[illegible]



মিং	:	অবুজম ইবোপিশক লুৱাং
পোকপা	:	জনুৱাবী ৪, ১৯৪৫
অপোকপা	:	অবুজম বিবচন্দ্র সিংহ, খাজিবী মনিং লৈকাই এল.পী স্কুলদা ওঝা ওইবমই ।
অপোকপী	:	চনম নিঙোল মুক্তাবৈ দেবী
লোইনবী	:	নিংথৌজম নিঙোল ঙাশ্বী লৈমা
মচা	:	নেত্রা লুৱাং, নীহীবা চনু, বিক্রমলুৱাং, তম্ফাসনাচনু
মমৌ	:	ইচল লৈমা, বঞ্জীতা লৈমা ।
লৈফম	:	খাজিবী মমাং হৈব্রোয় মখোঙ, ইম্ফাল বেষ্ট, মনিপুব,পি.ও. নম্বোল - ৭৯৫১৩৮
মহৈগী থাক	:	মনিপুবী হিন্দী পবিষদ নম্বোল - ১৯৬১ দা প্রবোধ পাশ তৌই
শিনফম	:	ফি তুবা লোয়ননা কলমনিষ্ট
ফোংথ্রবা লাইবিক	:	তেনালীগী ৱায়েল অমসুং ৱবীন্দ্রগী চাওখৎলকপা তোবা তুবা ২০০৮, মালেমদা তাঙনা থোকপা থৌদোক খবা ২০১২


ISBN 978 93 82989 03-5